লংজিন মাঙখুবা কিশি

অইবা—
শ্রীহিজম গুণ

LANGJIN MANGKHRAB KISHI— An anthology of Short Stories in Manipuri, meaning "A RIDDLE UN-REDEEMED" written by Shri H. Gunc Singh and published by Kumari Hijam Surodhoni of Keisampat Thokchom Leikai, Imphal—795001.

Price Rs. 7.50

[illegible]— হিজম চনু সুরধনী
কৈশাম্পাং থোকচোম লৈকাই.
ইম্ফাল—৭৯৫০০১

অহানবা ফোঙবা— নবেম্বর ১৬, ১৯৮১ হীং

মথুম য়েকপা— শ্রীথোইদিংজম তোম্বী সিংহ,
প্রিন্সিপাল, ইম্ফাল আর্টস কোলেজ,
ইম্ফাল।

লাইরিক ফংফম— ফোঙজবীগী য়ুম ১সুং
লাইরিকী দুকানশিং।

লাইরিক নম্বা— সর্বশ্রী সরস্বতি প্রেস ১সুং
পুস্পা প্রেস, ইম্ফাল।

মমল— লুপা ৭.৫০ পৈশা

ৱাহৌদোক

হৌখি চৎখি খঙদনা অস্থুম চৎখি মতম। ঙসি ফোঙগে হয়েং ফোঙগে থম্ন থম্ন ফোঙবা ইঙম ঙমদনা ৱারী মচাগী চবুল মচাসি তাত্নুনা অত্নুম লৈরুরে। মুমিৎ শুরবমাল্লে ঙসিদি মমিৎ পাংলে। মতম কুইরবগী তুংদা অমুক মৈতৈ সাহিত্য ´লৈকোন্দা কচ্চবা ঙমলে লৈচন অসিমা, "লংজিন মাঙথ্রবা কিশি।"

সাহিত্যবু মুংশিবীবা ইচিন ইনাও, মরুপ-মপাংশিংনা অমুক্তং মিংয়েং তাবীগনি।

লাইরিক অসি লাম্লোকচবগা লোয়ননা নীংশিংজনীংবা হায়ববু ৱারী মচাশিং অসিগী মনুংদা "চন্দ্রিকাগী হেয়ার-ড্রু" অমসুং "হোটেলগী কুন্দালৈ" মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী চেফোঙ সাহিত্যদা ফোঙথ্রবনি, অত্নুগা "কবরদগী চৎথ্রবা শয়তান" হায়বসিনা আকাশবানী ইম্ফালদা পাথোকথ্রবনি। ৱারীশিং অসি লাইরিক অসিদা হাপচিন্দুনা ফোঙদোকপদা য়াবীবগীদমক সংস্থানশিং অসিবু থাগচৈ। অত্নুগা মণিপুর সরকারগী শিক্ষা বিভাগনা অতাবা মমলদা চে ফংহনবীবগীদমকসু শিক্ষা বিভাগপু থাগচৈ। অসিদা নত্তনা ঐবু মতেং পাংবীখিবা মরুপ-মপাংশিং অমসুং সর্বশ্রী সরস্বতী প্রেস অমসুং পুষ্পা প্রেস অনীগী নোম্বী চৎপীরিবশিংদসু মথোয়না ইতেং পাংবীখিবা থোদো কয়াগীদমক থাগচরি।

অরোইবদা শোইখিবদগী বানান থরা লানথিবা য়াওথ্রে। মসিগীদমক ঙাকপীগনি।

শ্রীহিজম গুণ

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৬, ১৯৮১ ই।

শ্রীগোবিন্দ দর্শন।

অবোক তোনশীজ নহানদৌনা কোনুং স্নথোঙমক্তদা লায়বক্তা চন্দন-চরা ইরংরং মথুত্তা মথল মথেল কয়াগী লৈ-শুনা থল্লবা তরু তরুবা য়েন্দাই মচা অমা পায়, লেপ্তুনা লৈরমলে। ঐস্নু খোঙ-হৌ থরা থিল্লকপগা শ্রীগোবিন্দগী আরতি কৎপা নংহৌররোই হায়দুনা হোবে হোবে চেল্লকপনি, অদুবু অমুক থামলে ঐবু—

"ইশু লাক্লেদনা, শ্রীগোবিন্দগী কৃপানি!"
"লেঙশিল্লুসিদনা অবোকস্নু, দর্শন তৌরুসি।"
লৈগী য়েন্দাইদু পীরগা হায়রকই,
"নহাক অদুম কৎলুরো কৃপা ফংজৌ লেপ্নমক; অবোক অসিদা ঙাইরমগে।"

হংনীংদুনত্তা লৈরবনি অদুবু শ্রীগোবিন্দগী আরতি কৎলমদাইগী থিংলকপা শরীক খোঞ্জেন্দু তাবদা লৈগী য়েন্দাইদু লোরগা মন্দির তম্না চেন্না চেন্না চঙশিল্লে। মাগুবত্তা থৌগল-পালাশিংনা সংকীর্ত্তন হৌখিগদৌবদু উবদা সেবা থৌগন চঙলিবা বামোন আজ্ঞাশিং অমদা লৈগী য়েন্দাইদু লানশিল্লগা চেনশিনগে তৌবদা আজ্ঞানা গুক্তক তৌনা য়েংথোক্লকই, খুদক্তা নীংশিংহল্লি ঐগী অকাওবদু। লীক্লা কংলকপা থাগী অরামন তলবত্তগী য়াম্না রানা ইবুংঙো মাগীনি হায়দুনা হৌনখঙদবী হয়েংমুক্বী মপোক্বী রাবা হৈত্রবী, ধর্ম্ম খঙদবী ঐগী নুপী, ইচাশিং খঙহন্দনা লোত্তুনা থমজহৌবা, মস্তক তৌবা লুপ্পা চৎপীগী নোট অমা ফিরৈদগী লৌথোকলকপা উবদা আজ্ঞাদু শিং-না হায়ক্লেং শীংই। মনাই ভক্তগী অকাওববু নীংশিংবীবা মাগী মথৌনি, কৃপা কংজরিবনি। মহৌশাদগী শ্রীগোবিন্দজী মন্দিরগী কুমথকম থাক

মথক্তা মনিল চৎপা ভমদবমখৈ রাইখু অনী কাংন চাজুম নমহুনা লো-ল্লিবা উপূ অহুদা ঐহাক পৈশা অমকাও থাদরুদে—শ্রীগোবিন্দগী সনা চরণ্ য়ৌররোইদৌবা শেঙ্গং ওইহন্নীংদহুনা। ঐনা লুপা চৎপী নোট লানশিনবদা আজ্ঞানা ফিগাউ শানা ওকপি, নাম শোন্ন শোন্ন—হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ······

"চরণ্ মক্তদা আজ্ঞা !"

"সনা চরণ্ মক্তদা—আ সিংহাসন মখাদা !"

থৌগল পালাগী ইশৈ হৌগৎগ্রে, ভক্তশিংগী মরক্তা অহুম চেন-শিঞ্জরে। আরতি কৎপগী পুং শেনগা লোইনরবা সংকীর্ত্তনগী ইশৈনা পুমনীল নীল, পুকনীংগী অমম্বা পুন্নমকপ্ন কোকহনবীবা ওল্লবা শরীক খোঞ্জেনগা ইরোইননা অহল-নহা থাক্তনা অহানবদা শ্রীগো-বিন্দ, ইবেম্মা রাশেশ্বরী মথংদা বলরাম কৃষ্ণ অরোইবদা শ্রীজগন্নাথ সুভদ্রা, বলভদ্রগী থৌগল ইশৈ কৎ কত্তুনা থৌগন ফংমিন্নে; ঐ-খোয়গুম্বা ভক্ত মীচমশিং কয়া শেংফাত্রিবনা মাগুবতা, মন্দিরগী শুম্মাংদা অত্নগা মপোক ফরকপী কোন্নুংগী লৈমশিং নিংথৌকোনগী লৈমশীজশিংনা মন্দিরগী মথক্তা। শ্রীগোবিন্দবু নোংমত্তং দর্শন কংজহৌদবদা যুগ কয়া দর্শন ফংহৌদবগুম রাজরবী, হৈ অমত্তং লৈ অমত্তং হঙ্গাম পান্দোং অমত্তং, কোবী মশোই অমত্তংদা ওইরবস্থ শ্রীগোবিন্দগীনি হায়হুনা ময়ুমদগী রারু-হুংজু থোকপমখৈ হুমিৎ খুদিংগী পুহুনা কাজরকপী, ইরুজবদদা অনা লোইরবী, উন খুইরবী ইমা ইবেনশিংনা মথক অহুদা কাখৎচহুনা দর্শন কংজবগী কৃপা লৈত্রি।

মন্দিরগী মখাদগী দর্শন কংজবহুদা ময়েক শেংফাত্তহুনা মখুৎ অনী খন্দুন। দর্শন ফংনবা ঙাকনি, মিৎ কনা করিবা ঐস্নু অহুমঙাই। মিৎ-না কয়া কল্রবাশিংদি দর্শনহু মুংঙাইরমগত্রা খঙদে।

অসোমদা ভক্তশিং কাংবু অমনা লাই কোয়রি অমরোমদা নেপা-লী দেশরালী বাঙ্গালীশিং অতোপ অতোপ্পা ভক্তশিং কয়া অমস্নু

দর্শনগী লাক্নরি। কনানা হুংশিং-হুংশা চঙভ্রবা উপুদা পৈশা থাদৈ, থন্না আজ্ঞাশিংনা পুথোক্লকপা শেংলবা কোরীগী পুথমদা কৎশিন্নবসু কোঙ্গায়নি। নির্ম্মাল্য লৈপরেং বাল্যভোগনচিংবা পীথোক পীশিনগী ইরাংদা দক্ষিনা মনতিক্লবসু য়াওরি — হা গোবিন্দ! পংতক তৌবা ননাইশিংদি নহাক্কী সনা চরণ্ ইয়ৌ য়ৌদ্রিবা নির্ম্মাল্য ফংজবসু ময়াওরি। দক্ষিনাগী দরদা বাল্যভোগ, নির্ম্মাল্য, মতম্ননি কম্নিগী চাক্তাং ফিদাংহল্লি!

লাই কোয়বা লোইরক্লহ্না শ্রীগোবিন্দগী দর্শন তৌগে হায়হ্না মন্দিরগী শুম্মাং ময়াই, কুমথফম থাক তান্ন চঙখিবদা মাগা চহী লেঙ্গা ওইবী ইমা ইবেনশিংনা খুরু খুদক লৈতানা শ্রীগোবিন্দবু দর্শন তৌবহু উবদা! অবোক তোনশীজগীদমক হুংঙাইরক্তে। চহী চা কয়া অহিং হুংখিল হুমিদাং খাক্তনা ইবেম্মা রাশেশ্বরীনা নাক্তা খোগন তৌ, মোমোন নোকপা মিনোক্তা সনা খুত্তা বাঁশি পায মথেক অহুম থেকপা পুক্নীং হুরবা ফিরেপতা ভক্ত লিশিং লক্ষা কয়াদা দর্শন পীনবীবা মহাক্না অহল ওইরবী মচামগু লৈজরবসু লূপ্রা ওইরবী অবোক তোনশীজবুদি কম্নিগী দর্শন ফংহনবীদ্রি — ঐহাক ন্নারৌরকই।

মন্দিরগী মথকমক্তদগী তরাম তরাম কৌবীরকই —

হৈমা ইবুংঙো লাই খুরুম্বা লাকইবোইরে — অসোমদা লৈবে বাল্যভোগ!

লৈশিল্লপ তৌববী অমনা বাল্যভোগতু লাম্থোরকই; শক্তি খঙদে অহুবু খঙদা খঙবা শারহ্না "অহোই" হায়না খুম্মী। নীংশিংলকই "লৌরী চৎপী ফিঙাং শেৎপী তাঁদগী মতু ইনম্ম!" শ্রীগোবিন্দগী কৃপা ঙাকনি। অমূকসু লাম্থোকলকই ঐগী পৈশা কৎশিনহনখিবা বামোন্না নির্ম্মাল্য, বাল্যভোগ। অঙাংশিং থন্না মমিৎ মনা ইক্ত তুথনা মথুৎ তিংথোকচৈ আজ্ঞাদা, হন্না য়েংলমম্বে উদশিন্ন শানা

লেঙশিনখি, ঐনস্থ উশিন্নদে। অমরোমদা দেশরালী নেপালীশিংগী নুপী অঙাংশিংদা লৈ-পরেং পীনবগী আজ্ঞাশিংনা লাংলি।

স্নথোঙ হোজংদা।

অবোক তোনশীজদা —

"অবোক ঙাইরমলিবোইরে, য়েন্দাইসিদস্থ ফংজগ্রগে হায়বা! বাল্যভোগ নির্ম্মাল্য অসিদা লৈরে।"

"মঙ্গল ওইয়ু ইবুংঙো।"

"চৎমিন্নরসি অবোক!"

ঐখোয় অনীমক লাকমিন্নরে। ঐনা হংই —

"অবোক ঐ রামা হঙ্গে?"

"হঙঙু, কৈদোবগে?"

"করিগীনো অবোকনা অসি য়োরক্লবাফাউ শ্রীগোবিন্দগী দর্শন তৌদ্রিবো?"

থাজরমদবা রা ওইরব্রা করিনো ঙক্তক তৌই; পাক খুম্লক্তে; ঙাইহাক লৈরগা —

"মিৎ-না অস্থপ কৎত্রবসিদা দর্শন কয়া হুংঙাইতেদা ইশু-শা!"

অমুক তুমিন লৈখি।

"মন্দির মথক্তা কোক হেক কাখৎলগা!"

"তৌহৈদে, তৌহৈদে,—

ঐগুম্বী পাপচেনবী অমনবু কদাইদগী মন্দির মথক য়োবা য়াগদগেনে অঙাওবা? ঐদস্থ নত্তে ময়ামদো!"

"অত্থ ওইরবস্থ অবোক্তগী হেন্না অহল ওইরবী কয়া দর্শন কংনৈদা! অবোক্তি মিৎস্থ য়ামনা করিবদায়নে?"

তুমিন লৈগ্রে; ফনা শাংনা চৎলগা মাগী য়েন্দাই অত্থদগী অচৌবা ফিনা য়োমশিল্লবা নিংখিনা মিংশেন চল্লবা অয়েকপা লাই অম্রা ঐঙোন্দা পীরকই;

"উরব্রা, শ্রীগোবিন্দ অহুগা ইবেম্মা রাশেশ্বরীগী অশেংবা তসবীর! ফনা কূইরে মেরাগী পূর্ণিমা হুমিং অমদা নংগী নপুবোক লৈরিঙৈদা নমথিবনি। নহাকনা ঐবু শ্রীগোবিন্দগী দর্শন ফংদে হায়রিবহ লাল্লরিগনি। মহাক্তি ঐগুম্বী মপু পান্দ্রবীশিংগী থরাইগী লম্লি; ঐঙোন্দগী হেনবা লাইবকফবশিংনা মন্দির মহুংদা সিংহাসন মথক্তা ঙাম্বোইহুনা লৈবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনীবু দর্শন ফংজরবসু ঐদি মিকুপ পুংজা থুদিংগী চেগীমুর্ত্তি অসি দর্শন ফংলিবনিনে।"

হায়রগা অবোক তোনশীজ হিক হিক কপলকই। খঙনীং-মনথ্রহুনা,

"অহুদি য়ুমদা ফমহুনা দর্শন অহুম তৌবা য়াত্রা, ইংথ্রবশিনা হোবে লাক্ত্রবসু?"

মহাক হন্দক্তি নোকলকলে —

"চুম্মি মহুম তৌবনবু হেন্না রাইশংবা পোৎনি। অহুবু মাগী শরীক কাংসিগী মথোন্না ঐগী থম্মোয়গী ঈখোলাংবা অসি হেনহল্লি। ঐহাক ইশৈ পামই নহাকসু খঙডিদনা?"

"অহুনবু চঙহুনা থোগন য়াওবা য়াত্রা হায়রিবনি।"

অবোক তোনশীজ ইশিশিনা নোকলক্লে,

"ঐবু কনানদি থিংগনি? নহাক্তি অঙাংনিনা খঙলোই। মঙ্গল ওইয়ু ইশুশা মতম শাংনা শ্রীগোবিন্দ ইবেম্মা রাশেশ্বরীবু দর্শন ফংবা ওইয়ু। চহী য়াম্লকলেদো ইবেনহোয়দি, খল্লুবদা পাম্মুরকই হৌখিবা পুনসিবু; নীংঙম্লক্তে হৌজিক্তো লঙজখিবা ইরানগীদমক। চোংঙা-তেনরাগুম শকখি ইশৈ। অশুবা ফি শেংলগা, মায়দা চন্দন খরা তৈরগা শেংলবনি খল্লম্মী। হোয় মনাই ভক্তশিংনা লাল্লিবমখৈ ঙাকপীবা হৈবা শ্রীগোবিন্দনা ঙাকপীবা ওইসহু। ইশৈ শকপা ঙাকনা মাগী নাম শোনবা নত্তে, পি তাবা ঙাক্সা ভক্ত নত্তে। পুকনীং হকচাং ফাওনা অর্থ খঙনা ঙসি ফাওবা মাবু কৌজবা কৌঙমত্রি — মসি ঙমদবা ঐগীদি স্ব-থোঙদা হুরানবগুম কোইরু, কৌইরু য়েং-

ছুনা ইবুংঙো মাবু ইনীং তন্না কৌজবা, ঊনীংদবা থোদো উজদনা তানীংদবা চিরোন তাদনা, অমোৎপী ঐনা অরুবা,শারুদনা ইথন্তা লৈজবসিনা কত্তবরনে !”

অবোক তোনশীজ অমুক মথা তারমদনা মমিৎ অনীমক ঈরা চেল্লহুনা ঐঙোন্দগী পরপ পরপ হেঙ্গত্তুনা চৎখ্রি। শ্রীগোবিন্দবু ঙমখৈ লৈতনা থাজ-জবী মানা দর্শনগীদমক মিহোৌদবা, মিহৌব্রবরা হায়রবস্নু অঙকপা ফংনা পামজবা, মন্দির রাই তৈত্তুনা সংকীর্ত্তন য়াওহুনা চহী কয়া লেল্লক্রবী মহাক্না হায়রিবত্থু করিনো ঐহাক লোকম খঙদে। খঙদবা লোনগী ইশৈনা থোগন তৌবা অসিদা রস খঙদে ৱারৌব্রা, নম্রগা মীনা হেক উবদা মমল য়াওদনা উরবা মাগী লৈশিং অসি কৎপনদি শ্রীগোবিন্দনা লৎনগনি নীংবনরা নম্রগা মন্দির মথক্তা কাহুনা হকথেংননা দর্শন ফংবা য়াদবগীরা, সেবা চঙলিবনিংবু পেন্দবরা ঐহাক খনকম থোক্তে। অত্থুগা তশেংনমক থম্মোয় শোকপা রাকম অমদি লৈরবমাল্লে খন্দবা ঙমদে। খঙলবদি মত্থু কোক্লবা ঐন্দু মাগী মভেং পাংজনীংবনি।



(২)

হোটেলগী কুন্দালৈ।

"হাই শকথীবী, কামুরেং, নোং হেক ভানবদগী ঈশিং বালটিন অমতা শোকউচো চংখিবহু হৌজিক লাক্লিবসিরা? নথিবোং চাবক্পা থৌনা কবদোনা নোম্বদম্নু করবদি ফগদোনি। হয়েংদা ভাইরে নমা মোলহাইনবীহুনা ইচাগী তলব পীরো থৌরদোবা। শেলদি পৈশা অভাংবী অমত্তুংকা ন্নাংকে য়ারোইদোনি।"

থৌরানী মায়মুনা অয়ুক ভস্তাহুদা শীংলি নাওরী হেক থোক-পমথৈ লাউরকই থোংভজিনপান অহুদা লেপ্তুনা,মমাংদা লেপ্লিবী, হুপীমচা কুন্দালৈদা। হুপীমচা কুন্দালৈ চৈরিবহুগী অর্থ খঙলমগত্রা খঙলমলোইত্রা খঙদে। চাউদম থীবননি খঙদে চহী য়ামত্রিবননি খঙদে হুপীমচাহু পংচাউ চাউনা উদে; মশা মউম্নু কনগদোবা মতৌ মান্দে, মশা পায়, তচেপ তচেপ্পী। মথুং অনী চঙহুনা পুরক্লিবা ঈশিং চোল্লবা বালটিন অহুনা ভল্লপ্‌ তৌনা উই। অহুবু মথৌনাদি কাবক লৈনা উই। য়েপ্পা থুংবোই থুংদবোই মশমহু লুতুংদা ফদি মচেং অমনা পুল্লপ পুনশিল্লি, মতিক মপা চাদনা চাউরবা লুম্লবা বালটিনহু মখা চীক্তুনা পুরকই।

হোটেল কাখংকম থাক্তা ভাইহাক লেপ্লুবদা থৌরানী মায়মুনা চৈরকপনি, মম্নিং অনীমক ঈ হেক কাবমখৈ শাওনা। মহাক উতিং-বগুম চপ প্তুনা লৈরে, মমায়মায়থোং থাঙ্গংলক্তে; মাগী থৌরানীগী ভৈরবীগী মূর্ত্তিহু উগনি কিবদগী ওইরমাল্লে। মনাক অহুরাইদা অয়ুক্কী চা কপ অমত্তং য়োংহৌত্রবদি নোংমতুগী শ্রিন পাঙলোই খন্দুনা লাকপা তোমাল বাবুনা অরাম থৌন্নাংনা ভাম্নরম্নবা অচোবা

লৌনগী মাংদা চোংকম থঙদনা তনিক তনিক থাঙবা হঙোই মচাহ্নু উবদা মুঙাইরুদ্রমাপ্লে অম্মুম্না হায়রকই "কদায় কদায় থুরা থাঙ্গৎপীগে, নংগী থৌরানীসি মরীন য়াম্না থাবনি। নংদি হায়রুহ্নু অজ্ঞাহোয় কাওবা আ-কাচিন্দা বোরা হৌনরিবসিনি।"

থৌরানী মায়মু কুচুদবু কয়া পান্দে, শমদোন ঙাংই, মতু খরা চোম্মী হায়বদনি গোড়ীয়াগী জাত্তি মানা হৌদোকচবগুম ওম্বোক্লা চেকশিন্না ঙাকচরিবনি। ঈরুজবা কারকপদা ঈশিং চাই চাইহ্নুনা কারিবা জাৎনি। অয়ুক্কী 'শিঙ্গার' নংনবা ঈরুজবমক্তদা কুচু লৈশিন-থ্রিবনি। থায়না মমাংঙৈ ওইরবদি আ মহুংলোমগী অশেংবা বামোন থৌরানীনি হায়হ্নুনা য়াম্না শেংনা লোইনগদৌবা জাৎনি।

"তাদা কৈনো অশেংবনিনে ঈশিংদো! শম-শাকা তৌবীনু। ঈরুজরগা শোকহঞ্জরিবনি। মী থাইগী হোটেলগা ঐথোয়গী সিগা মান্নবোই নীংবীনু!"

হায়রল্লগা থৌরানী দারীদগী কন হেক চোংথরকই। মানা চোংথরকপদা কোপ হাহ্নুনা শাবা হোটেল শঙহ্নু থা-রাং ফেৎ ফেৎ হাইহৌই। অচৌবা মপাম্বোমহ্নুনা চাউই হায়বা বালটিন্দু তাপ পায়হ্নুনা লাকথৎখিবহ্নু মশা নানবী ইবেম্মশিংনা হেগু বেগকা য়ানবহ্নু মঙাই। তোমাল বাবু কনা মুংঙাইবা কুম্মে অমা য়েংবগুম য়েং-হৌই। মুপীমচাহ্নুম্নু মাগী থৌরানীগী তুংদা তবি তবি কাখৎচৈ তোমাল বাবুম্নু হোটেল মহুং য়োথ্রে, শোনতক তৌরবা চৌকী অমদা কমথখ্রে।

হোটেলগী চাকথুমদা বোরা হৌবগী, ঙৌবগী, থোং-থাকপগী জি-জো তৌবা মরক অহ্নুদা থৌরানী মায়মুনা লাংইবহ্নু মতা অমনি, মুপীমচা কুন্দালৈ কাং থরো ওনবগুম উন্না উন্না লৈরি পাউথোন চৎপদা। মপান অসোমদম্নু শেংদোক্তবা য়াদে। বাবুশিং ময়াম্না চা থকপা, বোরা চাবা হেক লোইরকপদা মুখাক চাখাক

ময়ামতু শেংদোকদবগী চেম্মোরকই কুন্দালৈ। চৈরক অসিদা লাউরকই থৌরানীনা,

"হাই শকথিবী নংবুনহাই য়েনখাদগী শীংতু পুরকউনে। গাড়ী থারমদাইগী ইন্নত্রিভৈংসিদা চাকসি লোইথোকহোগেনে।"

কুন্দালৈ কপ প্লেটশিংতু টেবল অমদা পুল্লপ্ থনম্লগা য়েনখারোমদা তনচেন চেনখ্রি। চিভৈনা বাবুশিং থরা লেঙশিল্লক্লে।

"থৌরানীহোন্নগীসিবু অঙাংকা অমত্তা লৈজদ্রবরা নুথাকঙাক্তা ঙাইরিসিবো ?"

"হো ইবুংঙো অঙাংনেদনা চাবতমক থৌনা ফবা থবক্তনা লিরি খোইরিবা অমা ঐখোয়গী আজ্ঞাহোয়সিনা হোয়া ফবদগী যজমানগী মচা অমা থম্মিয়ে। অহাংবা অদোমদা লেঙশিল্লো !" শীং অখায়বা অমা অনী পুত্না ঙম্মোই ঙমদ্দবোই চেনশিল্লকই কুন্দালৈ। মাগী থৌরানীনা মথয়াৎ শেগায়বমখৈ কোৈরকপগা তান চান্নরুরে। কিবোই খংবোই লময়াইতুদা তুশিল্লে, কপপ্লেট পৈল্লিবা টেবল অদোমদা থোকউত্নুনা ঙন্নমক লৈমায়থক্তা ঙম্বরে — অকাই অতোই য়াওরে।

থৌরানী মায়মুনা পাইথোরকপা নোংথাং কুপ্পগা চপ মান্নে। "শিররনিহাই শকথীবী, মখোঙ থাংবদা থুবৈ অম্মপ চুমদবসিবু করিনোনে। কপপ্লেট মখৈ ঙম্না থুগায়রেদনা সিদে !"

মাবু তুরূত্রা হায়বত্নমক য়াই কুন্দালৈনা হৌগৎখিবা। তনহৌ হৌগৎলক্লগা শীং অখায়বশিংতু চাকথুমদা থম্মুরগা তম্মোক থোক্লক্তুনা কপপ্লেট অকায় অতোইশিংতু খুঙ্গৎলৈ। থৌরানীগী আজ্ঞা শানোইদু লেঙথোরকই, "মায়মু নংননে চৈবগা থাংবগদা অঙাং অসি পুমঙাও হেক ঙ'ওরে। পোৎ পুন্নমক লোইবা তারেনে পেম্মা, থরা হল্লোনে নংবো।"

"করিগী লোইজরূনি, লাকখিসনু মমা পেদংনবীনু। নচানা খুগায়বনি মমল ককহৌবা তারে হায়রগা হেক লোইরে আজ্ঞানা নঙ্গনেসিবো ?"

"হয়ে হয়ে ঐঙোন্দনুম তারকদৌরিনা নংগী রাসিদি।"

"তাবা নত্তেনে, খরা ঙন্না থোং-থাকসি, নংবোই নংদবোই হোংনবসি মেন তাদে, য়াহৌ খিত্তং ঙনসি হায়জবদো হুমিদাং অরা পোথারিবনি হায়নুনা চে হেক পায়খিবদগী মী লাক্তুনা থোঙ খিদ্রিমখৈ হৌদবা নঙ্গা ঐথোয়গী হোটেলসিবু!"

ময়াঙদা পায়রক্লমাল্লে মখা তারমদ্রে আজ্ঞানু।

চৈন-চৈন লাউন লাউননা অয়ুক চাকচামাং লেনখ্রে। খরা মী লল্লকপা তাঞ্জা অসিদা ফান অশাংবা অমদা কুন্দালৈ তুমিন ফম্নব-দগী উইরুম উইরুম তৌরুই, কান্দগী ওম্বরমগদোই। মায়মুম্ব ঊরমাল্লে চৈরকই "নয়া তেক্লগেরা শক্তা-থী। নথিবোংনু চাথোক্লরোনে মী খরা লল্লিঙৈসিদা!"

ইফিং কিংনা হৌগংলক্লে কুন্দালৈ। চার্কখুম-কারোমদা উইদা শানা চঙশিনখ্রে। মাগীনি হায়নুনা লাম্বোক্লিবা চাক-এন্সাং-বোরা-কাংঙো হাপ্পা সিলভরগী পুখমনু মমাংদা চিংশিল্লগা চাক চাগদবগী কমথখ্রে। চাক চখোম অমা হেক থাঙ্গংলকপদা মঙাইরি কদোম-দগীনো হাই।জল্লক্লে; হংলকই — "থৌরানী চানবা করি করি লৈবগে ?"

"হয়ে হেক লে, করি তৌরকউগে ইবুংঙো ?"

"টেবল অসি অমুক্তা দি শেংদোকহনবীয়ুদনা!" অমনা হায়-রুকই। রানু ভাবদ্রা কুন্দালৈ চখোমদি থাদদে, কমকমদগী হৌগংলে। থৌরানীনা লাউরুকই, "নথিবোংনু নিংথিনা নবুক থন্নবা চাখো-মহাই অঙাওবী! নংনা লেখনু কনানা চাবীনি, মাঙহল্লগেরা ?" মপাল্লোমদা খুম্মুই, "অঙাং চাক চারি ইবুংঙো, অহাংবা অদোমদা লেঙশিল্লু, হৌজিক্তা তৈথোকচরম্বনি মানা, বোরা পুথোরক্লগে।"

কুন্দালে কমথগ্রে। মশানা চাবা থকপা তপচৈ। মপান্দা [illegible] বোরা চারম্বশিং চৎনগ্রবাকাও মাদি চাবা লোইদ্রি। [illegible]াকশিনবনে, চাক্লগা য়াম্না চাশিনবনে পোকথায়দো- [illegible]ৗলৈ। চিঙৈনা মাই থোৱানীনা অমুক ওনশিল্লকই, "ও[illegible]রনৈ নংবো. করি হাপ্নীরকখো হায়বগে?"

"ওকএ ইমা থোৱানী।"

"ইহে উকাবী অমা লৌবসিস্থ হাপহৌদ্রে লাংবদা, সে অসিস্থ চাথোকখো।" চাকলুক পান্দা থাদরকই থোৱানীনা।

হুমিদাংরাই য়াচংলকপদা অমুক শগোন কাংজৈ চাবগুম নোমজৈ হুপীমচা কুন্দালৈ থোৱানীগী খুৎলম চানবা। হুমিদাং পুং তরেৎ হেক তাবগা হোটেলগী থোঙ থিংই. কোল্লীক ফেং চান্নবগী, হয়েংগী অমুক শেম শানবগী। কাংলম হারম চাদবাশিংনা অতাওবা, কংঙৌ য়াম্না হংলৈ হোটেলসিদগী, মখোয়না পান্থা থুম-মোরোক্কা চুনৈ হায়তুনা অতুবু পুং ৭ কী মতুংদদি থক কংদে। হুমিদাং থোৱানীখোয়দা হল্লক্লগা ফমুং হেক য়ৌখিবগা কুন্দালৈ তুমথবনা হাল্লি। খোন্দা থীবা অতুমুক অঙাং অতুগীস্থ চেকশিল্লি মায়মুনা, নোংমতা মানা তুম্নমদাইদা কুন্দালৈগী ফমুংদা চঙলক্তুনা য়েংলমদবা য়াওদে।

নোংমা নিনি লৈরগা পোইলা তারিক শুরকপদা কুন্দালৈগী মমা থরো. য়োরক্লে। মচানুপীনা কপ-প্লেট ফেংলম্না থেংনৈ অতুবু কোৗরমদে চাথুম-কারোমদা পরপ পরপ চঙশিনখি। কুন্দালৈনা মমা লাকপা উবদা হরাউ হরাউ য়াতোন ইরং লংনা নোক্লতুনা কোৗপে তৌরম্বা মমানা উশিন্নরমদনা চঙখিবা উবদা হুংশুক হুংজাননা লৈহৌই। মখুৎ মশা হামদোক্লগা মাস্থ চঙশিল্লকই অতুবু থোঙজিন কানশিনবা ঙমদ্রে, মহাক্না নহান কায়হনখিবা কপপ্লেট শিংতু থোঙ- জিনপান অহুদা পুল্লপ পৈরিবতু উক্লবদা—

থোৱানীনা উরাউ থরাউ কৌরকই, "কুন্দালৈ. শক্তাথী. লাউনে অসিদা" খাই লাউই কুন্দালৈ অতবু চঙদবদি য়াদ্রে, চঙলক্লে।

"নমা লাকইবসি নমিত্তু উত্রা নংবো? নহানগীত্থু পুরকউনে।"

কুন্দালৈ তঙক তঙক য়েংহুনা লৈরে নহানগীত্থু [illegible]পদা। চঙক্লরিবগৈ অসিদা মায়মুনা থংলাউ লাউরকই, '[illegible] অসিদে, নহান নংগী তাচৌগীনি হায়ত্থুনা ঐখোয় অনীনা [illegible]পা মেজা ফুরিংত্থুবু হায়বনি। কাওরত্রা নংবো মীথীবোং?"

খোইরুম নোকচৈ কুন্দালৈ; পরপ পরপ চেনখিত্থুনা খৌরানী-হোয়দগী লৌজরুরে মোজাফুরিং অহনবত্থু।

মমানা হায়রকই, "নং পাজিন্সু মশা খরা করে, নংবু উন্নীংই হায়হৌই।"

"চৎনীংব্রনে কুন্দালৈ?" খৌরানীনা হংলকই।

পাউখুম পীবগী মহুত্তা কুন্দালৈনা অমুক হংলকই, "ঐখোয় তাচৌবু কদৌগৈ লাকনি হায়বগে?"

"পাউ অমত্তা তাত্রিদা।"

ইঙক ঙক্ল য়েংখোরকই মায়মুনা, হংলকই,

"কদায় চৎখিবগেনে মাবু?"

থরো খুমদবা য়াদ্রে।

"ননাই ঐস্মু অত্থুক মুন্না খঙদেদা আজ্ঞা খৌরানী। মাগী মাম্মগী মতুং ইন্দুনা চৎখিবনি, আসামদনি হায়ত্রা কৈনো। পাপ ওইরবনি ঐনা তৌরিসে।"

"এ, অঙাং মানা আসামদা?"

থরো মমায় পুবা ঙল্লক্লে, মমিৎ অনীমক পিনা থুমহৎলে। পিক্লিবী কুন্দালৈস্মু মমিৎতা মপি ঈরা চেল্লে। মমানা পাক খুল্লক্তবা উবদা হিক হিক তৌনা হায়রকই, "চেক শাবনি হায়রম্মী ইমা খৌরানী।"

মায়মুদো মমিৎ মনা চপ য়ুংপ্রে, কুন্দালৈদা চাগদৌগুম অমুক য়েং মমাঙ্গা অমুক য়েং অত্থুক লাউগল্লবী মানা রা মচেৎ অমত্তা ঙাংখিজে।

"খণ্ডদ্রেদা আজ্ঞা থৌরানী ঐগী ইনাক্তা ঙাইহাক্তা লৈমু য়াদে মচিন মৌপ্না অনীমক। মখোয়বু লুনা তৌদবস্মু নঙ্গে মপা অসিনা, মখোয়গী খনবদা খোকউবনি ননাই ঐস্নু। করিন্নুংগীনো ঐনা তৌরুরিবসি খণ্ডদ্রে।"

কুন্দালৈনা অমুক হায়রকই, "ঐখোয় তাচৌনা হায়রম্মী, মহাক লাক্লগা ইম্খোল অমা লৈগনি অত্তুগা য়ুম শাগনি, তাচৌপা ঐগদা লৈগনি, "ইমাগা মাগা অত্তুম লৈজহৌনি হায়।"

"মা হায়বদি কনানিনা?"

"ঐখোয় ইমাগী নুপাদো।"

থরোত্নু মমায় হাইগৎলকখিদ্রে। কুন্দালৈনা থৌরানী মায়মু-রোমদা ওনশিল্লগা অমুক হায়রকই, ইমা থৌরানী ঐখোয় তাচৌ লাক্তিব্রকাও ঐ নখোয়গী হোটেলসিদা থবক তৌখিগে।"

থৌরানী মায়মু কুন্দালৈবু য়েংলগা মমিৎ অনীমক মপি তরং তরং চেল্লি হিংচায়াইতম্বী, হাৎ তুপকদোগুম উবী, চৈগন্ থাঙ্গল্লবী মায়মু রা অমত্তা মচিন্দগী থোকলকউ মাখিদ্রে। মমাংদা লেপ্লিবী শকথোবী কুন্দালৈবু মথান্নুংদা চেজেৎ কোনশিনবীরে; মনাক্তা কল্লিবী থরোদা তপ্না হায়রকই,

"থরো, কুন্দালৈসি ঐগীসিদা খরা লৈজখিসত্নু মাগী তলবতু পুখ্রো নং আজ্ঞাদগী।"

মাগী অচৌবা মপাম্বোমত্নুনা কোল্লগা কুন্দালৈবু পুত্নুনা মপা-ম্লোমদা থোকখ্রে, থরো রা অমত্তা য়াল্লকখিদ্রে, লোন থোক্তবা মীগুম নু-রুক্লনা অত্তুম লৈহৌরে।

(৩)

অচুম্বা থিবা।

লমপাক মচাহ্ মীনা ক্রক ক্রক ইন্নে, লমপাক অহ্নদগী হেন্দো-ক্তুনা মাঙ্গোল, থোঙজিন-পাল ঙম্নমক পাখংমচা লৈশাবীনা পিক খল্লি।

নিংথম থাগী লৈচিন-নোংকাই থাংবা হুমিংনি, লেংলি-পাল্লিবা পুম্নমক মশক-মচু ইথোক-থোক্তে, পুম্নমক ফুরাউননা উরি। কুইনা পুনসিরক্লবা তোইনা মশা থাবীমনবদগী য়েন্নীং হুনবা ঙমদ্রবা কবুলিরা পাম্বী অমগী মথোঙদা তুকক তুফাই চন্না পাখং অমা কল্লি, মাগী মনাক্তগী খরা চথোক্লগা পাখং খরগা লৈশাবী খরগা হরাও তয়ান্না নোকমিন্নরহ্না তাইবংপানসি মথোয়দা ঙাইবদোনা ন্নারী শুরি। মফম ইখঙ খঙহোদনা শিংলকপা হুংশিংনা উফুল-রাইফুল হুমজিল্লক্তুনা মমায় মমিং পুম্বী উফুলমক্তা ঙাইহল্লি। কেবদগী কেরবা, মোংপদগী মোংলবা, পুমনমক শুনা তিল্লবনি। চিঙৈনা চপ্রাসী অমা কাগী মহুংদগী মপাল্লোমদা থোক্লদবগী থোঙ-জিন্দগী মথোঙ নাম্মতা কাম্থোক্লক্লি, লেপ্লম্বা মন্নামহ্না ওমশিল্লকপদা লিংথোরকপা ঙমদ্রে। মহাকম্ মমায় হেক ঙাংবমথৈ শোর চনীং চমাং শম্নদবমথৈ ময়ামহগা ইন্নরম্নগা উচিন নাচিন্ন থোক্লক্তুনা মপাল্দি ময়োরক্লে। মনাক্তা থেংলিবা নোটিশ বোর্ড অহ্নদা মহাক্লা পায়-রকপা চেহ্ থেংকদবগী মখুং থিন্দোরকই, থেক্সিবা চেহ্নদা য়েংগদ বগী ইন্নরকপদা মাঙ্গোল দারীদা তরক তরক লেপ্লম্বা ময়াম অহ্নদগী শরুক ফুন হেন্না থোমজিল্লকই।

লৈচিন্না কুপশিল্লবা মশেক মঙাল মাঙুপ্রবা হুমিৎনি ; আফিসকী মাংমক্তদা লৈরিবা লৈকোলমচাহ লৈক্রোনচগী নীংশিংনকম ওইবা মঙাই লৈপাল লৈশক অমত্তা খঙদনা-ইরাউ রাউনা উরি।

চপ্রাসীহ মশক উখিদ্রে ময়ামহনা ওমশিল্লকপদা। মখোয় মশেল ইন্নবদা কনানো হায়বা অমত্তা খঙনখিদ্রে। মফি মরোল শেগায়বা মশা মউ খোগায়বা ফনা য়ান্না য়াওনরে। নোটিশ বোর্ড মনাক অহদা ইন্নরিবহ তমহনা লম্পাক মচাহদা চোন্না পৈরম্বা মীপুম খুদিং দারী মথক অদোমদা ফুজিন্নরকই। মকমহ য়োরকপা ঙমদনা তুংগী কাংবু অহগী মরক্তদগী লৈবাকমচা তাবা শাবশিংনা অমুক্তা হল্লোকনরকখো, চেহ অমুক্তা থেৎহনখিসি হায়না লাউরকপম্ব য়াওই। অহবু অহক লাউজবা হায়বহনি।

চপ্রাসীহ কদোমগীনো খঙদে নাম্বোকখিহনা দারী মথক্তগী চোং থরক্লগা চৎপ্লে। মহাক্লা অসাই পায়খিবা চেরা বরিনো অমম্ব খুহম চেংনা পয়রি। নাকোইননা চৎখিহনা মীয়াম মরক্তগী অহম মাঙখ্রে।

মথকী ময়ামহ রা রা কায়নরক্লে, মথক্তগী কুমথরকপাশিংদা হংনৈ, মখাদা লেপ্লম্বশিংনা কাখৎনৈ, অমতম্ব অসিনি অহনি হায়বা খঙনদে। মখাদগী ময়ামহ হেন্না হেন্না ইন্নরক্লি। হুপীমচা লৈশাবী মপোপ মতাং ফবী অমদি মানা ইল্লিবা কিহ কনাননো খঙদে পুমচিং চিংথোকপিগ্রে। ফি খজিক্তনা ওক্লবা তুবা মশা তঙ্খায় অমা থাদোক্লবা ফুরিৎ মচা অহনদি ইকাই-থাংবা ঙমদ্রহনা মখুৎ অনীহনা হৈমা হৈমা হায়হনা মশাগী উহম্নীংদবা কিভমহ লোৎপা লাক্লরি। মাত মঙাইরে মচু পান্ন উরিবা, পুন্নমক ফুরাউনরবা মরকসিদা।

ইনশিন্নরকপা মীয়ামহনা অরংবা অপানবা অদোমদা তমশিন্নরকপম্ব ময়াওরি। ময়ামহদগী খৈদোক্লবা হোৎনবদা হুপীমচাহ মথোং মরম খঙদ্রে। চানবীবা, হুপীবু সম্মান তৌবা থরনা লৈশাবীহ

অমুক্তা থোকহনখিসি হায়না লম্বী ফাংনবগী লাউরকই। মখোয়-গুম্বা মী য়ামদে, গনতন্ত্রগী মতমদা মীচং য়ামদবগী মীচংদা কনাম্মু য়াওনীংদে। লমপাক মচাহুদা তিল্লরিবা সমাজ অহুগী সমাজবাদতি ইন্নরিবা, ইন্নহুনা লৈরগদবা মরক অসিদা থুনীংনা থিন্দুনা, মখোঙনা নেংথেত্তুনা মশাদং লীৎশিনহোরগা লোইরে হায়বা কাংবুনা মীচং হেল্লি। নুপীমচাহুম্মু অমনি। কদোমদগী কমদোনা য়োৌখি খঙদনা মহাকম্মু মাগুম্বী ইন্নবদা য়াওরিবী মফি মরোল শেগায়রবী থরগা দারী মথক য়োৌথ্রে।

লৈচিন ভাকখিগ্রি, ভাকনি হায়বা থাজদ্রে।

আক্বিস মহুংদদি? মীকোক অহুম্নি চাউরবা কেরবা টেবলগী মায়কৈ অহুমদগী মায়োক্নহুনা ফম্মরিবা। মমাং মমাংদা লৈরিবা চেশিংহু ফাকপগা পাবগা, থুপচিনবগা হাইদোকপগা, অমত্তা পোথা-নদে। ফুরিৎ-খাউদগী চেজেৎ পুথোক্তুনা কল য়েংবম্মু য়াওরি। মখোয়-গীম্মু পরীক্ষা মচা অমা তৌগদোরিমাল্লে। অম্মুপ চিল্লিঙৈসিদা কদোমদগীনো টেলিফোনম্মু খিংলকই, অমনা পারখৎলি, অমদা পীশিল্লি, রা অমা অনী ঙাংনৈ, অমুক থমই। থমকাগ্রিঙৈদা অমুক খিংলকই অমুক পায়খৎলি রা অমা অনী। চে ফাকই টেলিফোন ওকই, চে লোইশিল্লি, অমুক টেলিফোন ওকই—

মখোয় অহুম অমুক ওনশিন্নহুনা মমাং মমাংদা লৈবা চেশিংহু য়েংলগা মহৈ মহৈ চিন কাংজৈ হৌনরকই, অমুকম্মু চিবোন চিবোন। মপান্দা ইন্নবা লাউনবগী মীনিল অহুনা মখোয়না ঙাংনরিবহু করিনো লৌশিনবা ঙমদ্রে। থংনবা কাদা থোঙজিন মরুমদা মখোয় অনী অহুমথক ফকলাং অহুদা থেৎপা লাইদোনা চেক-মোক লাউদনা নপশিন্দুনা লেপলি। নিংথম-থা অসিদা মখোয়দি হুম্মাংনা মমায় মমিৎ পূমচোৎ চোংলে।

অমনা হায় — লোইগ্রে-শোইরে।

অমনা খুমই — মতীকম্ম নত্তবদা য়েংচবা শাই

অমনা তেংথাই — হা গোবিন্দ ননাইবুদনি!

মন্নুং অহুদগী খিংলকই-কুং কুং। য়োংনা শোকপা হঙোইদৌনা নূরালী চপ্রাসীনা মরেং হিকথরবা থাকী কোট অমা [illegible] চরাম চদংননা লেপ্পি। মহাক্না উরিবদি সাহেবশিংগী টেবলদা খিল্লিবা মনীল কারিবা চানা চোল্লবা ফজ ফজরবা কপশিং অহুনি। উরুবদা মখজাই হরাওই, সাহেবনা হায়বা রা [illegible] শেন্দানৈ—

য়ু-ইডিওট !

হাজুর !

ননসেন্স ! তোম্বদি ?

মফুরিং শেগায়হুনা কাচিন্দা কপহৌই।

কৌরকউ, লাঙ হায়য়ু, থিল্লে !

থোঙজাউরোমদা দোং দাং ! খংপ্রেক খংনৈ রা রা লাউন রকই।

দোং দাং !

মৈতৈ মচাসি মী উশিন্তেদা !

অম্মুক য়াম্না ডিসিপ্লিন লৈতবশিং অসিদগীনিকো !

লোইনবা ডিস-কালিফাইদ, মহুতদা ফগদৌনি।

লোইরবা নত্রা ঐথোয়গীসিবো ?

অসাইগী অমা অনী হায়রকপহুবু কমদৌবা ?

মীরা অমুক তাগদৌ শরুকপুদি অমদা কোক !

লিস্ট অহুদি থেংপ্রবদাইনে ?

তোম্বা পেরি পেরি চঙলকই। রাউবগী মথক্তা পুমরাউ রাউরে, মঙ্গারকপনি। ম্যানা পাররকপা চেজেংশিংহু সাহেবশিংগী মাংদা থাদরকই, মচেং মচেং শিংকুপ-শানা।

ঐনা নচ্চদে হাজুর ময়ামসিননি; মচেংশিংসি খুনজিন্দুনা পুজ-রক্লবনি, থেংপকা ঙমপোৎ নত্তে।

সাহেব অছুম অমগা অমগা য়েংনৈ, কাওনরুরবা চা পায়-খৎনৈ। শোয় চনীং তানা তানা চা থকনৈ। সাহেব মকোয়া তোম্বদা য়েংলগা মোমোন নোক্লহনা—

ডিপেণ্ডেবল, কাইট ডিপেণ্ডেবল।

অনৌবা, পুম্নৌ নৌবা লিস্ট। হন্দক্তি অরৈবা চপ্রাসী মথৈ থাদোক্লুনা মীয়াম মরক অহুদা ইন্নবগা কাওনবগা তৌহুনা নমহুনা থেৎলে। কনা অমত্তস্থু ইন্নদ্রে।

হৌজিক কাওবা লৈচিন তাক্লি, তারমদাই হুমিৎকী মমথরকপগা অমত্তা ওঈনা পুনগ্রে। তেনন্না শাঙ্গু পায়বা উরি হুংশিৎকী মমাং-থানা।

থেৎলবা লিস্ট অহু ময়ামহুনা য়েংনরি মথং মথং। মশীং থিঙমদ্রবা মীয়ামহু তাকশিল্লক্লে। লিস্ট পারগা কপ্লবস্থু য়াওরি, হুপীমচা অমদি মখোঞ্জেল থোন্না কপখৎলকই। কনাগুম্বা অমনা নোক্লুনা মী লৈবা উরমদনা কান্দুনা চৎখ্রি, অমনা লিস্ট অহু হঙ্গৎ হন্দা হঙ্গৎ হন্দা য়েংলগা শাওনা চৎখ্রি, অমনা শোল্লি হন্দক্তি খঙগনি লাকখিসহু ভোট থোম্বা, মখোঙ থাংজোনা ককে, অমনা হায় ঐখোয় মামোনা হায়বহু শোয়দ্রে—

মী তাক্লরুবদা কবুলিয়া মখোঙদা লেপখিবা পাথং অহু য়ায়া থাজবগা লোইননা চঙশিল্লকই, মাস্থু য়েংই লিস্টস্থু হঙ্গৎ হন্দা, ওয়া ওয়া। মাগী মমিং য়াওদ্রে হায়বা তাংদাংবা থঙলে।

ঙরাং হুমিদাং কনানো অমা লাক্লুনা ময়ুমদগী কৌখোকলৈ, মহাক নীংশিংলি মীশক্লু। মহাক্লা হায়খিবহুস্থু কাওখ্রি। "হৌজিক অসিদিনে মীরক থন্না তিপ্রবদি য়ায়া তন্নে হায়বনদি কায়রোই কোঞ্জেং কোককাই তাহুনা তোকদবনি। ঐনা হায়বসে হুংশিহুনা হায়বনি। পাল্লগা ঐনা হায়বহু—ঙন্তা।"

অচুম্বহুদি মহাক থেঙনগনি থাজহুনা ময়ুমদগী লাকপনি, অচুম্বহু মহাক ফংলে। চাংয়েং পরীক্ষাগীদি খঙদ্রে হুপা অহুনা হায়রম্বহুদি চুম্লে হায়বা খঙলে।

ভপ্না ভপ্না মফম অহুদগী থোক্লক্লে - মম্লম্বা লৈচিনদি তাকখ্রে, হেন্না মম্বা অহিংগী অমম্বনা পুন্নমক অহুবু য়োৎশিনখ্রে।



(৪)

চহী চাম্নগী রারী।

সেরীঙ্গপটনদগী ঐখোয় অনীমক হনমিন্নরক্লে, করনাটক্কী নোংশা টিপু সুলতান্না মহাক্কী নীং-খা তম্বগী অরোইবা লানফমদা তুখিবা মফমনি হায়তুনা উচুক য়ুংলগা "টিপু সাহেবনা তুখিবা মফম" হায়না ইংরাজী লোন্দা ইতুনা থেংলিবত্থু উরুরগা ঐখোয় অনীমক মিত্তগী পি শিন্থখিবা খঙহৌদে।

দাশ প্রকাশকী হোটেলদা। ঐগী মরুপ ইতিহাস পামজবা নৈনবা মীনি; মহাক্না হৌদোক্লকই, "ভারতকী ইতিহাস পারুরগা থাগৎনীংবা নিংথৌমচাশিং অমত্তুগা সেনাপতিশিং খরদি ময়াওই, য়াম্না নোকনীংবা মখোয়গীদমক য়াদবা ঙমদবা মখোয়গী মশীংদি থাত্তুনা লোইবা ঙমগনি নীংদে। মণিপুরগী ইতিহাস পাক্লরবদি অমুক্কা হেন্না নোকনীংলকই।"

"করম করম্বা মতাংদনো?

"মখোয়গী সম্রাজ্যদা নুমিৎ তাদে হায়নবা বৃটিশশিংতুগা মায়োক্লগনি লাম্থেংনগনি কা হায়বা শারদনা শেম-শাখিবা অকন অথৌবনি হায়সিরা অপং-অথৌনি হায়সিরা মখোয়শিং অত্থুবো হায়ব।।"

খংঙুম-লাকুম য়েংখৎলুই মঙোন্দা, ময়া ইহি-হিগৎলত্থুনা নোকলকই —

"থেঙর্নাখিদ্রিবরা মখোয়গী .থৌদোশিংত্থু নহাকপু?"

"করিগী থেংনরোই! মখোয়গী মথৌনা মরীংজেল শীংথাহুনা লোইরোই। নৈহোরগদবনি নুমিৎ-খা থোকলিমখে।"

"ংখোয়বো ?"

অমুকন্সু নোকলকই।

"ভৌহৈদে অহুম তৌন্নু। করিগীনো নহাক্না অহুপ নোকনীংউরিবা ?"

"নংস্থ! নহাকস্থ য়াওরি মখোয়গী মীচংদা য়াম্না লীৱবা খুগতা পোক্লমগদবা! পোকলাউবীগুম্বা নোংমৈ অশুবা মঙা তরাদং পায়ৱগা ফিমু খরা শেংচিল্লগা ভাওথিবশিং। ইরৈবাকীনি ইনিংথৌগীনি হায়জিল্লগা মখোয়না পাগদোরিবা লানবা অহুগী মপাঙ্গল মরোশীং খভদনা লান থেঙনগনি হায়বা মৈৱানবীশিং, অশীংবনি হায়গদৌবা!"

''পোক্লকম লমদম ইমালৈবাকপু শোল্লি হায়হুনা করিমত্তা তৌদনা ঙক্কা ফি য়েত্তুনা লাম্নোকখিবহুনা অশীংবনি হায়গদ্রা অহুদি ?"

"উম অচূম্বনি, মহুমকনি পোকলাউবী পায়বশিংনা নোংমৈ পায়বশিংবু শীংনবা হায়বসি ৱাথল লৈতবগী খুদমনি। কৈজোম খোংদাই শেংলম্মী হায়বদায়দো। নিংথৌহুনা করম্বা নিংথৌ, জেনরেলহুনা করম্বা জেনরেল। মপাঙ্গল মান্নবা মশেল লাম্হেংনৱবদি মরীংজেল, মথৌনা. মরোশীং য়েংমবদা থাগৎকম থোকই। মরীন করিবনি হায়হুনা নোংমৈ গুলীগী মমাংদা থাংশাং পায়হুনা থাংশাংগী বাগ হাইরুবনদি অপংবনি হায়না নোক্লৱোইদৌবা কনাম্নু লৈৱোই।"

"অহু য়োনা লাইরিক লাইস্নু তম্লবা নং-মক্লা মখোয় অহুগী মচা মশুনি হায়বদা চাউথোকচনীংঙাই ওইৱবা লাইগুম্বা মীশকশিং অহুবু হুন্দুনা ঙাংলবা! মখোয়না ঐখোয়গীদমক লাংথৎলম্বা ঐখোয়গীদমক থেঙনবীখিবা, ঐখোয়গীদমক ৱাবীখিবা পুম্নমক ঐনা অমুক নৌহোনা শীংথারুহুনা করি কান্নখিগনি ? অহুগা হান্নবীগে মসিমদি, লমগী শম্না মচী শাংই হায়হুনা মীতোপ্পা তৌরিবমখে-

না অক্ষবনি হায়না খনবা ঐগী মীনা তৌবমথৈনা কত্তবনি হায়বা মৈতৈগী হৌনশা ওইনা তৌবহুমদি নহাক কাওগনু !”

“অরেম্বদা শাওগৎলে। ঐনা হায়রিবসিগী অর্থ নহাক খঙ্ব্রে ; মীওইবনা পোকলিবসি সমাজগী কননবনি হায়রবদি ঙম্মোইদৌবদা করিগী ইচং থৌরুরিবনো হায়বনি। মখোয়না অরেম্বদা লাল হৌরূহুনা লানফমদা মথরায় থাগ্রে। অক-কত্তবা লৈত্রবা, লানঙম ক্বিরাল থেৎপত্তনা অচুম্বা শরুগদবা, অরেম্বদা মাঙগ্রে মখোয়না ফাঁসিগী শগাই কাহুনা —”

“হায়হৈদেনে মতু অরেম্বদা কৎখিবা বলিদান নত্তে, মখোয়না কৎলম্বহু মমালৈবাক্কীদমকনি, মশাগী নীং-তম্বা ঙাক্লবগীদমকনি : মসিদগী হেনবা বলিদান অমা অমুক লৈরমথিগদ্রা ?”

“হিংবগী অর্থ, পুনসি হায়বসিগী অর্থ করিনো হায়বহুদি নহাক থিদ্রে !”

“মীখা পোন্না চহী-চা কয়া লৈগদৌ শরুক মিকুপ অমত্তং নীংখা তম্না লৈরম্বনা হেন্না মমল য়াম্মী হায়বহুনু নীংশিংবা কে।”

“ঐনা হায়নীংবদি মীখা পোলহৌনবগীদমক শিখিদৌ শরুক নীং খা তমহৌনবগীদমক মীখা পোন্না পোন্না হিংলম্বনা হেন্না কৈ।”

“নহাক্না হায়রিবু মখোয়না শিখিবহু মীখা পোলহৌনবগীনি অসিনিনে। হায়বীগে তাজৌ ঐহাক মৈত্তৈনি নহাক্না ঙাংলিবা রাঙাং অহু মীতোপত্তনা ঙাংগদৌবনি। মীশীং য়ামজত্রবা মতীক-চাবা খুৎলাই লৈজত্রবা, খুরক্কী ঈনা লাই-শারবা কনাগী মত্তেং ক'নীংঙোই লৈজত্রবা মৈতৈ মচাশিংনা মত্তাং চাত্তরবা, ইকাইবা খঙত্রবা, মখৌ নত্তনা মখৌ শাহুনা মণিপুরগী নিংথৌ খুত্তমগীদমক ঐখোয় মহুংদা খৎনজববু মায়কৈ অমগী মীচং শাহুনা নমহুনা চঙ-শিল্লক্লগা শ্রীগোবিন্দগী রাসমণ্ডলদা রাস কৎলিঙৈদা লাল তাশিং-ল্লকপা, মরাল লৈজত্রবা চুপী অঙাং ক্ষরাবু নোংমৈনা কাপহুনা

হাৎখিবা, যুবরাজ বীর টিকেন্দ্রজিৎপু নমত্থনা কাগে খৌরাংবা — অত্থগা মীচং লৈত্তে হায়ত্থনা তুমিন্না লৈথোক্কদবা !"

"মৈত্তৈনন্নু হাৎখিদ্রো খুৎলাই পায়দ্রবা মথুৎ-চল্লবা সাহেব মচা মশা। অথৌবনি হায়বা থাঙ্গাল জেনরেলনা শওলীংবশিংদা শিন্ন-থোকখিবদো খক কাওগনু, মরুপ। ঐখোয়না তৌবমথৈনা কত্তবস্নু অকবনি মহায়বা, অরানবস্নু অচুম্বনি হায়বা। লালদা কারকপা লানকাশিংবু হাৎপা তাইদবা রানি। মরোশীং চাউরবা মপাঙ্গল কল্লবা, ইনাক কৈরাক খুনবা সাহেবশিংনা মায়কৈ অহুমদগী লান্মী লিশীং লিশীং থাজিল্লক্কুনা ভায়োক চক্ষুদগী ভা কাবগুম কোইতান তাল্লত্থনা কাখিবা অথৌবশিং অত্থবু ঐগুম্বা বিশ্ববিত্তালয়দা লাইরিক লাইগু তম্মুবা ঐনা ইপং পংনা অথৌবনি হায়না হেক্তা লাৎকদবা নত্তে। নীংশিঙু মথৌনা ফরবা যুবরাজ, জেনরেল করম্বা মওংদা কাখি ! টিপু সুলতানগুম্না অফোঙবা লানকম-দগী মমায় ওন্দনা শিখিবা ভম্বা ? কনা ইকাইবা য়াবা রানি। লানকমদা মথরায় কৎখিবশিং অত্থবুদি ইকাইখুম্ননীংই ঐস্নু। মখোয়না খল্লম্মী মৈত্তৈ লান্মী খুজোক অমনা লানবা পাগনি— য়েক্লবগী মপাঙ্গল মরোশীং খঙদবা নত্রা মসিবু ?"

"করে তোকলো নহাকা ঐহাকা অরেম্বদা শাওনরক্কুনা তোক্লগনি। ঐহাক নংদৌনা অথৌবশিং অত্থবু অত্থপ হম্বনা য়েংননবগী ইথৌনা লৈজদে। নংনা কনা হায়ত্থনম্নু মখোয়গী মরীংজেল, মথৌনা, মমালৈবাকপু তুংশিখিবা অত্থবু অপঙবনি হায়না খনবা ওইথোক্কবনি। নংগী কত্তবা ভাক্তা উবা মিৎয়েং অত্থগীদমক ঐহাক রাবীরি। অকবা থবক অমত্তং পাঙথোকপদা কত্তব কয়াম্নু য়াওবা মশানা তাবনি ; তৌরিবত্থগী পান্দমকম অত্থগী মতুংইন্না থৌরোশিং অত্থবু শীংথাগদবনি। নহাক ভাওরবনি, তশেংনা ভাওরবনি। মমালৈবাকপু তুংশিজবা মীওইবা পুন্নমকা নহাক য়েক্লরবনি।

ঐহাক চৎলে, মথা ভাবা রা অমুক তানীংব্রে—'—,"

ঐগী থাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল লোইখ্রে, ঐগী কা তান্না চৎকে থোরক-লে। উশিং থওইদনা মহাক নোকহৌরি। তারগা খোঙ থাংবা য়াত্রহনা থোঙজিন-পান্দা অমুক লেপই।

"অপঙবা—খাত্রাংচাকনা সমত্রু ঈশিংকনি হায়না লাংবগুম হৈজ্রাং পায়রগা বোম তোপ কক্কনি হায়বা শাই। অরেম্বদা করিম্নু খঙ-জত্রবা থুঙ্গাশিংবু শিরগনি খঙনা খঙনা মমালৈবাকী মনিংথৌগী মমিংদা মপা-মমা, মতু-মচা কায়নহন্দুনা অশিবগী খায়াত্তা লংশিনখি। অহুগা অকনবা অথৌবা — !"

কেংহনম্নু লংলরোইদৌবা মাগী রাখল মপুকনীং অহুবু অমুক কেংলগে নীংব্রে। অহুগী মহত্তা নাকোং অনী মেনশিন্দুনা ঐগী কাদা চঙশিল্লে; থোঙজাওহ থিংজিল্লগা পৌরোন থাজিল্লে মহাক অমুক চঙলক্কুনা তানীংব্রবা রাঙাংশিংহ ঙাংলবম্নু য়াই নীংহনা। অরেম্বদগী চৎলুরমাল্লে সেরাঙ্গপটন্দা। কম্মুংদা কাখত্তুনা তুম্বিন্না কম্নগা মণিপুরগী চীংয়া তময়া তন্না লায়বকক্কবগী হুমিং চাইথখিবা মতম অহুবু নীংশীংহনা ইরৈবাক্কীদমক মথায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মকমদা ঐগী পঙলবা মরুপ অসিবু ঙাকপীয়ু খুরুমজে—

ঐনা হৌজিক্তা লোনশিল্লম্নবা থোঙ হাংদোক্লকপগুম মপান্দগী শিংচিল্লকপা হুংশিংকী শঙম লাংলকই, য়েংথোকখিবদা থুয়া ওইরপ থারিবা মায়খনগী রাংমদা কনানো অমথক লেপলিবগুম তৌই, ঐনা কনানো হায়হনা কম্মুংদগী কুমথগে তৌবদা শোম্বাংননা হায়রকই,

"করিম্নু নীংবা কায়রুগহু, হৌখ্রবা চৎখ্রবা পুন্নমক হৌখ্রবনি, মহুগীদমক ভেংথারুহনা করি কান্নগনি? য়েংলিবা ভাবুকী মতুংইন্না লীলাদা কুমথিবা নায়ক নায়ীকাশিংগী চরিত্র অহুম মওই। কনানম্নু অম্রুম ওইহনগে হায়বা ঙম্বা পোৎ নত্তে। ঐখোয়না কৎখি ইশা

ইশাগী ঈ লাকদোবা নখোয়গীদমক। ইথোঁদাং য়াখিবতনি, ঙম্বা ঙমখিদবদি ইরায়বক্কীনি। অদুনা ঙসি নংগুম্বা থরনা ঐখোয়বু ইকাই খুন্নরি, থরা অমনা অপঙবনি, পাংদবনি মীচেন্নি হায়নস্মু নোক্লরি। লংশেকপ্রো পুম্নমক্কু অমনবা ঙাকনি। হৌজিক লৈরিবা জাতিগী সমাজগী কত্তবা পুম্নমকসি মাঙহন্নবা হোৎনবদা নপুকনীং চঙঙু। ঐখোয়বু চৈরিবশিং অদুস্মু ঐখোয়গী অশোয়বা লৈখিবননি —ঐখোয়না তৌখিবা পুম্নমক অচুম্বা ওইরম্লোই। মহাক্লা হায়বদু অচুম্বা য়াওদবা নত্তে, তৌবতবু মহাক্লা থরদং ঐখোয়বু হুংশিবী-বম্লবদি ঐখোয় হুঙাইরমগদবনি। মানা হায়খিবা, মহাক্লা য়ানীং-দবা মরমশিং অদু কুপ্পা নৈনদুনা লাকদোবা মীরোলগীদমক হৌজিক্কগী হৌনা শেমদোক্লবা হোৎনবনা পুম্নমক্কী য়াইকবনি।"

তুমিনলৈখ্রে—করি অমত্তা তাখিদ্রে; মপাল্লোমদা থোঙ হাং-দোক্লুনা থোকখিবগুম তারকই, থামগে নীংলম্বনি অদুবু চৎখিবনা হানখ্রে। চিঙৈনা য়াক্লবা মিকোঁ অমা তারকই, থংনবা কাদগীনি—

শেখর! ঐবু থাংনা য়ানগদোরে, থাংনা—

খোনফম কায়না লাউরকপদু তাবদা ঐহাক ফম্মুংদগী কন চোংথ-দুনা থোঙ তম্মা চেনশিল্লে; ঐনা চেৎনা লোনশিল্লম্লে থাজবা থোঙ ইহাং হাংদোক্কুনা লৈরমলে; মাগী কা তাম্ন চেনশিনখিবদা কা অদু পুম্নম মমনা লৈরমলে, কাগী ময়ায়দা হুংশা শোর থবেৎ থবেৎ হোল্লদুনা মহাক লেপ্লম্লে।

"করি তৌরে? করিগীনো থাউমৈ মুথৎলিবসিনা?"

"ঐনা মুথৎপা নত্তে—হন্নুবা শাথিনা অহল ওইরবা, মপোক্লা ঙোরবা, মথাং কোল্লবা, রেশম ফুরিৎ শাইজোনবা লীৎপা মথুত্তা সনা খুজি শিবা, কোহৈয়ৎ শলাইয়েৎ, পজেং কিরাল থেৎ মথুত্তা থৌরবা থাংশাং থুদুম চেৎনা পায়রগা, মম্নিৎ অনীমক ইথেং তাবমথৈ ঙাংলবা অহল অদুনা! মথুত্তা পায়রিবা থাং অদু চীঙলদুনা

মফম ইখঙ হেক খঙহৌদনা থোঙ অসি কাওথেক্তুনা চোংশিল্লকখি ''

ইলেক্ট্রিকী সুইজ কাপখৎলে, কা অহু পুমঙাল ঙাল্লে।

"লময়াইসিক্তদনি মানা লেপখিবা !"

"থোঙস্থু তেক্কে, খুৎকম কায়বা অমত্তা উদে

"ওম্বোক্লা কল্লা কাওরকগ্রবনি। ঐদি নহাক্লা কাওরবগ্রা খল্লম্ববনি অহুগদি হৃহুবদো! মহাক্লা হায়খি—ঐখোয়বু পাংদবা অপঙবা লাল্লোং খঙদবা হায়বা, মীথিবোং মীতম্বাল নশাগী ফত্তবদি উবা ঙমদবা, নংদি করি তৌরি, নমান্নবশিংনা কদায় য়োঁখ্রে? ঐখোয়দি পাংগ্রবস্থু শিবা ঙমখি। লাইরিক হৈবা অশিংবা ইবুংঙো, নংগুম্বা নশাগীতা য়েংবা সমাজগী লৈবাক্কী করিস্থু খনবা হৈতা নফমদা চাওনীংবা লমচৎ নায়দবা কিদম্নকম য়াওদ্রবা নংগুম্বা লিশীং অমগী মীচং ওইগদৌ শরুক, চাবা শেৎপা মনীং থুংগ্রবা লাইরিক হৈতবা মরৈবাক মজাতিবু সুংশিবা মঙাতগী মীচং ওইজগে। কদায় য়োরে নংগী সমাজ নহাক খঙলব্রা? শেঙ্গা থুমজাদা পুন্নমক থরায় যাওনরি, অচৌবনা মচাবু ঙা শেম্বগুম শেমলি, সুপীগী ইজৎ ঙাকপা ঙমদরে, নচন নচাশিংবু খোঙ্গোইনরি।"

ঐহাক তু চুংই। মহাক্লা মেচিনগুম্না অরেপ্পা লৈতনা তমথরকই—

"নহাক্লা অশেংবা নরীল ক্ববা অর্থ খঙনা ঐখোয়বু শাওবা ওইরবদি সুংঙাইগদৌবনি। হৌজিকস্থু চাং য়েংননীংলবদি সে থাংসি পায়য়ু। —ঐহাক কিবনা নীকলম্মী মাগা লানবা পানবা ঐগী পাঙ্গল লৈরমদে। মহাক্লা ঐনা নীকপহু উরগা থাক্লা নোক্লনোক্লহুনা হায়রম্মী—অহুরা? ফবে হন্দক্তি নহাকপু ঙাকপীরবনি। অহুগা নহাক্লা খঙগদবদি, ঐখোয়না তৌথিবশিং অহুবু নখোঙপাক্লা নোইহৎকদৌবা নত্তে। ঐখোয়না লানখিবা য়াওরবস্থু অহুম্না নোক্লগদবা নত্তে। ঐখোয়দি নখোয়না তৌরিবসি উরগা নখোয়গী নপা-নপুনি হায়হুনা ইমান্নবগী মাংঙ্গা মায় উৎকদবা হঙ্গোইরবনি। নত্রোয় নখোয়গী অহানবাশিং অত চুমথোকচনবা হোৎনৌ, নত্রবদি

নখোয় হায়নীংঙাই লৈতনা লৈখা তারগদবনি। —হায়রু মরুপ ঐখোয় অন্নুপ য়ান্না লৈখা তারবরা ?"

"উম মতু থম্বা মতম চপ-চারবনি—হিংখিসি হায়রবদি মতমক থম্বা মতম ওইরবনি।"

মহাক অঙাওবদোনা শদো থোংলে-পোখাকম খঙদনা উরে। মশা পুম্বা চেংথৈবগুম নীক্লহনা লময়াইদা লেপ্লি ; মথুৎ পায়হনা মাগী ফম্মুং তান্না পুশিন্দুনা হিপহল্লে।

"কা অসিদা নংগা ঐগতনি কনাম্বু লৈত্রে। নংনা চৈথি ঙাংখিবা অতুদা নংগী থম্মোয়দা থুপচানহনা লৈরিরা মৈতৈগী খৌনা লীংজেল অতুমল্লা নংগী নমাংদা চোংথোকলকপা ওইরমগনি। মখোয় লানখিদে হায়বসি অচুম্বনি। পোখারো করিম্বু চীংনরুগদু।"

"ঐহাক ইথম্তা ! কা অসিদা।"

ফুক হোগৎলক্তুনা মাগী হিপ্পচানবা য়োমশিল্লগা ঐগী মাং থাহনা মহাক অতুম থোকপ্রে।

---

(৭)

তিনশিনবা-খায়দোকপা ।

চাম্মদগী চনী, চনীদগী চহুম, থোইবা বাবুগী হিসাব লাকপা চৎখিবা, তিনশিনবা খাযদোকপগী হিসাব নত্তে – স্বপ্নগী তিনশিনবা ঙাক্তগী ওইরম্মী নোংমা। তলব লেংদে, পুম্না অহুমক থমজিল্লি হিসাবতা অতুম মকাখৎলি ; ইমুং মহুংগী মচা মগুগী চত্তবা য়াদবা পুম্নমক অহুম মচৎনৈ হিসাবতা খায়দোকখিবা য়াওদনা, লেম্মকপনহুম হেন্না চাওবা মাগী হিসাবনি, অথঙবশি না অম্মুন্না হোৎনৈ। শেৎনা-চানবা ফিরোল, অচা-অথক শোৎ-লংহুনা শেৎ-চাই, মাগী মখাদা থবক তৌবশিংদগী শেল পুশিল্লি। তত্তনা শোগ্নি, করম্বা মতমদা মীগী শেন্দোন-থুমদোন ময়ামসি শিংদোকপা ঙমগদগে খঙন্রে। লাইরবা ঐগা তিন্নরুবদগী নখোয়স্থু থবা মরারবা হায়বহুনি অতোনখোয়-মরোই মনাওশিংদা তেংথাই।

মচা মনাইনা লৈরিক লৈরাক থল্লি ; মাগী মখাদা থবক তৌবা নোকরশিংদগী হেন্দোক্তুনা অরাপ অরাপ্পা লৈকোক লৈকাইদগী খুন্দগী কয়া অমনি। কনা অমগী লোনৌ নীনবগী, জিঙ্খ পীবগী মচা মগু ফম হাপ্পগী। থোইবা বাবুগী থবকসি ফনা চাওবা জাৎ ওইরমাল্লে। শক্তি লৈবা তৌবা ঙম্বা অঙম্বশিংগী মরক্তা মহাকম্থু অমনি।

মখোয় স্নাইবেম্মাদি ।

মখোয় স্নাইবেম্মামা হেল্লি চিখোন নাওখোনবা। মী অমত্তং চঙলকপা উবদা কোম্মোং মপান্দগী তরাম তরাম কৌশিল্লি : অচৌ

কোন্দগী হৌরকপা লৈমশীজনিনা মী করম লোয়নগদগে হায়বা ফনা নিংথিনা খঙই, জাংকী মচা হায়বতুমক থোকই। মাবু হনবদনা তাদা, মাম্মা, খুরা হায়বদগী থক হেন্দে, কৌগ্রিরৈঙৌনা হান্না নোকই "মাই পাবুং উন্নবীগদৌব্রা, করি তাকপীগদৌবা," অসিনচিংবা। ফমকাগ্রিরৈঙৌনা লানশিল্লি চুরুট বিড়ী, করম্বা মতমদা লোনখিবনো খঙদে চা, মীতা য়েংনা অসিনা চায় হায়বতু। মীনা হায়নৈ থোইবা বাবু অম্মুন্না তৌরমদে, মীকপা চঙবা লাকপা য়ারমপোৎ নত্তে, উতুপ-রাতুপ পায়দে, চৈ থাদে হায়বদা থারুম্বনি; ঐবু মাঙহনবীগে লাকইব্রা? আ অকিসতা সিদি ঐগী য়ুমনি, চৎলো, মতুং মনাও থক লাক্নু — হায়ত্নুনা চৈবগা লাউবগা খামফম খঙনরমদবনি। মৈত্রবাক অসিগী অঙকপা অমদি অরোন অথুপ অমত্তা লৈবা য়াদবা, অকবগীম্মু ফনা ফত্তবগীম্মু ফত্তনা লৈবাক শরা হেক্তা মশনবা অসিনি।

চুহী চাবা খুত্থং ইল্লি, জাৎ-তাবা অনৌবদি য়েনখোঙ থাংবা ঙমদে। অম্মুন্না হৌখি নোংমা। অহল অনা লাকখি করিগুম্বা অমগীনি হায়ত্নুনা, স্নাইবেম্মানা, কৌশিনবী। অতে অমকা হায়দনা নুপাত্নুম্মু স্নাইবেম্মাদা দণ্ডবৎ শাংনা তাত্নুনা নোং-খোংবগুম কপচখি। লৈকাই তারগনি মতাগুম স্নাইবেম্মানা নুপাত্ন ইমুংদা তুমিন্না কৌশিন-বীখি. চিবোন চিবোন মপু মনাই রাহৈ অমনি ঙাংনৈ; "লৈ চন্দম্নি" হায়ত্নুনা স্নাইবেম্মদা করিনো খরম্নু কৎশিনজৈ। কিগনবা মীদা লাইচুগনবা হেল্লি, থোইবা বাবুগা কোক থেংনৈ ঙাইহাক অন্নুদা। অমুক তোইবা অহলত্নু ফুদে হায়বদা খাকপনি। স্না-ইবেম্মানা হায়, "করিনো মায়পাবুংবো ঙাওরব্রা, অন্নুপ থীনা তোথীবা হৌনদে! অঙথনি, অয়াবা য়েংবীয়ু হায়জবতনি, য়াত্রগম্মু মতোকনি, তোদা য়াদে হায়বা করি লৈ? ধর্ম কায়রোইদৌবা লৈরবদি মতৌবীনি, করি কায়বগে?"

ধর্ম কায়রোইদোবা হায়বা অসিনা মচু হায়কেৎ লাকপা হৌখি ; সুমিদাং মবুংঙোগী সেবা লাংবা চঙজবদা অমুকন্সু হল্লা লাকখি পামজবা মচুত্থু —

অওইবনিনে মায় পাবুং, মায়পাবুংবু লৈবাকনা ঙাংনবসে মাপু মতারমগনি হায়বা, অত্থবু শিরগা শি চঙলগা চঙ হায়ত্থনা মরায়বক য়েংলরবনি। লৌশীং চাওবনি খন্থবীয়ু। মীওইবা হায়বসি তম্বা ঙমপোৎ নত্তে অচুম্বগীদমক অচুম্বা পাম্বা মাইপাবুংনা মতেং খিত্তং পাংবীবা হায়বসি লম্বী অনানবা চৎলিবা মীদা চৈত্তু পীবগুম্বনি ; মসিদবু ঈশ্বরনা থৌজানবীরোইদ্রনে ?

অত্থবু'ন সনা, চেদা লৈবত্থ য়েংলগা খঙগনি অচুম চুমদা। চুমলবদবু মানা করিগী অসিদা অমুক লাকনি। মাগী লৈ-চন্দনত্থ পীথোকখো, মত্থগী হাক্তকী নপাম য়োনিকো!

স্নাইবেম্মা রা অমত্তা য়াল্লক্তে; অত্থবু তুমিন তোকখিবা নংলমদ্রে। খুয়াদা কল্লা কল্লা শুৎ শুৎ কপখৎলক্লে—

ইশম লৈশানা ফিদোন চীংখৎপফাও হৈতনা য়ুমসিদা লাকপনি, ইচা নাওরোল মরী শুজিল্লক্লবা অসিফাওবদা অত্থগুম্বা রাহৈ ঙসি ফাওবা তাজরক্তি। সুংশিবীগদ্রা হায়বগী অহল অত্থগী মতৌত্থদা মহায়জরুবনি ; য়াদ্রগম্ব পেম্মা য়াদে মতাকপীরগা লোইরে। অস্নুপকুইনা তারক্তবা খোনবু করিম্নু লৈতবা রাসিগীদমক হেক থাবসিদি —

মথা তাবা ঙমর্দনা হিক হিক কপলে। স্নাইবেম্মানা মপুক নৌরিবত্থ পংলান লাঙবা নত্তে। মকম চাওই হায়ত্থনবু কৈদৌনি ? খোইবা বাবু বদনাম লৈরবা হুপানি, মরায়বকী রা খঙদে, পাগ্রা ওইত্থনা লৈবগ্বনি, হান্নগী সনাত্থনা পোক্লম্বা মচাশিং লৈনা লৈনা চহী লেজা চাদনা স্নাইবেম্মবু থাজরকপনি। সুপী ওই হায়বগী রামন অসি কোঙদোকলক্তবনি। খোইবা বাবু অশীংবা মীনি, স্নাইবেম্মানা

মপূক নৌনা কপ্পহ্ন ভাবদা শুংঙাইতে ; য়া মথা অমুক ভাপ্পরকপা ঙমদনা অহুম ভোকলে। স্নাইবেম্মাগীদি তিং শোকপা মতাং ওইনা থোকলুরবমাল্লে অহিং নোংশোইবা অমুক কপ অমুক চিন্তা তৌ খুয়াদা অহুম লেনখি।

অম্সুন্না লৈ-চন্দন কৎখি, লৎনখি, নীংঙাই শাংদানখি। মতুগী মহাও থোইবা খঙদবা য়াই, খঙবা য়াই, স্নাইবেম্মদি খঙখি; স্নাইবেম্মানা লাংবা মথেন লুকোই থোইবা বাবুনা হাই, হৌজিক হৌজিকসু হারি। লৈ চন্দনহু হনথ্রে হায়না পাউ হঞ্জিল্লি স্নাইবেম্মানা অহুবু মচা মনাই অমা ওইনদি লৌশিনহনখি অহল অহুবু। লৈ চন্দনবু য়াওড্রবদি অহুক লাকচবা-চঙজরকপবু করি কায়বগে, অচুম্ববু ওইরবদি মাগীদমক মতেং থরা পাংবীববু করি কায় ?

হৌজথেংখাং কয়া অম্সুন্না থোকথি-নোংমসু মাগী মতুংদা পাঙল মচা অমনা চুহী তিন অমা কচ্চরম্মী স্নাইবেম্মাদা। মাগী থবক মঙ্গল ওইদ্রবদা পাঙল মচাহু লাকচে। মাদি খঙদবনিনা পাঙল মচাহু তথী তথী চৈথোকলুবদা স্নাইবেম্মাগা উন্নজগে তৌবনি, নহান চুহী তিন অমত্তুং কচ্চরম্মী অহুগীনি হায়না ইরায় লায়না খুমদোকরকই। য়া-চান্নরুবদা অচুম্বা ওইরমলে—মাসু চাথোক-উরে চুহীহু। অম্সুন্না পুথখি।

মৈ চঙড্রিবা য়োত্তবু কোম্থোক কোনশিন য়াবনি, মৈবু চঙলবদি করি লৈবা পোৎনো য়োৎচৈ অমা কোনববু—কনা চাওগে চাওসহু। অম্সুন্না পোকথিবা মচা মনাইশিং অসিনা মথং মথং পোকথরকই মচা মনাইশিং, স্নাইবেম্মানা মমানি পুন্নমকুগী। অচম্বগীদমক লাকপা মথৈ তরাম তরাম ওকপীখি। অচুম অরান-খিনবগী অচুম্বনি থাজরম্বা লম্বীদগী চাইথোরকই, চেদা লৈবা রাগা, চিন্দগী তাবা পাঙ্গা অনীগী মরক্তা কয়ম্বনা অচুম্বনো থিবগী মতাং য়ো-রকই ; তারিবহু অরানবা ঙাক্তা ওইন্নমদববদি য়াই হায়ববু পুন্নমক্ত

অচুম্বা ঙাক্তনি হায়বদি অরানবনি। মথং মথং চিনকুপ্লবা পম্না পরল অমদগী য়োংচাক চরোং অতুদগী লফোই লফাং কৎপা য়াই হায়না তানরকই।

নোংমা থোইবা বাবুগা য়াম্না চান্নবা মরুপ অমনা ক্বাগী ভৌথি, “চিন-শেংনবা পম্না চারি নহাকনা নমান্নবনা লুপা খাউ, অনীগী ফলদি চপ-মনাম্নে, লৌদনা লৌরবদি কানস্নু কান্নবা লুপাহু লৌবনা কত্রা?” অচুম্বগী মীংচৎ ওইবদি হৈনবীনি মাগী, শেন চারবস্নু চাত্রবস্নু। নহা ওইবী ভদেক ভদেক মথোক কায়কলিবী মকম চাউই হায়বগী অওং অওন চাওনা ভমহুনা চহী মীয়াই হেনগ্রবা মঙোন্দা ওংলকপী, গুমিৎ খুদিংগী খবা খরা তকশিল্লকপনা থোইবা বাবু পামদা-পামদনা স্নাইবেম্মানা হরাউনা নোকপহু মপুক ভাজব-দগী অচৌবা ঈচাও অতুদা লুপথখিরম্মী; মহুগী মহৈ মানা মকম ভাররবা মতমসিদা চারৈ।

মানা খল্লম্মী মহাক্না ভৌরিবহু কনাস্নু খঙদে, মাবু হান্নঙম্না সম্মান তৌবীরি নত্রগা মহাক অচৌবা মীশক অমা ওইরম্মী, শেল থুম পায়বা ইনাক কৈরাক থুনবা অমা ওইরি, লৈকাইগী য়াথোক লাম্থোক্তা, পূজা অর্চ্চাদা, উৎসব-মেলাদা বার্ত্তন ভৌরকনি। অহুবু মহু মথক্তা থাজবা ওইবমলে। বার্ত্তন ভৌরকপদি লাইরহুনা মাবু উরগা “শেঙ্গাবসি লাক্লে” হায়না খৈদোক্লয়ে; মহাক তাজসনু হায়না য়ারী শান্নবাফাউ থেঙনয়ে। মাগী অশাওবা, নীংবা কায়বহু উরগা স্নাইবেম্মানা হায়—মায় পাবুংদি ফনা শীংবমাল্লে খল্লম্নি। কল্লকপা হৌনৈ অহেনবা মীবু। মায পাবু'নদি লৈকাইগী বার্ত্তন কংদে হায়রি মীগী অশি অনাদি খক হঙঙ্দে কনানা তাক্লকনি হায়বগে? ঐখোয়গা ভিন্ন-ভোংনজনীংবনা পৎ হেক তৎলিবা ঙাকনি। ঐখোয়নদি লোনে-শিংনে, য়ুম্নে কৈনে স্নংঙাইরেমখৈ পাম্লেদো করিগী কল্লক্লোই। হয়েংনে অয়াংগী খুয়া হোয়গী ইম্পোন লৈত্ত-বসে হংবীক, ভৌরক্ত। য়েংসি বার্ত্তনহ।”

স্নাইবেম্মানা হায়বহৃ চুম্নমে' শোয়াংকী বার্তন কংলে, অহুবু সুংগাইতে খোইবা বাবু, মাস্থ খণ্ডই অশি অনা হায়বসিদি হংতবু হওঙ্কু,রবদি বার্তন'থাবদা হেক্তা য়াওই—মৈতৈগী চৎনবীনি। মরমদি মানা হওঙ্কুবা শোয়াংকী বার্তন নত্তনা শঙ্লকপা ..... কিরোই খোক-পদদি মাবু হেক্তা চিথবী।

চহী কয়া হৈনরক্লবা তিনশিনবগী হিসাব খৈওলবা পুনসিগী মতাং অসিদা কল তারকলে। নোংমা মহাক্না খুৎ থেকুনা লৈই চিংহনা তিনশিনখিবা হিসাবতা খায়দোককম শোকপা য়াতখি। হিসাব হায়বগিমক্তবু হুতিগী চুম্না চুম্না শুত্থনা খায়দোক খায়জিন চিথদনা পুথরক্লবদি কংখিবা চৎখিবা অনীগী খেন্নবহৃ পংচাও চাওনা উবা কংদে অহুবু নাম্বতা শুত্থনা লাক্লবদি মমৈদা চোমলপী উৎলবা মতমদা চীংমুক চাওনা পৈবাতাই। কয়ামুক য়াম্না খায়দোক্লগদগে হায়বা খণ্ডনা খণ্ডনা খায়দোক্তনবা হোৎনম্নি, অহুবু খায়দোকপা হৌরক-লে হায়বদি খণ্ডলে মচেৎ ওইনা নক্তে মপুম ওইনা। মাবু উর্গা হরাও ভয়াম্না কৌরন্বা খায়দোকপা তারে, মাবু লুনা ভৌরন্বা মচাশিংগী সুংশিবা খায়দোকপা তারে, মাগী মচা-মনাইনি লৈরক্লা পুম্নমক খায়দোকপা তারে, মরুপ মপাং কয়া খায়দোকপা তারে, ভৌদ-য়াদবগী মপাম্মোংদা তিন্নতোৎনবা মীওই কয়া অমা লোম্না লোম্না খায়দোকপা হৌরে—মকু-মনেম ওাইশেন, অমুক করি হায়নি, জানা ঈশিংদা শান্নজবগুম হৈনজরম্বী স্নাইবেম্মা কাওবা খায়দোকপগী অহুরোমদা চণ্ডশিল্লকলে।

অহুগী নিয়মদা তিনশিনবা ওাক্তগী হিসাব ওবা য়ারবহু পুজিদা খোক্লিবদি তিনশিনবা খায়দোকপা অনীগী হিসাব ওপকায় কায়-কদে হায়বা হোজিক্তা খণ্ডলকলে। ওল্লিতৈদা তিনশিনখিবা পুম্নমক অখোংবদা খায়দোক্লরে হায়বগী তাং-দাখো প্রমাণ হায়ববু হন্দক্তা মাগী মতান মথুব চাহুবা মমিগুম কোইয়িন ইন্নক্লা খাজোইগী মচাহুপা অমা তাওনা অমা লোইয়ক্লুনা ইন্দাংনী অতক খানাদা খবক তৌরে

হায়বা তাবরা, মপা শানোইচু অমুত্তং উমগি হায়না পাউ থাকই। মহৌশা মাগী মনাই ওইরগদবী ভাব অদুদা' মাগী সাইবেম্বাগী মাংগা মহৌশাগী গপ অদু নীংশিংছনা "ইবুংঙো হুপাযচাহ তাক্তনা ওইরে তাঁরে; ঐগী হুপীমচা অহল অসি অঙাংদি থরা ওইরি হায়ববু ঐনা থরা ওমা থাজগে থম্লি নংগী অঙাংগী হুঠিহ অমুক্তা পুরকউদনা" হায়রকই। শানোই পাক থুম্লক্তে, সাইবেম্বাগী মহৌশাগী মতমদোগুম ইরাক হেক লাকথুনা ইবুংঙো কৈদৌঠৈ শিল্লকে হায়বগে হায়না হেক হঙ্জরে। কম্রি থম্বনো থঙদে শানোইনা হায়রকই, "অঙাংগী মরা 'অমত্তং তাত্রবদি ঐবু কম্রি হায়গদবনো থঙজরে। মানদি অচৌবা ডাক্তর অমা ওইরবনিনা মাগী য়াম্ন থাক্তবা য়াজে, অঙাং ওইরবদু। থম্রশিবা হায়বহ্নি।" য়া মথা থোইনা তানদনা তোক্লরে। পাউদু হন্দোক্লক্তরে। কায়নথংদা শানোইনা হায় হায়ছনা পাউ অমা তারে—মচানেদনা থুকউমুক্তা য়াংবা; তৌজে হায়বছমঙাই চুমথুং, মখাদোনা য়াশিনেবা মচেং অমত্তা য়াওদবা, থজিন ইহৌ হেক য়াগংলদনা হুপীগী শাবাম্রি হায়বা অমত্তা লৈতবীহবু ঐগী ইচাদ [illegible]গদনা হায়রকই; তুক্রচহনা মার ওত্রবনি মখোয়রোমদা।

মতমসিদা নিকপ থোক্লে-থোইবা তিংথম হেক শিবনি সনার্গী মাংদা; হৌজিক্তি তাংদাংবা থঙলে পুরমক থায়দোকদবা তাক মঙাইরে।

(৬)

অরোনবা চিঠি

ইকাইবা খঙদবী, অঙাওবী, ঙসি অমুক মনাগী শজি শাহ্নুনা লাক্লি ! নীংশিংলক্লে ঐহাক, কয়াদা ঙকপ্রবা ! ইকুই কুইখিজি ঊখি ঐনা নংবু খোমলেন মঙলান্দা, য়াংলবা উত্তোন অমদা অমুক মৈ অমা ওইনা, অমুক শকখঙদবী লাইরেম্বী অমা ওইনা। অঙকপা মঙনি পোকপদগী ঊখিত্রিবী শীংঙেল নৈগী নৈশক্লি, করি নৈনো হায়বা ঐহাক খঙদে, অহুপ্তবী নৈরাং অমুক্তম্ন ঊখিজ্রি, মপান মঙ অমদা থাব্রাং শাংলি নৈরাং অনী চপ মান্নমা, নৈরাংগী নৈচু মনা অহিংবা মচু মান্নি, য়েংবা ঙম্রমদে মিং থকপনা। ঐখোয়গী ইংখোল চিংখেত্তা ওইনা তোই। নৈরাংগী নৈভং নৈহাও নৈরেনবী শক্তম্নি, চাওবদি থম্বালমুক চাওই ; অসিগুম্বা নৈশক্ নহাক উপ্রবরা ! মঙ হায়বত্রনি। ঐনা থন্নবী শিরগা শি চঙলগা চঙ মসিমক্তা মহেক্লগে। ঐদি মহৌশানা নৈরাংশিংবু উরগা ইথক্তা খোয়দো শাওগংলি, কল্লকপনা পোথাকম খঙদে ; করিগুম্বনা মতম্ থদম্ভুনা মাঙহনবদি ঙমজদে ; করিগুম্বা খুশিং-খুনাহোক থমংলু-রবদি ঐহাক ঙাওচংনৈ, ইশানা ইশাবু য়েক্নবনি থম্মুনা থাঙজমক্তবা নৈরোক পীনৈ।

অহুনগী কমদোই ভানীংলিব্রা ? উত্তোন অমু কাখংলগা নৈহু রেবে তোরুম্বদা হৌজিক্তা তোমশাংনবগী নৈরাংগী মহুত্তা কনাগুম্বী অমা ওইরবে, কনেক খোইদোন লৈং [illegible] মখক থম্বা মক্তা নারৈপ্না কিজেংনা। মিং অনীমক [illegible] ঐহাক : [illegible]

থাক্লা থাক্লা নোক্লকপদা থাঙবা ঙমজহনা মিং পাংথোকলুবদগী মাগী কিজম ইকায় কায়দনা হায়গুম্না অহুম লৈরম্বহ উরম্মী। ঐগী মিং পাংলকপা উবদা মহাক নোকপা তোকখিরম্মী; মতম অহৃদা থঙলম্মী মহাক কনানো হায়বা। কনানো থঙত্রা? হৌজিক্তা নোকখিবনি অহবু ঐবু মুমা য়েংলগা মখিং অনীদগী মপি চহুম চহুম শিহরম্মী, মথুং অনী তিংথোকুনা ঐবু ঙাইহিবগুম তৌরম্মী—

অহৃদগী,

অহৃদগী মহাক ঐগী ইনাক অম্রুম অম্রুম নকশিল্লক্লম্মী। লৈয়োনগুম নীংথিজবী মাগী কুচু অবুবা লীলগী মতৌগুম মুত্তক মুশিল্লক্লে, মমায় মায়থোংহত্তা মঙাইরে হায়গুম্না কজরিবা। মীশক অমত্তদা কুচু অনী থোক্লে, মমায় মখেনা সনা হুদোংবগুম মশা মখেনা মহু পুবা অমুবা লীনগী মচুগুম। ঐহাক কিবনা নীক্লম্মী, নীক্লম্মী। ঐনা হায়জরম্মী ঐবু অমুক্তা কনবীয়ু, অমুক লাকচরোই।

অহৃদগীদি! ঐহাক হৌজিকসু তুচুংলি, মহাক্না হায়রকপহু অবদা। করি হায়রকই তানীব্রা?

তানীংলবসু তানীংজবস তম্মুরবনিনা তমথোক্লগে। মহাক্না হায়রম্মী—হাই অপংবা ঐগী ইমায় মতেক অসিদং য়েংউ—কজত্রা? য়েংউ ঐগী হকচাং কক্লকখিবদায়নে অসিসু মহাক্না? কনানা হেক্লি অনীসি? ঐনা থঙইবা শংলবনি হকচাংসি হগী মচু অহুমক। চক্লকউ শাউ ঐগী নাত্তম ঐবু কোম্লমখো। মংবী অথোনবা নাচিনবান অহবু চুপচবা কংগনি নীংথদ্নী অমুপ বানা উকোন অসিদা থাঙজরিবনি।

অমুত্তা হেম্না ক্লিক্লম্মী ঐহাক। হুগীবু অমুক্তা মখাক মখাক্লা।
মচ্ছ ওইহনবু ঐহাক থাজবগে!

মাফনি অহুবু!

মসিমসু মঙনি, ঙসি ঐনা নংগী চিঠি ফংজরিবা। নহাকসু মঙনি, ঐহাকসু মঙনি তাইবংপান পুম্নমক মঙ ঙাক্কি। মরাল লৈত্রিবা চজমথক্তা নংগী পাপ চেন্নবা নথুংকী মমি তাহন্দুনা ঐবুসু পাপ অমুক লঙশিন্নহনগে থৌরাংলি। ঐদি হুংশিচাওবা মরুপ্পি অহুগা তমথীরবা য়েরুবা অমত্তু ওইবা হৈ।

ঐনা নোংমা হায়খি ঐহাক অমুক ইররোই করিগুম্বা অমত্তা। নংনা নৌহৌনা ইথথো হায়না তাকখি—ঐবু কৌথিবগুম মঙদা, ঐনা তমখিবা মঙদা। হুংশিহৈতবী মসিনা নংগী অতোপ্পা শাপ অমনা ? তাইবংপান পুম্নমক থাদোক্লগা পুনসিগী পামজবা ইথৌদাং কাওবা কাওথোক্লগা চিক্লা ইংনা চেম্বজনীংলবা নংনা অমুকসু কায়হল্লবা ! নশাগী য়ুমদা মৈহম লংশিনবা ! ঐগী রাশক নহাক থঙই, কয়ারক হায়প্রবনি। নহাকথকী নংগা থঙনরুবদগী পুম্নমক মাঙখিবা অহুগমু ঐবু নহাক্না অতোপ্পা মীগী ঙকশমদা লৈপরেং হক্লমদাইদা য়েংজরো হায়না পাউ থারকপা, থম্মোয় শোক্লবা মজনুঙম কপ কপ্লুনা নছুং ইনথদবসু নত্তবদা। হায়কীগে অহুম্না জৌরমগদবা পরীক্ষা মরো নত্তে।

মঙ তম্রক্লা কদোমদগীলো চিঠি অসিগা অমুম শমজিন্নখিবগুম তৌপ্রে।

শমজিন্নকম থোকই।

অহু ওইরবসু নংদি নশাগী অশোংবা মচুহু ভংননবসাদমক মঙদা লেপখিবগুম লেম্নসু ঙমপোং নত্তে, ইকায়খিবনি হায়জিল্লহুনা। নহাক্না ইকায়রোইদোবা মী লৈয়বদি অমুক্তং য়েংহল্লু নংগী মাক্লথোং নংগী নশাগী ঐনশা, অহুগা হঙজু অমী অহুগী মচু মাইথিবা, করিগুম্বা মায়কহুদি ঐনা হায়খিবা লানগনি।

অহুবুনে নীংশিংবদি হৌজিকসু অমেক অমেক লৈশাং মতমদি, মঙদা উবিবা লৈকোন অজিনা লৈকলো ওন্নবা, নকুম মথা কাও

খোঙ্‌লা কেমগ্রবা অসিকাওবদা অত্তুংগি নংগীদা ঐনা, মংনা ঐগীদা মহাক্না তাং তৌত্‌লা কল্লকহনখিবা; অঙকপনি মহাক্না তৌখিবনি। ইশবা ঙমত্রি হৌজিকসু নংনা খৌদারকপা।

ঐগী মঙ তঙবা লোইখিত্রি—

ঐনা মরাং মরাংবা হুপীহ্ন কনানো শকথঙলক্লবদা লাউরম্মী—হিংচাবী ইকাইবা থঙদবী!

ঐবু নঙোন্দা মিংনা কয়া য়েংবা ঙমখিত্রা? লৈশি-লৈখোয়া কৌজবা নত্তনা নংগা মিংচাম্নবাকাও ঙমখিদে। খল্লি খম্নোয়দদি নাম্লচিন্না তম্লগা অত্তুংঙেদা "অপাম মাগী মপাউ-তান্ তাইবং পোইরে লমদমসিদা শৈদমলকউকো! হুংশি নংগী শৈদমখোন্দু তারগা ইপাগী ইংখোল্লুংদা শাংকে শাংলমসন্থ, খারাইখক্তা লৈহাল্লুম্না অনৌবা লৈকোল্লুংদা খারুনবা লৈপাললৈউ কুকে কুকখিসন্থ অপাম নংবু কংনবা কৌজরকে, শৈদমলকখোকো। নংগী খোইথুম্লরবা নপাউখোল তারোইদৌবসে কল্লকই, শৈদমলকখোকো।" ওইরম-গত্রা-অসিবো? মসিমক্তনা পুল্লিবনি ঐহাকপু ঙসিম্ন।

"হিংচাবী ইকাই খঙদবী, অমুবা লীনগী শায়োন্দা হুপীগী মায়-খোং পানবী নমায় মায়ুখোং অত্তুতবু মিকাহন্নগা ঐবু য়োংকে হায়রিত্রা? মকম অসিদা চাক্তারম্নিত্রা? ঐদি অত্তুংগী অশোমবা হুপাহ্ন নত্রে।"

অম্নুম্না লাউরুবদগী মিরূপ খংখোক খোকলম্মী। নীনি চনম্নদা নংগী নপাউখোল। নংগী মিংকী খাজহ্ন কাউগন্থ—অপাম কৌবগী ঈহৌকম হুংশিবগীনা ঋণাককমনি মহ্ন। ধর্মচেম্নবী ওইহ্ন। ঐগী মঙদো নীংশিংউ।

চিঠি ইবা লোইরে; মানা তাকলগা ঐগী ইমিং "শীল", হায়না খাজিল্লে। কয়া খাগনি মহাক য়োনবা, মপাল রাউ কুকুলা পুম্নবনি অয়মীদা।

(৭)

তোম্বচৌ 'পীরাখী'

তোম্বচৌহ্ ৺সিদি থরা ওন্না কুমৰ্জগে, মমুমদা অতাং অমা ওমহোদে থজরম্বনি। ওই হায়বগী মনা থাবীরোইদোবা মাগী সাহেবকী থবক অমা শিন্নরম্বদগী চৎপা য়ান্রে। করিন্নু নত্তে থবক্তু, সাহেবকী ইনকম টেক্সকী হিসাবনি—হেক পীদবা য়াবমথৈ পীদনবা হোৎকদৌরিবা হিসাব। ওহ্নোকপা হিসাবনি, সরকারগী শেল পুহনা লৈবা হরাগাড়ী কার, হয়েং থবক তোকপদা শেন্দোই য়াওনা কংগদোবা ময়েং তাগদবা লৈত্রবা প্রোবিদেন্ত ফণ্ডগী শেনফম, লাইফ ইনস্যুরেন্সকী খিজিনখিবা শেনফম ফনা য়ামত্রে মহাকনা ইথংপগা, থায়দোকপগা, তিনশিনবগা হোৎনত্রিবা। ওরাং অহু টচিন নাচিন্না লোইরুরবনি কুপ্পবা হিসাব অসি অহুবু গাড়ী শিজিন্নবদা চঙগদোবা শেনফম অমা হাপহোদবদগী মাগী সাহেবনা মাগী অরামন ওইনা পীরমগদোবা পুক থজোইদোবা থাসং-রাহৈশিং অহুগী মহত্তা মন্তুংমনাও থরা চেকশিন্না হিসাব ওননবা চেকশিন রাহৈ থরগা লোইননা অমুকা শিন্নরম্বনি। অচৌ অচৌবা শেনফমগী হিসাবতু অহুম ওবহুদ। নোংমা থুবাক মন্নি য়েংবা অহল অমনা "ইবুঙো নংগীনি থওদে মীগীনি থওবে শেনগী থবক্তি ফনা য়াম্না কুপ্না তৌগদৌরি নহাক তৌবতবু নংগীসি চাকচা থরদি হুংশিবা লায়রক্নি।" হায়না কাপী তৌখিবহ্ থনীং মীৎশিংলকই।

"মীগী মরায়রক হায়বনি অককপনিদ্রা"। অন্না মরক মরক্তা লোইন্নি তোম্বচৌ হিসাবতু হোৎনা হোৎনা। ওরাং ইরাব লায়রক

তাখিবা হিসাব ঙসিদি পাক তাক্লে, হিসাবকী হৌনবীনি হুনবু হন্নরবদি অচুম্বহুম্ব লাল্লবোইতা মনীংবা, মাদি থক্কংপা অমসু য়াওরবনি। ককলাংদা থেৎলিবা ঘরীনা থেঙগ্রে হায়না নীংশিং-বীরকপগুম পুং-খায় তাবগী "দেং" হায়না অমুক্তং খিংলকই, হন্না য়েংথৎখিবদা পুং ঙা য়ারমলে।

ঙরাংহু মাগী সাহেবনা থরা ঙন্না কারকউ থৌদাবদগী তোল্লচৌ কনা ঙন্না মচাগী চন্না রাম্নবা থাকপা চক্তিক থরা মুন্দুনা চারগা কারকপনি। চহী অমদা অম্নুম্না ঙন্না ঙন্না কাখিবগী মশীং হাজির বোইদা ইশিনবীনবা মুক কলম লৈত্তে, নোংমা থক্তিক থরাক থেংত্তরবদি মথয়াত্তগী ঙা মুনগ্রবা হৌদোং হরাইমান্দু মঙাই মকোই মরাং ফ্রিং ফ্রিং হেক 'চোংবমথে শাওরিবা, শাওবদা নত্তে কোক্তা চিংশিল্লি মচিন থৌবা অঙাংবা মুকী কলমহু পায়থত্তুনা। মথং মথং চিংশিনবসিনা অহমলক শুজিন্নকলবদি কেজুয়েল লিভকী ছুটি অমা খরচ তৌবা তাই—অফিস কানা কানা। তোল্লচৌ নোকলকই, "চাওইদকো হে অচৌবা! ঙন্না কাবগী মনানা লু-য়াং তেকপা, থেঙনা কারগনা কানা কানা শুনা শুনা কাদশিংদা চনবা। হে অচৌবা নংনা থেংঙগনা কমদৌবা! হা ইপা সোয়ারেন উত্রবরা মনাই মচা ঐথোয়গী দশাসিবো!"

পুং ঙা তাবক্ত উবদা তোল্লচৌদো নোকই। মুন্না অক্সুম য়েংশি-নুবদা মাগী হুপীদা থবক কাবা থেঙলে হায়হুনা মানা তৌরবা থমকা মত্তা, মপুরোইবনি হায়বা শাল্লদনা মাবু কিবদগী কাকৈ কাকৈ চেন্দুনা হোৎনবা, শাওজিন্নহুনা চক্তিক চাক্তনা কারকপা অসিনচিংবা। মানা তৌরম্বহুগী মকম অসিদা তৌরম্নিবসিগী অনীগী থেম্নহু থক্সুবদা মথোয়দো শাওনংলি, ইকন্থ ইকাই। "শিন্নগী শি চঙলক্লা চক শুরয়োইদা মসিগী থবকসি চিনদি তৌত্তবা মীত্তমক তেংপা লৌইরে লোইগদ্রি মপাঙখোকপা অসিংবগী থবক তত্তনব মী' ঙাইবা

হৌনদে"—খোৎলম্বা চেয়ামন্থ খোমজিল্লে, টেবল থুংদবা হেক লৈ-রকপদগী ঈশিং শোক্ত্রবা মাদৌনা অত্থুম কেমথ্রগদৌবা টেবিল ফিদা মথক্তুদা পুল্লপ তাশিল্লগা পোপ লাউনা থাদয়ে। অমুক্তা রাই শংনা মখোম্থ খোকনা চঙবা ঙমখিত্রবা হাকাম অরাউবা অমা লাউবোইনা চল্লগা মথুৎ অনীনা লুখমদা পায়থুনা, টেবল মখাদা লৈরিবা মখোঙ অনীথু ঙম্বমখৈ অমুক্তং তিংখোকলকই। কনা রাই শংই ঙাইহাক্তু—হুংঙাইবা হায়ববু অসিনিদনা খল্লকই।

"গীরাণী বাবু অমুক্তা চঙজরকপা য়াগত্রা?" খৌরানী চোঙোনবী হোয়গী আজ্যা শমশাংবনি। থুমলম থুমকাত্রিঙৈদা জর লেঙশিল্ল-কই আজ্যা। বাবুগী চাইখোক্লবা চেরক অত্থদা নিংখিনা লানশি-কই চে অমা। চা থকখিবগী বিড়ী শোৎখিবগী হিসাবনি। হিসাবতা হৈনরবা তোল্লচৌগী শরুক, হিসাব।

মুন্না য়েংউবদা লুপা ২৫ পৈশা ৭৫ নি হায়বা থঙলে। তোল্লচৌ ঙক্তক তৌই, আজ্যাসু উই। মাগুম্বগী লুপা ২৫ গী হিসাব হায়য়ে চাওর চাওরবা লীশিং লক্ষাগী হিসাবতা ঙাওবীরক্তুবা তোল্লচৌহোয়-দবু—পোপ হেক্তা তাই। তাং ১০ দা মবাই অমা লাকলমই চে অমা খিবা, ১২ দনা মখোয় লৈকাইগী মরূপ অমা মথং মথং মানা লান-খিবা চাগী মশীং থিরকই; হন্দক্তি ইকাইনবা মী অমা অনীসু মরাকখি—চুরুট অহাওবা লান্দবা য়াদব। আজ্যা মোমোন তৌই, "হন্দক্তি খিত্তং হেক্তিনগ্রমাল্লে বাবু!" রা মখা তাদে।

"হোয় আজ্যা, তোল্লচৌ ঐগী ইরনবু কনানা চাথুনা লোই-গদগে?"

মশানা খন্দুনা লৌখোকছোবা কজ কজরবা নোট্টু পুখোক্তুনা খিদোরকই—আজ্যাদা কৎশিল্লি।

"হোয়নে বাবু, লাইরবগী রাদি থঙদে, শেন্দদি পৌথ্রে, কজথ্রে সত্য, অফিশ মন্নুং অসিদা বাবুগুম্বা য়াওদে। শেল পায়বা মরায়বকীনি, শেন্দা কজবা হায়বথুনা লৈবাক মচাগী থবকনি। মাংনি

হায়তুনা খাগচ্চবা নত্তে। থবক শাংনা তৌবীখোকো বাবু সেবাসি থরা শাংনা কংমিন্নখিসি ইচিন ইনাও ঐখোয়।"

আশীর্ব্বাদ পীরমলে হোটেলগী আজ্ঞ্যানা, অমবু ওইরবস্থু অমবু ওইরবস্থু কৈনা ময়েক মাঙদে, ব্রাহ্মনগী য়াথংনি। তোল্লচৌ খাগৎলি খঙনা হরাওই। অহুবু অমুক কিরকই "তৌখিদ্রনে ঐবু থবক-সিবু? অহুদি করি তৌগে হায়রিবা? নুং থুগায়বা ঙমগদ্রা, লাংখোং তৌবা ঙমগদ্রা, আসামদগী ঙা লৌরুরগা সের-ফালা পায়হনা ঙা লল্লোনবা ঙমগদ্রা?"

চাকরীদা চহী কুন্থ্রা শুজিল্লকদৌরবা তোল্লচৌনি। তোক্তা হেক তোবদৌগুম শিনফম করি পায়সিগে পরপ পরপ খল্লি। চিঙৈনা নীংশিংলকই, মচানুপা অহল বি, এ, তমলিবহুনা খোংজুপ লুপা ৫০ হেন্না পীবা অমা লৈগনি পৈশা পীয়ু হায়হোবহু। মচাশিং অহুদদি মহাক হিমালয়নি, পেকলিমথৈ ময়েং তাররোইদোবা। মাগী অরাবা অনংবা অহু লীথোকসি হায়রা অঙাংশিং অহুগী মথৌনা হনখিগনি কি, মসিগীদমক হোৎনবদা মহাক চৈদোন্দা পকপা কিরালগা চপ মান্নরবনি।

আজ্ঞ্যা শমশাংবনা হৌদোকলম্বদগী মহাক ঙসি তলব কংবা নুমিৎনি হায়বা নীংশীংলে; নোং হেক ঙানবদা থৌরগদবা চেংগী শীংগী, থাউ-থুমগী, হয়াই চেংয়াইগী পৈশা, মচাশিংগী স্কুল কলেজগী ফি পুন্নমক নীংশিংলকলে। অরুবা অকুপ্পা হিসাব শুরুবগী চোক-থরবা হকচাংদা পুথহুনতা লাক্লবা মাগী হিসাবনা ঙাথরকলে। মকোক খোৎল-খোৎলহুনা কমকমদগী হোগৎলকলে ময়ুমদা হল্লগে নীংহুনা। চিঙৈনা নীংশিংলকই মশা ঙমদে হায়হুনা লৈহোবা অঙাং। পাথৎ-পোই করিবোই মাগী কাগী থোঙ লোনশিল্লম্লগা ময়ুম য়োনবা পরপ পরপ লাকই।

ময়ুম য়োরকপদা নুপামচা অতোম্বহু নাহেহুনা লৈরমলে। মী অমদা অহু অদা হায়হনা চিন্দা পাঙদানলা ঙাংজবা হৈতবী মাগী

হুপী ঙসিদি কৈ অমোমদৌনা কি কি কামহুনা লৈরমই। হেক চঙ্খিবগা "কৈদৌহুনা য়ুমদা হল্লকলিবনো ? তলব ফংবা জুবিংসিদি য়ুম হেক্তো কাওবনি। অঙাং অমা ঙরাংদগী মশা ঙমহৌদে, হিদাক্ লাংথক অমত্তং লৈসি হায়রে তলব ফংলগা লৈসি হায়হুনা ফ্রং কন্থোক্তুনা চাক কাউবা থোংবা নংদমখৈ চজিক চাহুনা কাখিবা আফিস হৌজিক হল্লকইবসিরা ? করম্বা অফিসনো মহোয় পাজী নত্রবদি ঙবীনীংঙাই লৈত্রবরা ? মী পুন্নমক থবক তৌনরিবা ঙাক্তনি —মতা অমনি।"

মকোক শংবাইমুক চাওরহুনা তোল্লচো মচাগী নাক্তা তবী তবী চঙলক্তুনা মচাবু কৌই—তোম্বা ! ক্বৈরগা মচাগী মশা পায়হুনা য়েংই। মখা তাথরকই হুপীনা, মায় "পাজীবু ঙাওরব্রা হিদাক লাংথক অমত্তা লৈরক্তা ?"

"অনা লাইওং খঙদনা হেক লৈবা য়াদেনে হুপী। ডাক্তর অমত্তং কৌসিরা খন্দুনা লাকপনি।"

হায়রল্লগা মমায় মমিৎ কাওবা তাথোক্তবমখৈ মরুমদগী অমুক থোবকলে। লম্বীদা লেপই কনা ডাক্তরনো মানা কৌরুগদবা। মাগী হুপীনা মহৌশা ঙাংদবা রাঙাংদা চৈরকপহুদা ইখল হেক খলহৌদনা ডাক্তর কৌরুগে থোক্লকপনি। মাগা খঙনবা চান্নবা ডাক্তরশিং কনা কনা লৈবগে নীংশিংলকই। মাগী চহী লেঙ্গা ডাক্তরশিং মাগা খঙনরামখৈদি ঙম্না চৎনখিদ্রে—কাংখথাং তাদ্রে। থোক্লবা অমা লাক্লগনি অমা হেক্তা হায়রুরগে খন্দুনা লাকলে।

হৌজিক কালগী হায়ফেৎ মমিং চৎজিবা ডাক্তর অমগী য়ুমদা চঙলকই—মাগী হুপীগী মমাংদা ঙমই হায়বহু উৎনিংই অহুবু লৈরম-দ্রে। হুংখিল চৎখিবদগী হল্লক্তি হায়বীরকলে। অতোপ্পা অমগী তাম্না অমুক চৎলে, উচিন নাচিম্না ডাক্তর সাহেব লৈরমলে, অহুবু লাপ্পসিদা গাড়ী য়াওদ্রবদি খুদোং চারোই হায়না শিৎ নাম্থোকপীরে। নমঙনা মশা শাগন লাক্তনা চিংউবদি য়াদ্রবমিনা খোইদো শাওগৎ

শাউগৎনা অতুম ৎোরকলে। মচাগীদমক মিকাবনা মকম অনা অনী চৎলে, তান চান্নরুদবনি খঙদে, মরায়বক খিবননি খঙদে কনা অমত্তসু য়াবীরক্কে। হৌজিক্তদা মহাক ভাব তারকলে—মাগুম্বা কেরাণী অমগী ইমুংদা অনাবা য়াওবগীদমক ডাক্তর অমা হেক ফংবা হায়বসি অরাইবা নত্তে। পাস্বে অমা লৈত্রহুনা হিদাক য়োনফম অমদগী অনাবগী রাস্বী লীরগা পীরকপা হিদাক থরা লৈহুনা ময়ুমলোমদা তফিং তফিং চেল্লকলে।

ময়ুম য়্যোরকপদা মাগী মুপীনা থোঙজিনপান্দা ভাইহুনা লৈরম্মী, হংলকই—

ডাক্তরদি কদায় ?

মাবু কমদোরিবগে ? হয়েং লাকে হায়রে, হিদাক্তি পীরকই। মসি পীজরগা য়েংখো হায়রকই, মরাইনা ফজখিনিদা।

নচা অনাবগী ডাক্তর অমাকাও পুরকপা ঙমদ্রব্রা ? করম্বা মপানো নহাকপু ?

তোল্লচৌ খুমলমদ্রে, মচাগী নাক্তা পোলি পোলি চঙলক্তুনা মানা পুরকপা হিদাক্তু-শেম শাহুনা পীথকদোবগী হোৎনরি।

নমানা পংশাউদা মশাউই, হিদাকসি থক্লগা হেক্তা ফরদোনি। ইপা হয়েং ঙস্তানা লৌরুগে ডাক্তরহু—ঙসিদি অরুবা থাদোকপা য়াদবা অনাবা অমা লৈরে হায়রে।

হয়েংদি লাকদ্রা পাজি ?

লাকনি লাকনি !

মাগী মুপীনা ঙাংনরিবহু তাহুনা শংত্রিক য়েংহুনা লৈবহু উরগা তোল্লচৌ মথুৎ নীকখিবনা মথুস্তা পায়রিবা লৌকলি গ্লাসতু পায়বা ঙমদ্রহুনা লৈবাক্তা থাদরে। মচাগীনি শেমবা হিদাক্তু হৈদোক্তুনা তোকলে। কোইরু কোইরু য়েংহুনা অমুক শেমগদোবগী শেম শারি। হন্দক্তি মুপীনা চঙলক্তুনা মাগী মত্তেং পাংলরে। চিঙৈনা তোল্লচৌ নীংশিংলকই "সেবাসি থরা শাংনা ফংমিন্নখিসি ইচিন ইনাও ঐখোয়" হায়না আজ্যা শমশাংবনা অসাই হায়খিবহু।

(৮)

লম্বীদা।

থা-শিরমদাই শুক্লা মম্বা অহিংনি, ঐহাক ওম্থোক্লা য়ানা লাম্থোক-লকলম্মী লম্বী লমশাংহু ! গাড়ী কংহৌদহুনা খোঙনা লাকপনি-লম্বীদা কনামত্তা থেঙনদনা লাকপদগী ঐগী তুংদা পংলাপ লাপ্তুনা কনানো অমা ঐবু অম্তুম অম্তুম ইন্নরকপগুম তৌরি। লম্বীহু মহৌশা খঙলবম্ব পংতোই তোইনদি চংখিদ্রি—খোঙনদি অমুক্তম্ব চংখিদ্রি। মী অমা তুংদা লাকপহুদা ঐহাক কিবা থরা করম্মী। মাগা খোঙবু ওইমিন্নগে হায়হুনা ঐহাক ঙাইনা ঙাইনা চংলম্মী। অত্বু মাগা ঐগা লাপ্নবগী চাং অহু অহুম লাপ্নহুনতা মরৈ, থক নকশিল্লক্তে। থরা থরা তপথহুনা য়েংই, মহাক শুপতান তানখং-লক্তে। মশা শোনবা চংপা মঙম শান্দবা মী ওইরমাল্লে নীংহুনা ঐনা অঙাইনরম্মী অহু ফাওবদা মহাক ঐগী নাক থক য়োরকলমদে। হুংঙাইত্রহুনা ঐনা হন্না য়েংলগা অপান্নবা কৌরম্মী, মহাক পাউথুম অমত্তা পীরক্তে, লম মঙা তরুক লাপ্নবা অহুম মরৈ। মনাম্বু তাখিবা মী ওইরমাল্লে। ঐনা চংকদৌবদি কনা য়াম্না রাংলি, চংপদা মঙম শান্দ্রবা মনাম্বু তাখিরবা মী অমগা শোরো শোরো চীংহুনা চংমিল্ল-রবদি ঐগী লমথুংকম য়োগনি থাজত্রহুনা মাংলোমদা থরা কম্না চংখংপা হৌরম্মী।

মতেক থরা চংলগা কয়া য়ামনা তামহৌরবগে হায়না হন্দুনা য়েংথোকলুববু মহাক হান্না ঐগা লাপ্নখিবা অহুরাইদা অহুম মরৈরম্মী। হলক্তি মহাক্লা মরৈ থারপ তৌনা হংলকপমম্ব তারম্মী, "নীরো

হায়মি।" মখোয় অনী শুত্রা করিনো মানা হায়রিবসিবু হায়ছনা ঐনা অমম্বা অছদা মুম্না য়েংখিববু মমি শামিবা মীশক অছুমা নত্তনা কনা থোইদোকপা অমা উরমদে। ঐনা লেগ্গুনা য়েংখোকলুবা অছদা মহাক তুমিন লৈরম্মী, মপোপ কায়রমদে; মায় হেক শুম্থোক-লকপদা অমুকম্ম হেক্তা, "পীরো হায়মি !"

ঙাইহাক ঙকচানরম্মী, অছদগীদি হকচাং পুম্বা তু খ্যাউ চুংলম্মী। মানা পীরো হায়না তক্লবত্থ অম্মুম অম্মুম ময়েক লাবা হেঙ্গৎলম্মী, অওইবমক ঐঙোন্দগী নত্তনা মহাক কনা অমত্তদগী নীবা ওইরম-গনি থাজরমদে। মকমত্থ চোথে খুলগী মপানি খুদৈবন লমশাংনি, লমাংদোং তারগা ঙাইখোং য়োগে লাকপনি। করিস্থ চিংনন্দনা লাক্লম্বা ঐহাক ভুজুং-মাঞ্জু লম্মী, থোরী চরম কংলম্মী, হায়কম খঙদনা কিরম্মী।

"পীরো হায়মি !"

"পীরো হায়মি !"

তোইনা তোইনা তকশিল্লকলম্মী; মাং-তুং নাক-য়েং পুমনীল নীল্লম্মী। হরিনাম শোন্দুনা মায়-মীৎ তৈথোক না স্থাকলম্মী, মছনম্ম তোকহনবা ঙমলমদে মানা হায়রকপা—পীরো হায়মি। ঐহাক কৈজোম তাখৎলে ফুরিৎ খুদাং থেকৎলে, ইল্লিবা কিন্না খাংদা মী ওইরে ফরে, লাই ওইরে ফরে, কাগে ফাগ্রসম্মু অওইবমা খঙলগা চেল্লগে নীংছনা ঐনা চপ লেপ্লগা হংলম্মী,

"করিনো নংনা পীযু হায়রিববো — পৈশারা ?"

মীচীক মীরাউখোল তাক্রগা ইচীক হুল্লবা অহিংগী শক্তম অছুমক মওইরম্মী, মহৌশাগী হৌনবী করিস্থ কায়রমদে, ঐহাক তুং. হন্না হন্না চংপা হোরম্মী। পীযু হায়না তক্লরম্বা তাখিব্রে, তেংথা নাওইবা মরোল লোঁকম খঙদনা হিক হিক কপ-লকপগুম অমুক অমুক তারম্মী। খোঞ্জেল অঁছু তাগ্রবরা হায়না চীংনরমই — অওইবমক মীকপ অঙ্গি তাগ্রবনাল্লে —

ঐহাক উকিলনি — মণিপুরগী কাচিন কোয়া চীং-মান কাওনা ইমিং চংলবা ; মীহাৎ মীপুনগী, শেন্দোন-থুমদোনগী রাথোক লাম্হো-ক্তা ঐতবু নেকপা ফংলবদি মী হাৎলুরে হাত্তবা ওইরগদবা, মীগী লো-ইঙ্খোল নমহুনা লৌরুরে আইন চুম্না লৌবা মতারগদবা অহুগুম্বা হৈশীংলবা মীশক অমনি ঐহাক। ঐগী চেম্বরদা কপথ্রবনি মুপী মুপা নহা অহল কয়া কয়া চহী কুন কুম্থ্রা অসিদা ; অহুবু কপলিংঙৈ ঙাইহাক্তুদা ঐগী পুকনীংদা মখোয়গীদমক্তা মীহুংশি অমদি ফাউখি হায়ববু মঙ্হুনা ঐবু কৈদৌহুংদা মতম শাংনা রাহনবা ঙমখিদে, অহুবু হুমিঙ্গুগী মীকপ মীরাউখোল অহুগী চৈনা পাক কোকপা ঙমলমদে থম্মোয শোক্না তেংথারিবী অহুগীদমক ঐহাক রাদবা ঙমলমদে। ঐগী চেম্বরদা ওইরম্লবদি !

ঐগী চেম্বরদা !

মী হাৎপগী মরাল লৈরে হায়না কোর্ট্টা লানখৎলক্লবা হুংঙাই য়াইফবা ইমুং অমগী মচানি, মমা মপা পু-পাং শুবিবা লমকেং লমহাইবদা ঐ মঙাইরে হায়বা মীশক অমনি। শিরিবা অহুগা মহাক্না হুংঙাইনদবা করিস্মু লৈরমদে তিন্নরূবা সঙ্গী দোষ চায়ব-হুনি। মাগা তিন্নবা মমান্নবা অহু খরা পিদোল্লি, শিরিবা অসিনা থীনা থীনা তৌবী, মহাক্কী হাকন্নবদা মমান্নবা অহুগদি শাওনদ্রহুনা মাগা হাকথেংননা য়েক্লরমই, তোইনা তোইনা খৎনরমই। নোং-মদি করিস্মু নত্তবা রাহো—হোটেলদা চা থকপদা শিগ্রবা মুপা অসিনা চা থক্তুনা ফমলিবা ফমকমগী মাংদা থাবা টেবল মথক্তা — আসামী অসিনা মানা থকপা চাগী লুথাক থম্মুই হায়বগীদমক মখোয় অনী য়ৈনখি। থামদোক্লহুনা চৎনথ্রবামক্তদা লম্বীদা অমুক শিরিবা অসিনা ঙায়রমহুনা মখোয় অনী অমুকম্মু হম্না য়ৈনরম্মী, শিরিবা অসিনা মথক্তা আসামীগীনা মাগী মক্লপকা মখোয় অনী। থৌদোক অসিদা শিখিবনি অম্মুম্না তমলম্মী ঐবু নেক্লবা মতমদা

অন্থৌ হায়রে "শেলগী করিমত্তা চীংনগম্থু, য়াম্না লৈ হায়বগী য়া নত্তে, থরায়গা শেলগা শিন্নবা য়াবা পোৎ নত্তে। মত্তাক চানবা কৎকনি, ইচাগী মথরায় অসিতদি কনবীয়ু।"

ঐগী অয়েপমন লৈশিংলোমদা ঙাংনৈ—ইনকম টেক্সকী হিসাবতা য়াওহল্লগা লোইরে। হায়নবগা বোইনা অহুম থমলম্মী। কেশ অহু শুবা হোগৎলম্মী। অমম্বা অহিংদনি, মী চীক্লবা কনাম্থু লৈত্রবা মফমদা য়ৈনখিবনি কনবা য়াবা য়াই নীংহুনা ঐম্থু থোইরপ অহুম মথুমখি। ঐগী হৈনবী থিওরী থুদক্তা শেম শাগৎলম্মী।

পীকগ্রবা মণিপুরনি মীহাৎ মীপুনগী মশীং য়ামজরবম্থু। শহরগী মচি অমদা থোকখিবা থৌদোকনি—হেক্তা মতানরকই, কনানা করম-তৌনা করি তৌহুনা হাৎনগ্রিবনো, কনানা হাৎপনো অসিনচিংবা। অহুবু ঐদি পুথগ্রবনি ইশাম্থু ইচিনম্থু ইনাক থুনবা রাথোকপা অহুগী পৈশাগী কোমদা। শিরিবা অহু কনা লৈজদ্রবা মমা লুখ্রাবীনা রানা য়োকচরকপা মোং হাদবা, খৎনবগী রাহৌনা ঐঙোন্দা তমলম্বা অহুদগী পুমতোপ তোপ্লা। মাগী দোম্বরা তাইবংপানবা মপুগী অরানবা থুৎশেমলা খঙদ্রে, অহুপ তোল্লবা লাইরা ঊন্নংনা হৌরবা মঙোন্দা কমদৌনা থায়না কল্লকনীংঙাই ওইবী মশক মতৌ চঙখোল্লবী নুপী অমা মাগীনি হায়না তমলমলীবনো।

কেশ অহু অম্মুম অম্মুম চথরকম্মী; মহৌশা ঐগী হৈশীংবা অহুগা ইশাগী পীথোরকপা, মীবু রাহৈ অমম্থুং পাউথুমগী লাংদা থাজি-ন্দুনা ঐনা শাগৎনিংবা মওংদা শাগৎপা য়াননবা নিংথিনা হংখিবা ঐগী জেরাগী রাহংশিংগী মমাংদা মপু পাদ্রবা করিয়াদিগী কেশকী সাক্ষী-শিং, মখোয়না শাগৎলকলিবা কেশকী মশাগৎ পুম্নমক লৈঙোইগী পনগা মান্নরম্মী। নোংমা নোংমাগী কোমথরক্লবদা শিগ্রবা নুপা অহুগী মমা মচা ওইরশিংনা ঐবু কোইথি থিরক্লম্মী।

ঐগী চেম্বরমক্তদনি।

নহা ওইরিবী মশক মতৌ কজরবী নুপী অহুনা ঐবু হেক উবগা শংত্রিক রেংলগা অম্থনা হায়রম্মী — "উকিল বাবু নহাক্তি অচুম্বা

ায়বদু থিদোক্লনা হোংনরমগনি থাজরম্বনি, অদুবু নহাক্তি পৈশাগী-
মক ওইবম্লে। ঐগী লৈজবা খরা পুরকই। হন্দকৌসি ফহনবীয়ু।”
াগী ফিজিদগী নো'ট চবুন অমা পুথোক্লম্মী। মুপীদু কনানো
খণ্ডদনা করি কেশকীনো, কনানো হায়না হংলম্মী।

“ঐবু খণ্ডদ্রিবর', নহান বাবুনা থৌ থৌদুনা হংখিবদো! শি-
বিবা মুপাদু ঐগী মুপানি, ঐনা পোরিবসিনা ইচানি। বাবুন
মীচং চংলিবদুনা ঐগী মুপাদু হিংখৎ খত্তুনা হাংখিবনি, খণ্ড-
বীবরা?

ফুদে হায়বদা হেক খাকপনি, ঐনা খীনা তৌখিবা মুপীদু।
মানা পুথোকলকপা পৈশাদু মুপংখোম খোমজিল্লগা মাগী মথুত্তা
হাপ্লগা ঐনা মাবু মগুকশম পায়হনা ইন ইন্দুনা তাম্মোকলম্মী
চেংবগী মপান্দা। মপান্দা মুপী অহল অমমুক লৈরম্লে; “ইচাহ
পীয়ুকো উকিল বাবু, ইচাদো! নংনা মীহাৎপবু কনগনি হায়-
রবানিনা শিখিবা মীবু হিঙ্গংহল্লু পীদবা য়ারোই ঐগী ইচাহ
নহাক্না শোইদনা পীগদবনি।” মহাক্না অম্মুম্না লাউখোংদুনা ক্রিং
ক্রিং চোংদুনা কপলম্মী। নহা অদুনা থনুংশোকনা হিক হিক
কপ্পুনা মমায় ফিক খুম্নদুন', অহল অদুনা “পীয়ু পীগদবনি,
পীদবা য়ারোই” অমুক তৌনা অমুক তপ্পা লাউ লাউদুনা
চংখিরম্মী।

তবানি থা ওন্দনা ঐনা লেপখিবা কেশকী আসামী মপানা
পুদুনা ঐগীদা লাকলম্মী, ঐগোন্দা মপা মচা অনীমক্না খুরুমলগা
ঐনা পীয়ু হায়দনা নোট চবুল অমগা কংলম্মী—

“ইবুংঙো ইচা অঁসে ইবুংঙোনা মপোক অমা অমুক পোকপী-
রবনি। করিনো অমত্তং হাবীয়ু। মতুংদা কাওবীগনু।”

ঐনা লেপ্পা কেশ মঙ্গল ওইদুনা মীহাৎপগী মরাল পীদুনা
লাগৎলকপা মী অমা ঐনা থাদোকপীরবনি। মী হাৎপদগীদি মী

কনবনা হেন্না ফৈ হায়নৈ অদুবু ঐনা কল্লুরিবা অদু করম্বা মী-শকনো ? চেগী সরকার, চেগী বিচার, চেদা চুল্লগা লোইরবা হৌজিকী চৎনবী আইন, মীশক অদু ঐনা অমুক থিৎকবগী করি কান্নে, আইনগী মমীত্তা দোষ লৈত্রবা হুপা অমনি। অদুবু অস্তুম্না কোক হেক লান্থোকপা ঐহাক ঙংলমদে—লৈবাক অসিনা থবদং চাওরম্লবা নত্রগা পৌদোক অতগী মরীদা কবিমত্তা নাকোং অসিনা তাম্নগত্রবা ওন্থোক্না নুংঙাইবমগনি।

—অওইবমক তাখ্রবা মিকপ মির উখোম্নি, থন্নুং শোক্রবা অদুদৈগী খোঙ্গেন্দুমকনি ইন্নরি ঐবু কপ কপ্তুনা থেঙলবা অহিং কনাম্নু লৈত্রবা অহাংবা লমদোন অসিদা। হায়জনীংলকই অমুক্তং ঐবু শাওবম্নু হায়দুনা। অমম্বা অহিংনি মহাক্না ঐবু শীংনরবনি—আইনগী মমিং পানগনি হায়বা থাজদে, ঐগুম্বা উকিল অমনা মমিত্তু পুনশিনগে লাক্লত্রবস্তু। খোঙকাপ থংলাউ লাউরম্মী মঙম ইশান হেক শান্দনা চেনবা হৌরে, চেল্লে ; কপ্তুনা তাল্লকলীবী অহুলগীদি ঐহাক ফনা লাপ্না চেল্লে হায়বা খঙলে অদুবু লমথাং অতুদা তাম্নরকপা মথল মথেলগী আইনশিংদগীদি ঐহাক লাপনা চেনবা ঙমদ্রে, ঙমগনি হায়বস্তু থাজরক্ত্রে।

অহুমকস্তু চেনবদি তোকলমদে, তোক্ত্রি।

(৯)

কেপ্টেন উইলিয়ম

চীংনুং মান্নুং ফ ওড়ুনা শন্দোরক্লিবা নিংথম থাগী খোয়থুম্নরবা নুংশাগী মঙাল তান্নরকপদা ঐখোয় অনীমক চকপী তুরেলগী মথক্তা শারিবা মখোঙ য়াওদ্রবা থোঙ অহাইবী অদু য়োরকলে। থোঙগী থোঙখক্তা লেপ্লগা য়েংথখিবদা থরোই মহীগুম লূরবা চকপী তুরেলগী ঈশিংদা অকি অথং লৈতনা চেন চোংতুনা শান্নরিবা ঙা মচাশিং অদু উবা ফংই! তুরেলগী তোরৈ ইন্দুনা অস্নুম অস্নুম য়েংখোকলুবদা নুংশিং নুংশা চঙদ্রবা অশোংবা হিদেন তাফম ওইনা তৌবা মফম অমদা পুংকক চাওরবা অঙাং অনীখক্তা য়াম্না মথরাই য়াওনা খোই চোপলিবতু উবা ফংই; মখোয় অনীম্নু ঐখোয়রোমদা য়েংখৎলকই, ঐখোয়বু হেক উবদা চিবোন চিবোন ঙাংনরগা মোংশোং মরক অতুদা লৈশিনখ্রি।

শেমগৎলকপদা মঙাইরিবী চকপী কারোংগী হেড কার্টরনি। মী থোইনা য়াম্না তাদ্রি—খোঙদগী পংলাপ লাপ্তনা কৈথেল মচা অমা শেমগৎলকপগী মমি ওইনা হোটেল অমত্তংগা অদুগা শাগৎপদা মঙাইরিবা ফকলাংনচিংবা থাদ্রিবা য়ুম মচা অমা অনীদংগা তরক তরক লৈ। হোটেল মমাং অদুদা ঐখোয়না ঙরাং তোংলকপা বস-গাড়ী অদুমম্নু থারি। অনৌবা শেমগৎলকপা মনুং হুক্লিম্না তারিবা ষ্টেশন অমগী অনৌবা শক্তমনি।

শহরগী নীনখোংবদা হৈনরবা ঐখোয়দা য়াম্না হৈনদবগুম

মরুপ কবিশিংছ পুবীরক্লরবদি কবিতা খবদি তাবা ফংলগদবনি অসাইনা।" তাঞ্জা অসিমক্কদা তুরেল খোঙলুং অসোমদগী ওন-থোক্লা শাথিরবা মীকপথোল অমা তারকই, খঙহৌদনা ঐখোয় অনীমক তুরেল খোঙলুং অসোমদা য়েংথরুবদা অহল ওইবপ চৌরবী লুপী অমনা বাশ শাজৈ হুঁইহুঁই লাউব অমনা ঐখোয়না উথিবা অঙাং অনীগী মবক্কগী অমবু য়াম্না শাথিনা ফু-ফুহনা পুরিবদু উরে। মানা ফুবগী শেং শেং লাউবা চৈফ্ তুরেল খোঙ-লুংগী অশোংবা চাংজো অনীনা থোন্থা' য়ৈরকপদা অঙকপা ফংবা চৈনাথোল অমা হকচাংদা ফাওরকই। ফুবিবা অঙাং অদুগী মমাংদা অতোম্বা অঙা' অদুমনা মাবু ফুবীরক্কনি কিবদগী তুরেলগী অঙম্বা লৈরাইদু কাথত্তুনা চেনগদবগী লাক্করি। বাংগা বাংবনে চুমগা চুম্বনে মহাক কাখংলা ওন্থবা, কাখংলা ওন্থরা, অদুম লৈবে।—

য়ে'বা লুংঙাইত্রতুনা ঐনা "ফুবীরন্ন ইমা, অইংবসিদা!" হায়না লাউ লাউত্তুনা অহল অদু তম্না চেনশিল্লি। মথোয়গী মনাক হেক য়ৌবদা অঙম্বা কাখংকে লাক্করম্বা অঙাংতুনা ঐগী ইচুংদা ঐগী ফিজি পায়দুনা, মশা পুম্বা চে'থৈবগুম নীক্কদুনা লোংকদবগী লাক্কে, অদুবু মঙোন্দদি খক তানশিল্লক্তে অহলদু, অতোম্বা অঙাং অদুতবু ফু-চৈরি। ঐনা চঙশিন্দুনা অঙাংদুবু কল্লে।

অহলতুনা য়াম্না শাওনা হায়রকই—য়াম্না কত্তবা অঙাংনি মদো, মানা হৌদুনা অঙাং অসিমা মাঙহনগদৌরি। মপা লৈতে কত্তবা অঙাংনি মহু।

অমুক চৈ থারক্তে, অদুবু ঐগী তুংদা লোংলিবা অঙাং অদুদি ঐগী নাক্তা উরুরু লৈশিন্দুনা লোংতুনা অদুম লৈহৌরে।

... ...অমদি মশা শাগন লাক্তুনা অহন্দুনা পুদুনা

ঐগী নাক্তা লৈরিবা অঙাংদু ঐঙোল্লোমদা তঙক তঙক—য়েংলকই, মাবু ফাগদোগুম নীংলূবমাল্লে—

ঐনা হংই, "নংগী নমিং করি কৌই ?"

"উইলম !"

"উইলিয়ম ?"

"হুম, উইলম !"

"নংগী য়ুম কদাইদনো ?"

থোঙ ৱাংমা অদোমদা মখুৎ থিন্দুনা তাকই।

"হন্নবীদো কনানো ?"

"জেক-কী মপোক ?"

"করিগী ফুরিব ?"

"ঙা ফাবগী ?"

"ঙা ফাবগা কৈদোই ?"

"সাহেবনা ফাই, জরি তৌই, ফুইয়ে।"

অসি হায়রগা অঙাং অদুনা ঐঙোন্দা য়েংলগা তেকথ্রবা য়ামাংগী ময়াদু উবমখৈ নোকই। ইচম চম্বা লৌথুপ লৌকোই য়াওদ্রবা মাগী মমায মায়থোংদু উবদা ক্ন-শিবা পোক্লে। অমুক ঐনা ঐনা হংই,

"নংগী ইমা লৈব্রা ?"

"উম।" হায়রগা মকোক নোমই।

"ইপাদি ?"

'হুম' হায়রগা ইঙক ঙক্না য়েংখৎলকলে।

ঙাংনবিঙে চৈরক্তা অহল ঙইরপ তৌরবী অমা লাকপা উরে। মাবু হেক উবদা উইলিয়ম মমিং মনা চপ য়ুংখ্রে, ঐগী তুংদা থৈজিন্দুনা লোৎপা লাক্লরি। অহল অদুনা চৈ-থাংলদুনা ঐখোয়-রোমদা চঙশিল্লক্তুনা অঙাং অদুগী মশা শাগন পায়দুনা চিংলরবদা ঐনা অস্নম্না খাম্মী—

"ইমা করি তৌবে অদুগ শাগবিবো ?"

"লমহেনবা অঙাংনি সাহেব, লোম্না ঙা ফাকম্ন য়াতে, লম্বনা থিরকনি, জবি তৌকনি।"

"ঐহাক ঙাংনরগে ইমা লম্বুদ, অঙাংসি কুবীবন্ন।"

"যাম্ভনে সাহেব !"

হায়রম্লগা অহল অতুনা উইলিয়মগী মশা শাগন পায়দুনা থংচিং চিংলকই। মাদি ঐগী ফুরিংকী ফিজিদা কন্না য়াম্লয়ে, ঐগী ফুরিংকী ফিদোন ফুরিংখাউ ফাওবা শেগাইরে। মতু উবদা চিংলম্বতু খংথা থাদোকই; উইলিয়মদি থাদোকপদি লাইরহনা ঐঙোন্দতুম কোনশিল্লকলে কপ-লাউবহনা। অহল অতুস্ন তৌকম খঙদ্রুনা লেপ্লনা লৈরে—চৈ থাংবদি তোঙ্গি।

"ইমা ফুবীরন্ন, অঙাংসি য়াম্না কিরে। উইলিয়ম লাকউ চংলসি নখোয়গী য়ুমদা থিনবীরগে !"

ঐগী মকপতা অঙাং অতু থিনবীকখিগে, মহাক আফিসতা লৈরম্মো হায়বগগা ঐনা উইলিয়মবু পুদুনা অহল অতুগা ঐখোয় অতুম মহাক্না মখুৎনা পিন্দুনা তাবখিবা অদোমদা, চকপী তুরেলগী থোঙ অহাইবী লাম্থোক্লুনা, নোংপোক পাংবোমদা লাকমিন্নরে। কনা শাংনা চংলগা অহল অতুনা মখোয়গী খুল য়োরে হায়না তাকলকই। মখোয়গী য়ুমনি হায়দুনা থোইনা পংচাও চাওদনা ওবা তরুবা য়ুম অমা তম্না ঐখোয় অহুম্মক চঙশিনমিন্নরে। য়ুমদু হেক য়োবদা উইলিয়মনা ঐগী খুৎ থাদোক্লুনা ইমু লোমদা চেনশিনখি; ইমুং মনুংদা চৈ থাংলকপা তারকই, উইলিয়ম অমুক চেম্থোরক্লে। হংদক্তি নহা ওইরিবী মশক মতৌ চঙখোল্লবী নুপী অমনা তাম্নরক্লে। হান্নগুম মহাক ঐগী ইনাক্তা চেনশিল্লকই—

ঐবু হেক উবদা মৌনহাডু চৈ থাংলম্বা খংতোক তোক্নুনা ইমুংলোমদা তুমিন্না লৈশিনখ্রে—উইলিয়ম্না ঐভোল্লোমদা য়েংখৎলকই, ঐনা হংই, "ইমারা?" মানি হাযনা মঙক হায়বকই।

"ইবেম্মা অঙাংনিনা খঙদতুনা তৌরিবনি, শাওরমু। লম্বুদো ইবুং ঙংনরমগে চৌকিদারদস্মু হাযবমগে, করিমত্তা তৌহল্লোই।"

ঐখোযগা লোইনবকপা অহল অদু চঙখ্রে, যৌনহা অতুম ঐনা হায়রিবা অদুদা পাউথুম অমত্তা পীরমদনা খোঙজিনপান্দগী লৈশিনখ্রে। ঐহাক চৎসি কদায় চংকমুসি কদায় তৌফম খঙদ্রবুনা উইলিয়মগা খুৎ পাযনদুনা লেপ্লম্মদগী মহাক্না ইমুংদা চঙসি হায়দুনা চিংলকপদা য়াদবা ঙমদ্রদুনা ইমুংদা চঙশিল্লে। হেক চঙখিবদা ংনান •নানবা ক। অমা লৈরি, পীক্তক তৌবা টেবল অমগা চৌকী অমত্তগা থাবিবদুনা কা অদুগী লৈতেং ওইবি। ঐখোয় অনী তুমিন্না লেপ্লদু উরমংল্লে উইলিয়মগী মমানা ইমুংলোমদগী চৌকীদা ফম্মু হায়না তাক্লকই, ঐসু চঙশিন্দুনা ফম্লে। চৌকীদা ফম্লনদা মায়োক্না ফম্লাদা থেংলিবা ফোটো অমা উরে—অভোবা ফিজেংনমক্লা শেংলবী, অঙোবা কোকথুম ফিনা কোক্নী লৈতেং ওইবগা লৈখন শুনা ভিল্লবা লৈগী নিংথিববা চবুন অমা পায়রিবী, মপুমমবৈ ফাবরী মুপী অমগা, মাগী তুং ওইবপ্পা অমুবা স্যুট শেংপা পাখং অমগা মখোয অনীগী। ফোটো দু উবদা ঐহাক পুক্নীংদা নিংকোক নিংকোক মুংঙাইতবমা যাওরকই। উইলিয়ম্না নোক্লদুনা হাযবকই—

"ইমাগা—"

অাঙ্গাহুমক্তদা উইলিয়মগী মমানা শঙ্গোম যাঙদবা চা কপ অমা মাংদা থাবিবা টেবল অদুদা থম্লরে। ঐনা খঙদবা লোন্না মচাদা বাহৈ অম-অনী হায়খি, করি ওইরিগদনো খঙদে, হরাঙবাও নোকচরম্বা উইলিয়ম মুংগুক-মুংজানখ্রে, চীংলেম্না লৈখ্রে।

মিকুপ খরদু উন রাইমুক-চিকই, ফোটোরোমদা অমুক য়েংউরি, ঐনা অদুম্না য়েংবদুদা করি চংনরংনো। উইলিয়মগী মমাসু ফোটো-দুদা য়েংখৎলকই, ঐনা হংই,

"উইলিয়মগী পাপা ?"

হংকাপ্রিডেদা উইলিয়ম্না খুম্লকই, "উম !" অমুক হংই, "পাপাদি উদেনা, কদায় চৎখি উইলিয়ম ?"

পাউখুম অমত্তা পীরকখিদ্রে, মমা মচা অনীমক তুনিন লৈখ্রে। ঐগী পুক্নীংদা অকনবা ঈহৌ অমা হৌরিবগুম তৌরকই, ঈহৌদু খিংগে মতাগুম মনিল কাবিবা শারবা চাদু থকচিল্লি। উইলিয়মগী মমাগী মায়থোং তঙাং তঙাংনা উবকই, মহাক্কী মপুক্নীংদা চৈনা অমা কাওবগুম তৌরি; মমায় মায়থোং লৈথোক্তনা অঙাংবা পদ্দারগী ফিজিন মচিনা মমায় খুমজিনখিবা উরক্রে।

কা অদু মিকুপ খরদি উন রাইমুক চিক্লমগনি নীংই, কনা অমত্তা রা ঙাংখিদ্রে, উইলিয়মতদি মমাদা অমুক ঐঙোন্দা অমুক চঙ্গৎ হন্দা য়েংদুনা, মগী মপুক্কী অপাম্বমা থিংবা ঙমদবা মতৌ উংলি। ঙাইহাক লৈরগা কাউখ্রবা ঐগী রাহংগী পাউখুম ওইনা মমানা হায়রকই—মহাক ইম্ফাল চৎখি।

অসি হায়রগতা তোক্তে মহাক, হিক হিক কপ্লকই। ঐহাক মকম খঙজদুনা তুমিন্না অদুম ফমলে। অদুপ শারবা চাদু করম্বা মতমদা লোইখিবগে খঙহৌদ্রে; চৎলগে নীংদুনা ফমফমদগী হৌগৎলকপদা ফোটো অদু মায় মপা চপচানা উরকই, নকশিল্লুবদা উইলিয়মগী মমা অমসুং পাপাগী মমিং ইমক মকশিন্না টাইপ তৌদুনা ফোটো মথাদা ইরম্বদু উরে—

তুরেলগী ঈচেলদা হঙ্গৎনা ঈরোইবগুম তৌরে নিংদোন পাম্ম অকনবা ঈরৈগা ঈরাইনরে—"ইবেম্মা লুসি, ইবুং হল্লে—

মথা থোইদোকপা তারমদনা অহুম থোক্লক্রে। পরপ পরপ লাক্তুনা এস, ডি, সি, গী বাঙ্গলো ঐথোয়গী য়ুমথুংফম য়ৌরকলে! ঐনা লাকপা মুমিৎ হুম্নীগীদমক তমহুনা লাকপনি অহুবু নোং-মাহুমদা থবক পুম্নমক লোইশিল্লে। পুক্নীংদা হৌরক্লিবা ঈচাও অহু খিংঙমদবা ওইবকই, য়ুম য়ৌনীংবনা মুমিদাং অহু তুমফম চাফম খঙদনা অহুম লেল্লে। নোংঙানবা ঙাইঙমদনা বসগী ড্রাইভর হৌদোক্তুনা বসতা কাখৎলগে তৌরুবদা ইউলিয়ম ঐগী তুংদা লেপ্তুনা ঐবু শংত্রিক য়েংহুনা লৈরম্বহু উরকই—মরায়বক থিরবা উইলিয়ম!

"উইলিয়ম! চৎলগেকো বাই-বাই! ঐবু কাওগনু!"

"উম, বাই-বাই!"

মমিৎ অনীমক পিনা পুমথুম থুমহৎ ঐবু বিদায় তৌরকই। থিন্দনা বস অহুম থারে।

ইম্ফাল হেক য়ৌরকপগা ইন্দোমচাহোয়রোমদা অহুম চৎলে অহুবু মাগদি থেংনদ্রে, মমৌহুপীনা তম্মি—"ইবেম্মহু অঙাং উনরে হায়হুমা অবোক্তি ইবেম্মাহোয়দা লৈখি।" অসিমম্মু হায়রকই, "লেংঙকপা ফরেদা, ষষ্ঠী পূজা নংনবা কনাদা পাউ চেনগদগে থন্নরম্বনি।" থঙহৌদনা চোকথরকই ঐগী পুক্নীং-হকচাং; বানা চৎলে ইন্দোমচা উন্নবা। ঐহাক লাকই তাবদা ইন্দোমচা চেন-থোরক্রে, লৈরম্বা মী পুম্নমক পুমলাং লাংনৈ, ঐবু হরাও হরাও ওকপী।

"ইচা লাকয়েদনা ওরাং মঙদা নত্ত-নরবা উরম্মী থন্দুনা অসাই অযুক বৃন্দারাণীদা শিন্নথোকলুরবনি ইমানা। তারব্রা, নচনসে মচাম্নুপা চাওরবা অমা ফংজরেনহায় ইবুংঙো। ইমাননে ষষ্ঠী অসি নহাক হেক য়াওহন্নীংবনা! মাগী হায়ববু নংতা মঙাইরেদো

ইশুগী হেন কনানা কাপকনি ব্লারম্বদি শ্রীগোবিন্দনা থৌজানবীরে। পাউসি কনানা তম্মী আদদি ?"

ঐগী পাউথুম অমুক ভাইবমদনা মখা তাশ্বরকই,

"মুপামচা ইবোতোম্বী থোরকউ লাউনে নংবো, নবাইবুংগো খুবম্মূলাউনে। অঙাং অদু নংনা য়েংবদা চাওবা ভম্মরোই। য়েং-ঙোই, শান্নপোৎতু ভাইরে মচা অসি মানা য়েংলিবা—।"

পৃমলাং হেক লাংই ইন্দোমচা।

ইবোতোম্বী পরপ পরপ থোরবলে ইমুংদগী। ঐগী মাংদা চঙলক্তুনা ঐহোন্দা মকোক লৈপাক শোক্লা খুকমই। ঐনা করি তৌরুববনো খঙদে ইন্দোমচানা হায়রকই "হৈমা নংবু খঙদ্রবনে অসিবো ?"'

"ইহে—মঙ্গল ওইয়ু।"

"নচনম্ব অমুক্তং উম্নরম্মুদনা, অচিনবা লৈহৌত্রা ?"

চরুনা শাবা মীদোনা ইন্দোমচাগী মতুং ইন্দুনা ইমুংদা চঙ-মিন্নরে ঐথোয অনীমক। ঐবু হেক উবদা তবা তবারবী মচিন-বান অদুনা কৈনাতোম্বীনা "তামোয়াইমা" হায়না কৌরগা অঙাং ওইরিবৈঙী মমিং খুজিন্না নোকপা মিনোক্তা ঐবু য়েংলগা হায়ফেং নোকই। দোষ লৈত্রবী খুঙ্গংগী মুপীবচা, নৌনা লুখ্রা ওইহৌরবী মমানা মপাম্বোমগী পাঙ্গলতনা মহৈ মশীং তমহন্দুনা বিশ্ববিদ্যালয়গী ডিগ্রী ফংলবী, মীনা মশক খঙবীরবী ঐগী ইচন্নি। মাগী মিনোক ব্লাঙাং তাবদা মহৌশা অমুক্তা তাখিদ্রিবগুম ঐগী শম য়ুংখৎলি. তু চুংই, হকচাং তনিক তনিকই। য়েংথোকখিবদা ফুঙ্গা ব্লাংমদা ইবোতোম্বীনা লেপ্তুনা য়েংলিবদু উরকই ! করিনো ঐনা তৌগদবা? ইপাম্বোম অনীমক চোকথরক্লে, অস্তুম্মক চোকথরক্লে।

"নহাক নশা ভমদা লাক্তবা করিস্থ তৌদেদনা ? ঐহাক

মুংঙাইমনখ্রদুনা নংগা উন্নগে চেল্লকইবনি। লাই-গুরুগী সেবা তৌ।"

হায়দোকল্লুরগা মিত্তগী পি চদুম চদুম শিন্থরক্লে, মথা তাবা ঙমদ্রে। ঐগী ইতৌতু ঊবদা ইন্দোমচাস্তু মমায় খুমদুনা কপ-লকলে। তুপীমচা কৈনাস্তু মক লুবথখ্রে; মহাক নীংশিংলম্বা য়াই মহাক্না চেনখ্রবা মতুং নোংমা কোনবদা ঐখোয়না মাগী মব্রা হংবা লাকপদা মাগী ৱাঙাং তাবগা ঐনা মাগী মমাংদা কপখিবদু।

অমুক্তংদি উন্ননীংলম্বনি ইবোতোম্বীগা ঐগতা অদুবু ঐহাক মাগা উন্নগদবা কিরে; মহাক্না লোৎলিবদু ঐহাক খঙলবনি। নোংমা অদুতা নত্তনা চহী কুন চুপ্না ঐহাক মাগা নাইতোম উন্নবা ঙমখিদ্রে—অকিবা অসিনা ঙমখিদুনা।

চহী কুনগী মতুংদা অকিবা অসি কোকলকই। ঐহাক কুইরবা চহী কুনগী মতুংদা চকপীকারোংদা পোষ্টিং তাদুনা চৎখি-বদা, উইলিয়মগা উন্নজবা ফংলে। মহৌশাগী ৱাদু নীংশি-লুবদা মহাক্না ঐবু কোল্লগা হায়রকই, "ইপা নংনা কনবীরমদ্রবদি ঐহাক লম্থুনা ফুবমগনি, অবোকনা ফারমগনি। ঐহাক হৌজিক মিলিট-ৱীদা চঙদুনা কেপ্টেন ফাওবদি ফংলে। ঐহাক ছুটিদা য়ুমদা লাকপনি।"

অসি হায়বগা ঐগী থৃত্তা চানীংবামা চাও হায়দুনা লুপা তরাখক পীবকই। মমল য়াম্বা মনানি। তুমিত্তুদা কোকখি ঐগী অৱাবা অকিবা, অদুবু মাবু পোকপী মমা লুসিদি মচাগী মুংঙাইবদু উজবা ফংখিদ্রে, মন্নুং মতম চাদনা মহাক লাইরৈবাক তানখিরম্লে। অদুগৈগী ফোটো অদুদি অদুম লৈরিগদ্রা হায়বদুমদি ঐহাক থিরুদ্রে—থিরুবগীসু কান্নবা লৈত্রে।

(১০)

নমীং নমাং হোত্রোং হো

মথন্তা খুকউ য়ুম শানা ফম্লগা বনবীর সিংহ মমায় মায়থোং লুকথদুনা কপ্পগুম তৌরি। জেল মন্নুংগী পীকল্লবা কা অমদনি। মফম অদুদা অস্থুম্না লৈরকপা মতম কযা কুইববগে হায়বা মহাক কাওখ্রবগুম তৌবে। মহাক্না খল্লিবদি করিগুম্বা মহাক্না মাগী মুপীনা হায়বম্বু ইল্লমন্ত্রবদি মহাক অমুক কা অসিদা লৈরমদম্বু যাইকো হায়বসিদনি !

ব্রহ্মাদেশতগী মমালৈবাক্তা চংলগা মুংঙাইকগনি খন্দুনা গা কনা অমগী মফমদা চঙজফম ফংজ্রবদা মাগী মুপীবু ইম্ফালগী মুসাফির খানাদা হায়জা-চংচনুনা থনম্লগা মথা পাংনা লায়বক রেংঙুগে হায়দুনা চংপনি। মাগী অরৈবা শেনথুম খরা অদুনা অফংবা মোজা ফুরিং, ফিরোল খরা পুম্না লৌরগা হেক থেঙনবা কৈথেল অমদা কারবার তৌরুগনি লাকপনা মহাক শুগন্নু য়ৌরক্লম্মী। হবা গাড়ী থাফম থোংনাংথোঙ অমদা ফমদুনা কারবার তৌরিবনি হায়দুনা য়োনবদু নোংমদা বানা শিংলি অমত্তং-কা। শেল তোংবদি লাইরদুনা অশিংপা পৈশাদুনা অচৌবা মবুক্তু থনবা ঙমদে. চরা নাম্মতং চি লাউনা কোমৈ। মোজা ফুরিং দজন অনী অহুম পুরকপা শাবনদি ওইবাপোং নত্তে। হুমিদাং —— লৈজদুনা রামপ্রসাদকী হবাই-চেংরাই য়োনবা দুকানগী

— —লি।

মাগী অরাবত্ন উবদা রামপ্রসাদনা মৈতৈমচা মরক্তা মপান্দগী লাকপা হাযবত্ন মখোয় অনীদা ভাইবগা মুংশিরত্নুনা দুকানগী মাঙ্গোল মচিদা লেকপদগী মাগী গাদীদা লেকহল্লম্মী, মুংথিন্দনা দুকানগী মাঙ্গোনদা মাগী পোৎ-চৈশিংত্নু য়োলহল্লগা, মাগী চান-থরুবগী খোং থাকপা ঈশিং-মাইশিং শোকপনচিংবা থবকস্তু তৌহল্লি, মত্নুগী অরামম্না মাগী মবুক থাকপী। রামপ্রসাদকী ইমুং-মনুং মচা মশু কনামত্তা য়াওদে. মথস্তনি মহাকস্থ। অত্নুবু মাদি মফম ... কুইনা লৈরক্লবনি হায়ত্নুনা খ্বায়না চান্ন-লুনা তৌনীরে, ...কাইনা ...ত্নুরাইদা লৈবিবা পুম্নমক্না মমা মচাদোনা লোইনবীরে, লৈ...ইনা হংনরে, মাগী মপোৎ-মচৈ শোৎ-লঙত্নুনা লৌনরে।

...রনা মাগী নুপী ফাওবা কাওথোকপমথৈ মফমসিদা ...রবগা ফনা কইরে।

...শৌশি পুন্সিগী মতেক অমা নীংশিংলম্মী ফমনা ফমনা! ... অসিমক্তদা জেলগী তফাদার অমনা কৌরকই,

"বনবীর নহাকপু উন্নবা নুপী অমা লাকই, থোকলকউ লাউ!"

কা মচা শত্নুদগী মী উন্নফম কা অদোমদা লাক্লে। য়েংথৈনা খাক্লল্লবা কা অত্নুগী মাংমদা য়াম্না নহা ওইনা উবিবী নুপী অম লেপ্লবত্ন উরকাল—বনবীর অহানবদা ভক্তক তৌবম্মী, অত্নুবু গঙ-লবগে নুপী অত্ন অতৈ নক্তে মহাক্কী তাজ্জনি। মভোন্দগী চহীদা য়াম্না নহা ওইবিবী তাজ, নুমিৎ অত্নুদা তেন্না অমুক নহা ওইনা উবরুই। তাজনা মহাকপু হেক উবদা নোকমি নোকমি তৌরত্নুন হায়রকই "কারগীনো নহাক্তা ঐবু উরগা ইঙক ভকপগুম তৌরিবো? ঐনা অস্তুম্না খিরক্কনি হায়বা খাজরুড্রবরা?" বনবীর তুমিন্না তাজবু মিৎ কুপ্তনা য়েংত্নুনা লৈরে, অওইথমক মখোয়না ব্রহ্মা-দেশতগী লাকপদা মহাক্কা তাজগীনি হায়ত্নুনা করি অমত্তস্থ তম্বিরমদে,

মহাক থঙই তাজগী শেংনা চানবা হায়ববু মচি মচিদা য়েক্ত্রু মগী মমিমক্কা মঙাইগৌরবা সলবাব, কুইনা শিজিন্নমনবদগী মফোল ইথোক থোক্রবা পাইজমা অদুগা ফিমন্দগী ফিমন ভাহৌবনা মাগী অঙাংবা তুপান্দ্রা ! অদুবু মাগী তাজদি স্বর্গগী জগোইশাবীগুম শেং-চাদুনা লাকলি, অঙাংবা বেশমগী সলবাব, পাইজমা, অতিয়া মচুগী বেশমী তুপাক্তা. নাতোন্দা অঙাংবা নুংথিননা নাসিকা।

তাজনা অমুক হায়রকই, "নশম ননাহু নিংথিনা শেমজিন শাজিনবা য়াদ্রা ? য়েংবা নুংঙাইতে। নংগী শেং-চানবা ফিরোন্নি ঐনা পুবকইবসি। গুরু গোবিন্দগী কৃপাদগী উকিল অনম্ব ফংলে। করিমত্তা রাকুরগনু ''

মহাকা হংনাংলম্মী "কদায়দগী পৈশানো ?" অদুবু রাহং অত্ত মাগী মচিনবান্দা থোরকউ হাযবা যাখদ্রে। অদুগা মহুক্তা মথুং অনীনা যোংকী নাচৈশিংদু থুডম চেংনা পায়রগা মক লুক-থদুনা লৈখ্রে, মীনা কিনরবা বনবীরগী মমিং অনীদগী মপি শিন্থবকলে।

"ঐহাক তারে নগী রাবী পুম্নমক, কপ্রুনা করি কান্নগনি ? হৌখ্রবা রা অদুগী করিস্থু রানীংঙাই লৈত্রে, তৌবতবু নহাক্কা নংনা তৌক্রবা থবকশিং অহ্ পুলিসতা তেংনা হায়দোক্রুবদু চুমদননি অদুবু রাক্রুরগনু !"

তফাদারনা মতম লোইবে হায়না মখোয় অনীমক্তা থঙ-হল্লম্মী, বনবীব রা অমত্তা হাযরমদনা অদুমক চঙখ্রে। তাজনা মাবু য়েংদুনা লৈতৌবিব্রা হায়বা ফাওবা যেংলমদ্রে।

মাগী লৈফম কা মনুং য়ৌরকলবদা তাজনা মঙোন্দা অচুম্বা রারী অহ্ লীথে ক্লুই হায়না শাওরম্বা মহাক্কা তৌখিবা পুম্নমক্তু অমুক নৌহৌনা নীংশিংলম্মী—পুম্নমক্তু নীংশিংলুরগা মমাংদদি শাওবা ঙমহৌদ্রগা হৌজিক্তদা তাজবু চৈরকলম্মী, "অপংবী মুপী

রা অসিবু ঐনা ঙসি ফাওবা হায়দোকলমদ্রবদি ঐহাক হিংলম-খিগদ্রা ?" মহাক অমুক ইশি শিনা নোকলম্মী—মহাক্না কয়া রানা অহিংবা মী অমদগী অহিংবা মিৎ, অমত্তসু নত্তনা অনী পুন্না লৌরবা ফাওবদা মাগী ফত্তবা মিৎ নাম্মহুতং শিন্দোকপা হৈবা ডাক্তর লৈরমদ্রে। অকিবগী মশক ফংলবা থৌদোকনি—

শুক্না মম্বা অহিংদ'ন, মাবু চঙজফম পীখিবা, মহাক্না অন্নদাতা-হায়না কৌহুনা মাগী তৌবীমলবু শিংথাখিবা, রামপ্রসাদনা গাদী মথক্তা ফমহুনা মানা রানা তাঞ্জবা পৈশাশিংহু খিদোক্তুনা হিসাব শুবম্মী। বনবীর উইরোল উইবোল তুমথরুবদগী মিকপ থংথোক থোকলম্মী, থুদক্তা নীংশিংখি ব্রহ্মাদা লৈরিঙৈদা নোংমা মাগা তাজগা মাগী মিৎ নাম্মহ য়েংলুবদা ডাক্তর অমনা হায়খিবামা, "নহাক্কী মিৎ অসি ফগদবা হায়নবু কনাগুম্বা মী অমদগী মমিৎ লৌথোক্লগা শিন্দোক্কদবা মডাই।" মহুদা তাজনা মঙোন্দা হায়-খিবা রাফম বনবীর তুমথবা য়ারমদে। রামপ্রসাদ নোংঙাল্লগা ইম্ফাল কাগনি, মহাক্না চৎখ্রিঙৈদা হুকান অহু য়েংলম্মু হায়না অয়ুক্তগী হৌনা মঙোন্দ শিন্নরমলবনি। ইম্ফালদা কাবা হায়বহু মাগী পৈশা থিঙ্গৎপা চৎপনি—অহুনদি অয়াম য়ামদদি খঙদ্রে রামপ্রসাদ পৈশা থরদি মথুত্তা লৈরে। বনবীরগী মপুক্নীংদা অসি-গুম্বা অমুক্তদা অনী থোক্না কান্নবগদবা লাইনা পীরবা খুদোং অহু নাম্থোকহন্নীংলমদে।

মথা তাবা থৌদোকশিং মহাক অমুক নীংশিংনীংদ্রবনি অহুবু অমুক্তংবু হৌরুববদি মথং মথং মরম্নাই চেম্থরক্লে—

ফনা কুইনা ঙাইরবা তুংদা রামপ্রসাদ তুমথখ্রে হায়বা খঙ-লম্মী। পীক্না লৈথহুনা থাঙমৈ লানটেন অমত্তং থাক্লম্মী। বনবীর নাশোন পীক্না শোরফাওবা হোন্দবমথৈ হৌগৎলক্লগা মত্তিক চাবা থুৎলাই অমা থিরম্মী, য়োৎকী চরোৎ মনা থুৎপাই মুঙঙাইরবা

অমা ফংলম্মী। বনবীবনা তুমথখ্রবা রামপ্রসাদকী মখোয়দা য়োংচৈদুনা ঙম্ন্দবী থানা মুকথরগা মাগী অথোবা চুরী মচাহুনা অঙকপা অকিবনা থল্লবা মিংযেংনা যেংলিবা মাগী অম্মদা নাগী মমিৎ অনীমক হিংনা হিংনা কোংখোকরম্মী। কল্লবা মখোঙ নাম্মনা যোংচৈ অঙদা নেংলগা মুকপদুদা রামপ্রসাদতি মেক মাক লাটদনা অতুম লোইখ্রবনি। অদুংনা ফংলবা মিং অতীদু ঈ-নাইগা লোইননা মাগী কমালদা যোমশিল্লগা রামপ্রসাদকী মখাদা থাংলিবা শোয় পদংলগা উপু বাকসিদা যাওরম্মা শেলমইথগা শোপোক্রগা তুমিদাং অতুনগদা বনবীর চেল্লহপানি কনাম্মনা চিংদনবা হাপদুনা ডুকান অদুম্মু মপান্দগী পুনা পানশিন্নগা, রাইথু-শো লোনশিন্নপানি।

—বনবীর কবিস্থ ইত্তো শোকনা শদো থোংলম্মী, শোর ফুইবম্মী। পীরনা কা অতুদা মহাক মশীং থঙদনা হুন্দং হন্দা চংলম্মী। অপংবী নুপী অদুবু শাওনম্মী। মিংচেলদ্রবা নীংশিংবগী শক্তিনা মাগী থৌগি থৌদোকপুম্বা পুতনা লানলম্মী—

মহাক করম্না ইম্ফাল যোগদগে থঙদনা লাকপনা লম্বীদা উ চিংবা হর গাড়ী অমদা তোংখত্তুনা মহাক ইম্ফাল য়োংকল্লম্মী। মথংগী নুমিত্তা কনামগ্রা তাকলমদনা এরোপ্লেনগা কলকতা ভাগা পাইবম্মী। মফম অদুগী খ্বাযদগী ফবা নিংকী ডাক্তর অমগীদা চত্তুনা মাগী পুক্সিদা খ্বায়দগী মমল য়াম্লবা, ওন্থোক্না য়ানা লৌবাক্লবা পোত্তু উহল্লুবদদি শিজিন্নবদা কান্নররোহদোবা পোংশকনি তাকপীরম্মী। অদুবু মহাক্না মঙোন্দগী তেন্না হৈবা ডাক্তর অমা হৈ বি, অয়ুক্কী পুং ১০ তাবদা অমুক্না পুরকখো য়েংহনখিস হায়না হায়বীরম্মী; মাগী মমিং মথা লৈফম্নচিংবা লৌবীহৌই। মথংগী নুমিত্তা মহাক অমুক্না চংলম্মী। ফত্রবা ডাক্তর অদুনা হায়বত্দা থাজরমদ্রবদি মহাক ফারমদবস্থ য়াবনি। মহাক কাওত্রি মহাকপু থানানা ফারবা মতমদা ডাক্তর অদুনা হিগত্তুনা

নোক্লগা হায়খিবদো—ডাক্তরদি মী হাৎপদা হেংবাংগদবা নত্তে, মী কল্লনবগীদমক লৈরিবনি। নংগী চপচাবা লাইয়েং হৌরগনি।

—চপচাবা লায়েং-য়েংসি হৌজিক। নোংমদগী নিনি, নিনিদগী হুমনি, চহী থা ওল্লকলে মফম অসিদা লৈরকলিবা। হুমিং থোকপা, তাবা, জেলদা লৈরিবা কয়েদ্দিশিং, মখোয়বু পান্নরিবা তফাদারশিং, মুংশিং-মুংশা চঞ্জবা কা—অসিনি মহাক্লা থেংনরিবা। করিগুম্বা মহাক মপস্তা শিজবা ওমলবদি মুংঙাই-থাবনি খল্লম্মী—অদুবু মহাক্লা মাগী কনা লৈজব্রবী তাজগীদমক লৈবমক্তি পামলমদে। করিগুম্বা মচান্নুপা অজিৎনা ওসি ফাওবদং হিংলম্বা থোক্লবদি মহাক শিরবগু মমা অসিবু থাকপীগৌগনিকো হায়না খল্লকলম্মী। খল্লু খল্লুরগা বনবীর মাগী মুপীনা হায়বম্বগুম কনানসু খঙদ্রবা মহাক্লা তৌরুবা খবকশিং অদুবু পুলিসতা অমত্তা হেক চিপ্থদবমখৈ করিগী হায়দোকলুরিবনো হায়না থম্মোয়দা খুড়ুম্না ওরম্মী। মহাক খঙহৌদনা মহাক্কী তাজগী মনাক য়ৌনীংলুকপনা লৈফম খঙলমদে, হৌখ্রবা পুন্সিগী অবা মুংঙাই কয়া নীংশিংলক্রুনা ময়াই কারবা শামু লমশাংগুম পিল্লবা কা অদু মাগী ফুইরবা শোরতনা মৈ হৌবগুম তৌরম্মী। অম্সুম্না লেল্লম্মী নোংমদুমা।

মথংগী মুমিত্তা মহাক বিচারগীদমক পুথোক্লম্মী। মাগী মুংশিজরবী নহা ওইরিবী তাজনা মহাক্কা উন্নষ্ণেদা কে-মৌনা শেং চারকপগুম নিংখিনা অমসুং পকচনা শেং চারহুনা কেশ তাবা মীওইশিংগী মরক্তা ফমদুনা লৈরম্বদা অদুগা মহাকপু হেক উবদা তরাম তরাম ওকলিবগুম মঙোন্দা ঙনশিন্দুনা খোইরুম নোকপদু উবদা মহাক অমুক্কং অহিংবা মী অমা ওইনা ফরি-পুন্নিব-দুদগী থোকনীংলম্মী। সরকারনা মহাক্কীনি হায়দুনা হাপ্পীবা উকিল অদুগী মথক্তা অতোপ্পা উকিল অমসু মাগীনি হায়দুনা

লৈরমলে। মপুরক্লোইংদা থাজবা অমগা লোইননা বিচারপতিনা হেক হংলকপা খুদিংগী মহাক লান্দে, থোদোক অতুগী মরীদা মহাক করিমগুা খগুদে, থানানা ওৎ-নৈবদগী পংথুম খুমখিবনি, বামপ্রসাদ কনানো হাযবা শুপথগুমক খগুদে, মহাক্না কলকত্তাদা চংপদি লপ্রোনপোৎ লৌবা চংপনি অসিনচিংবা ওইদবা মক্না খুমলম্মী। অসুম্না লোইখ্রে মগী জবান; মতুংদা সরকারগী অমসুং মাগী উকিল্না অংকপা ফংনা মাগী মাগী কেশনা চুম্মী হায়না যেৎনরম্মী। হৌজিক্তি হুকুম হাযদোকদবদা মগ্নাইরম্মী।

খগুহৌদনা গুনখিবা মাগী মপুকচেল অহুনা মাগী মপানা থোংগী হকচাং কাযাশুা মতুগী মমি ত বম্মী, মহাক চাবা খকপা য়ারমদে। বিচাবগী হুকুম হায় দাক্নি হায়বা মগানিশুবা মুমিত্ত গ্নাইবদা মহাক ও স্থাক্না রাবম্মী।

অমবু ওইববসু অমবু ওইরবসু মহাক্না তৌরংবা থবক অতৈনা খগুদ্রবসু মহাক্নদি খগুই। মগোন্দা হংখ বিচারপতিনা, "মহাক্না রামপ্রসাদকী মমিৎ কোংথাকথি অমসুং মতুনা নবম ওইতুনা মহাক শিবনি হাযবগী প্রমান ফংলে, মসিদা নহাক করি হায়-নৌই ?' খল্লুবদা তুজুংবা রানি— মহাক অভাৱবমক ওইরম্মী। হুকুম হায়দোকদবা মুমিৎ অতুদগী মহাক থাপনা চেন্নীংলম্মী, কবম্না চেনগনি ? অমুক অমরোমদা তাজনা হায়বগুমতুনা থোকখ্রবা অতুগী রাররোই খল্লম্মী মতুসু ওইথোক্তবনি। অরা-বগীসু নুংভাইবগীসু মতমদি লেপ্পা নত্তে, মুমিৎ অহু থিন্দনা য়োরকলম্মী।

বিচার লোইশত মীনা ফিভৌ ফোরম্মী, মখোয়গী মরক্তা তাজসু য়াওরম্মী। অতুবু বনবীরনা মাবু উরমগত্রা খগুদে। বিচার পতিনা শম্নপনা অসুম্না রায় পীরম্মী মতুদি বনবীরসিংহগী মরক্তা থাগৎলকপা কেশ অসিদা মহাক মশানা খুমখিবনি হায়বা

জবানশিং অদু নত্তনা অতৈ অতোপ্পা থাজনীংঙাই ওইবা প্রমাণ কংত্রে; থায়দগী মরম চাবা প্রমাণ ওইরমগদবা রামপ্রসাদকী মশাদগী কোংথোকখি হায়বা মখিং অদু ফরিয়াদিগী তরফতগী পুথোকপা ঙমখিদবসিমক অচোবা মরম অমনি। মরম অসিনা বনবীর সিংহবু চিংনবা অসিনা মরম ওইদুনা মরান লৈতে হায়না থাদোকলবনি।

হুকুম হায়দোক্লবামক্তদা বনবীর মাগী ফমফমদা অহুম ফমলম্মী। মাবু শেল্লবা সিফাইনা 'নহাক জেল কাওবদং চংলুরগা চংপ য়ারগনি' হায়রকপদা মহাক মায়থোং মকা লাম্না উরম্মী। খুদক্তা নীংশিংখি রামপ্রসাদকী মিৎ অনীদু মাগী খুত্তা চেকশিন্না থমখিবনি ডাক্তরদা অমুক য়ে হংদগদবনি হায়না অদুবু মহাকপু থা-ঠানা ফাবা মতমদা মিৎ অনীদু মশাদা য়াংবরমদে। মাগী রুমন্দা লুপা ১০০ চংপী অনী অহুমগা মিং অনীদুগা পুন্না হাপচিন্নখি—ক্রুমান অদু মশাদা মাগী ফুরিংথাওদগী অস্তুম মাংখিবনি। মহাক অমুক হন্না তাজগা উন্নরগনি থাজরবা মতমসিদা মাগী তাজবু উবা ফংলমদে।

বনবীর জেলদা হেক যৌবগা থিন্দনা থাদাক্লম্মী। মহাক্তা থাজবম্মী বিচার লোইশঙদা নত্রবসু মাগী তাজনা জেলগী থোঙ্গাংদা শোইদনা ঙাইরংগনি অদুবু মহাক ঙাইরমদ্রে। মাবু উবদা জেলগী তফাদার অমনা মডোল্লোমদা লাকলম্মী, মাগী মখুত্তা চিঠিথাউ অমা পীরগা হায়রকলম্মী, "তাজ কোই হায় হুপী অমথকনা পীরম্বনি, নডোন্দা পীম্নু হায়রম্মী।"

খুদক্তা বনবীরনা চিঠিথাউদু ফাক্তোক্তুনা য়েংলম্মী, মহাক লাইরিক পাবা ইবা ঙমদে হায়বা কাওখিরম্মী। তোফম খঙত্রদুনা মনাক অদুবাইদা লৈবা মী অমদা চিঠিদু অমুক্তা পাবীয়ু হায়জ-রম্মী। চিঠি মরোন্দ অস্তুম্না ইরম্মী—

"নহাক মঙ্গল ওইবে, য়াম্না নুংঙাইরে। অসুপ নুংঙাইবা মুমিং অসিদা নংগা ঐগা পুন্না লৈমিন্নহুনা নুংঙাইব। অদু ফোঙ-দোকমীন্নবদি ওইথোকত্রে, মরমদি ঐহাক য়ুম পাল্লে। নংগী মতেং পাংবা ঙম্নবা পানবনি, ব্রায়োগন্নু। ঐগুম্বা মুপীনা করম্ন: অসুপ কুইনা হিংবা ঙমগনি, ঐদি করিসু লৈতবীনি। ঐগী হায়বন্থ ঐগী চঙখোল্লবী মায়থোং, মুপাঃশিংনা কল্লকনীংঙাই ওইরবী ঐগী শাওং-শাদা কুচু কুমেন অসিতনি। মসিমক য়াওরমত্রবদি ফনা ব্রায়মগনি। মসিগী মতেংনা ঐনা নংগী উকিল নেকপা ঙমথি। ঐহাক অমুক ত্রহ্মারোম্মা চংলে. কনাগা চংলিবনো হায়বা নহাক থঙলমগনি। হৌখিবগীদমক ব্রাকুরগন্নু মতুংদদি অদুগুম্বা ফত্তবা থবক অদু অমুক তৌরুরগন্নু"

বনবীর চিঠি মবোলতু শোর থবেং থবেং হোল্লহুনা মপুক্কীং চঙনা তারম্মী। তাজনা হায়রিবা পুন্নমক মহাক থঙবগুম তৌরম্মী; চিঠিতু লৌরগা মচেৎ মচেৎ শেগাইরগা খোঙপাক্না নোইহৎলম্মী; মকম অদুদগী মহাক ইফিং ফিংনা চংখিরম্মী।

---

(১১)

কবরদগী চংখিবা শয়তান

উইবোন উইরোন তুনথকরে. য়াম্না নক্না নাপ্পচিক্না চিবোন চিবোন ঙাংনবগুম তাখি, মরোলদি থডনমদে। তু থ্যাউ চুং লম্মী, লৱাইগী শম য়ুংথংলম্মী, শোর হোনবা ফাওবা কিরম্মী, ইশাগী মিহুনফমদা হুল্লিবা মিহুন নাকোং অনীমক শেং শেং কায়না তারম্মী।

সুমিলাং পুং মাপাল্লোম তাবদা যোক্নবনি মোরেদগী লাক্লগা। য়ুমথুাফম ওইকগ ন থন্দুনা থু লুপনি— য়ুমথমক ঙাইরম্লে, য়ুম্বং লৈরম.দ্র— মহাক চত্তুবা হায়ং। সরকারগী অথুবা থবক অমগী চংখিরম্লে। মহাক্না শিন্নরম্মী হায়দুনা নাগী য়ুমদু তান্না আর্দালী অমনা ঐবু থিনবীরম্মী। চান থক্লবা লাংবীরম্লগা মহাক চনখিরম্মী। পিক্লবা লালটেন থাউবৈ অমগা ঐগা য়ুমদোমপোক অতুদা লৈ-হৌবম্মী, তেংনৌপল্লগী চীংখা'দা শাবা মল্লবা য়ুম অতুদা। ৱাচেংনা ফোপ হাদুনা শাবা, ফক্লাং ৱাই তৈদবা ৱাগী কবুকফক্না ল্যাংকাপ ল্যাংকপ থাজিল্লগা শাবা মমিংতা মঙাইবা য়ুমনি। চীংগী হুঁই হুঁই লাউনা শিংলিবা সুংশিংনা ফক্লাংগী অহোবদা মনীং তম্না ফ ওদোক ফাওজিন শান্নরম্মী, মতুনা খোম্থাং য়ৈরম্মী অকনবা শাফুগা লোইনবা চীংগী হাংনা খোংবগা মান্নরবা য়াক্লবা খোঞ্জেল। বসদা তোংলকপদা ফমফম ৱাইওং চাদবদগী ৱামন-খিবগা চারম থকফম থঙদবা চখোম তামং অনী তুরুগা ফম্মুংদ অহুম কাখৎলম্মী।

তুম্মূরব্রা তুম্মূদব্রা হাযবা ফাওবা ঐহাক নীংশিংবা থোক্লমদে; ঐনা তাথিবদু তুমলিদেব্রা মিকপ থোক্লগবা হায়বদুসু খঙলমদে অদুবু কিবনা ঐহাক লৈফম ওঙলমদে। পৈ.হৌ ঙামহৌববা যুম অতুগী ফক্লাংদা ঙা শন্দুনা ঐনা ২ংশ্রিবা কাংনক অদোমদা হবং লংবা মমিৎশিংনা ঐবু থানা চাকনা যেংলিবগুম তোৌবম্মা, অমগা অমগা অবাম খোৌনাংবনা ফুঙ্গ..বা মথনাদগী 'পা-নী' 'প -নী' হায়না লাউরিবগুম শাংম্মা। .. হায়না ঙোনাবদু অসুম অসুম খুইবা হেঙ্গংলম্মা ঙমুকসু মনীং তম্না শিংলবা গু শিংকী শাফুগা তিন্নদিনলগা, নংদ .. শনেংকখিবগুম ঙানৰা। ইখঙ খঙদোদনা ফজ্জৌ থোঙ হ. ে..বগুম ..শিংকী .. উম ..ল ..—মশক মঙ নাদবা অমঙবা নোংগী .. চু .. মু .. ৱাংথ্রং বা..ংা মীৱা লাংবা ঙম লোংশক্লকপা.. .. .. ব্রবমহে ক ম্যাং কোইথু থুন শোংর শোংবা .. .. হেপাম তোৌরম্মা। খুযা ওইবপ্না পাত্র ঙনদা ম শং থবপাহম্ন ...ংম থন্না থন্না কুং কুং যোংথবগী শউম তারম্মা।

হিপজি হাযবদা এঙ .. ম্মী ইশ .. ৈ ..রাইরবনি, উনবান্থাগী অইংবা ফাওরমদে। .. ..থনা থম্নবা থাউম লাংটেংগী থাউমৈ মৈতোন যবং ফরং ঙনা চান্নখনি থুবু মথন্তা মুং-শিবম্মী অমম্ব, ... পং, নী-লাই খঙদবা অমগা ঐগা লৈ নন্নহৌরবনি।

ঈশিং থকপগী শউম লাংখিদ্রে— উন ৱাইমুক চীকখ্রে; চীংমায় যৈনা শিংলম্বা মুংশং ফাওবা তুমন। কা মন্নং ফোপ মনঙনা কনাগুম্বা অনা লৈাকনা বহুগী শউমদি কোক্লমদে। ইখঙ খঙহৌদনা ঐনা গুপ্লিবা কাংথক অদোমদগী ঐনা গুপ্লিবা যিশিংদু লোংলোকবি.. মাবক.. .. ংকপা হৌবকলম্মী।

লুতোম শাংখিরম্মী লৈজবী থডুনা লাউরম্মী— খোঞ্জেল থোক-লমগদ্রা খোক্লমলোইদ্রা !

তুমিং ফনা যাম্না কারম্মে। কা মনুংদা লৈরমদ্রে ঐহাক। স্কুল শঙ্গ'ন হাযবা লম্বীগী বা'মদা লৈবা শঙ মচা অমদা মীনা পুনকোই কোইশিল্লগনা লেবান্না— খুং পায়বা য়াও খোঙ পায়বা যাও। মযামগনা ঐবু পুমযোম যোম্লম্মী। অগল অমনা তাকপী-রম্মী— কিবীগনু কিবীগনু।

নোং-ঙ'ল্লে হাযবা ঐহাক খঙলম্মী অমুগা কনা কনাসু যাওদনা পিক্লবা মুমলোমপোক অমদা ইথস্তা লৈবৌবনি ঐহাক্তি নবস্না ফম অসিদা !

নৈনা ফকলিবদু থুংলবসিদু অমনা হায়রক্লম্মী— "শিদবা লোমদা চানবনি, ঐহাক চৌকরবান সাহেবকী, যুম য়েংবা লাক-পীবা, মাদ শোকইভান্নি।"

"মা শাংবদি নংগী সাহেব ?"

"সাহেবকী যুমদা চঙপিপা অদো।"

"মাবা লাইবা ?"

"দতাইতা মী ! ফত্তবা লোই, শোইতান ববরদগী চংখিবনি। লাই নীংতে, লানতা শিপনি, মকোয় চোমপনি, চাপান লান-কী সিথাই। আ— চীং মতোন্তা। চীংতগী ওম্বরকপা, সাহেবকী যুম মনাক্তা শিপনি। ঐখোয লাই নীংপকী কপব অসিতা থমপিপনি। কপ্লে মুং-তাং তা। খুন তুমপা য়াতে। কপবতগী চংখবনি। ইস কিয়ে — ম মিং লাড়পনি, মু তাং লাকযে, খুনতা হেক হেক চঙপিয়ে, খোঙ নমপিয়ে। ওকশা থাদোকপা ফৈয়ে, মপিপোং লাওয়ে।"

হাযগুম্নতুনা ঐনা যেংথোকখিবদা ঐনা হিপ্লিবতুগী খরা লাপথোক্লগা ওক অমা হৌজিক্তা হাৎপদোনা ইহং নাইহং ৎতবতুনা শিন্তুনা তারিবতু উবম্মী। অস্নুম্না চবাংনি ঙৈ চৈরক অসিদা যোবেলোমদগী জিপ অমা যৌরক্লম্মী। ঐখোয়না লৈবিবতুগী মমাক্তা থারম্মী ঐনা হিপ্লম্বদগী অঙাওবদোনা মপুদা তাক্লম-লাক্লমদনা জিপতা চোংখত্তুনা ফম্লম্মী। ড্রাইভরনা হংলক্লম্মী, "কদায় যৌবীগদব ?" ইম্ফাল ফাওবনি হায়না ঐনা তাক্লম্মী।

চৌকিদাব অতুস্থু ঐগী ইনাক তান্না চঙলক্লম্মী।

"নপোৎ পুরোইব্রা ?"

ঐগী পোৎচৈ লৈহৌরি হাযবা নীংশিংলবদা ঐহাক গাড়ীদগী কুমথরম্মী। চৌকীদারগা লোইননা যুম অতুদা অমুক চৎলম্মী। কা মন্নুং চঙলুবদা পুমচাই চাইথোক্তুনা লৈবম্লে— পোৎশিংদু খুনজিনবা যৌনা বিবম্মী। চৌকিদাবনা পাংবীবতুনা ঐগী পাৎ পুম্নমক পুতুনা অমুক হল্লক্লম্মী। হাম্নগুম্না গাড়ীদা কাখত্তুনা ফম্লবদা চৌকিদাবনা—

ওক্তী মমল লুপা নীফু!

হায়রগা মথুৎ তিংথোক্লম্মী ঐঙোল্লোমদা।

ঐদি শুপ্নগী লুপা কুনথক্তা মযাওই, মসিনা তোকপীবা য়ারোইব্রা ? ঐনা হংলম্মী।

মহাক ইঙক ঙক্লম্মী, মাদা নত্তনা ঐখোয়গী নাক্তা লৈরিবা ময়াম নুংশুক নুংজানবগুম তৌরম্মী। মখোয় মশেম অমগা অমগা তঙক তঙক য়েংনরম্মী, খরা অমনা শাওবগুমস্থু তৌরম্মী। অহল অতুনা কংলবা মিনোক্তা খজিক্কং নোক্লতুনা হায়রম্মী— "য়াপতি য়াই" মথা তাথ্রিঙৈদা অমনা শাওনা "য়াতে।" মহাক্তা মরক থত্তুনা অমুকস্থু "য়াপতি য়াই, ঐনা মাঙপা।" ঐহাক ইকিদা মকিরম্মী; ঐনা চে মচেৎ অমদা ঐগী ঠিকানা ইরগা

অহল অদুদা লুপা কুনদুগা লানশিল্লম্মী অদুগা হায়রম্মী, "শাওন্নু ইপা ঐহাক য়াওদ্রবুনা তৌবনি। ইপা অমুক্তং লাকপীয়ু ঐহাক পীজগে অরাংপদু, ঐগী নৈফম্লি ইরিবদু।"

মাগী মায়থোং ওনখিরম্মী, পুক্নীংদা নুংশিবামা ফাওখি। অওইবমক মহাক্না চানবীরমদ্রবদি ঐহাক হিংলমগনি থাজদে। হোই-মাই অমত্তা হায়দনা মানা ঐনা পীখিবা চেহ্নু ফুরিংথাউদা হাপচিনহৌরে।

লম্বীদা ঐনা জিপ-গাড়ীগী দ্রাইভরদা ব্রারীদু লীরম্মী। ঐগী ব্রাবীদু তারগা মহাক গড়ীদু হেন্না কন্না থৌগৎলম্মী, মহাকনা হায়খি- "মসিগী লম্বাসিদ হুঁই খোংবা য়াদে, করেম কথাইনব য়াদে; নুমিদাং গাড়ী চংপা কিনৈ, গাড়ীফাও কাই হায়নৈ; লাই নীংনীয়ু।"

ফনা কন্না থৌরক্নুনসু নুমিৎ ময়ুম চংখিবনা হাল্লম্মী. শাংলবা চিঙ্গোল অদু লাম্থেংনহৌদ্র। চেক মমশিনখিবগা চৌখিবা নুমিদাংগী দৃশ্যশিংদু নাংশিংনীংদ্রবা ঐঙোন্দা হন্না হন্না নীংশিংহল্লম্মী, নীংশিংবদা নত্তুনা অরুংবা মমিৎশিংদু অমম্বা মরক অসিদগী তত্নুনা য়েংলকপগুম তু চুংহল্লম্মী— ঐবু কোইম্নিন ইল্লরম্মী।

নুমিৎ কয়ানিমক্কম অম্মুম্না লেনবা তাখি— নীংশিংবুনা থেঙ্গনদুনা, উত্নুনা হন্না হন্না মশক মওং লাকডমদ্রবা অমডবা নোং মানবা শক্তম, অরংবা মমিৎশিং, মখোয়গী খোৱাংলবা মী-বাউথোন ঐগী য়ুমমক্তদা। শেন্দোন ওইহৌরবা লুপা কুন তত্তুনা নীংশিংবা হৌরক্লম্মী অদুবু কনাম্নু লৌনা লাকথিদে।

কুইরবগী মতুং নোংমা নুমিদাং নোংনা মীকপ মীরাউবগুম চুবা নুমিদাং অমদনি, নোং কন্না থাক্লকপদা ঐহাক মিকপ খঙ-থোক থোকলম্মী। চিঙৈনা ঐবু কৌবগুম তারম্মী, কনানো

হায়দুনা চিংনরদুনা ঐস্থু মপান খোকলকপদা শাইজিন ইচুম ভাকম-মক্তদা কা হেন্না খাং-চাউরবা সিফাইগী অচৌবা অচোনবা কোটখীংপা মকোক মরু ইথুম খুমজিল্লবা নুপা অমা লেপ্লুনা লৈরমবদু উরম্মী। নোংথ্যাং হেক হেক কুপ্লকপদা উহৌবা মাগী মীওই মীতৌনি। ঐবু উবদা মহাক্না হায়রম্মী—

তেংনৌপলগী চৌকীদার শিরে, খুনগী কবর-খানাদা শিনা কংলে।

পেল্লো হায়রগুম্না হাযরকপা খাঙাংনি। ঐহাক খংপ্রেক খংলম্মী ইমু লোমদা চেনশিল্লসিরা থল্লম্মী অদুবু ভয়মদে। মহাকসু মমায় ওম্হোক্লুনা পরপ পরপ চংখিরম্মী— উনা উনা চিক মাংনখিবগুম অদুম উখিদ্রে।

ঐহাক ওম্হোক্না ভক্লম্মী, মহাক কনানো কমদোনা ঐগীদা মতম ইচা চাদনা লাকখিবনো কবরগী শয়তান হায়বদুরা চৌকীদারদুনা কমদোনা শিখ্রবা, শয়তান অদুনা হাংখিব্রা—কুনগুবা শতাব্দী অসিদবু কবরদগী চংখিবা শয়তান অদুবু লৈরিগদ্রা? থাজবা থাজদবা অকিবদুদি কোকপা মরৈখিদ্রে।

---

(১২)

মনি-মমৌ

মুমিদাংৱাইরম চাকরাইরম্বদগী পোৎশিৎ হল্লক্লে, খুরুম য়োনফমগী পোৎফম ফম্নীশিং অমমম অনী-নি কাযনখ্রে। কল-কাবথানাগী পোথোক্না খুঙ্গংগী খুৎকী লল্লুমগা অনীগী অকনবা লানগী ময়েক শেংফাত্রবা মমি অমা পোৎফম অসিদস্থু তাররি, শিজিন্নবদা মুংঙাইবা মীরক হায়ফেৎ তিনবদস্থু ময়াবা হৱায় শেন্দল অতুগা পাইজ্জা থেঙ্গ্নদগী থোকপা খুরুম, অনীগী। অমনা হায় "ফম্মগুঞসিদা ইনম্মা পোৎফম অসি, মী পুম্নমক্না পাম্বীত্রবা পোৎসি শেম শাত্থনা য়োল্লগা ঐখোয়না কদায়দগী মী ওইরগ-ৱনো?" অতোপ্পা অমনা খুম্মী, "কবিদি তৌনি চাউবী, অসি নত্রবদি কবিনো শুগদবা ঐখোয়না, করিনো পুক থন্নীংঙাই থবকসিবো? ৱারুম্মু ইনাওসি'দ, লৈতে হায়থুনবু চাদবা য়াত্রা, পু-লঙথুনা হোৎনরুনি। নোংমদি মশিৎকনিদনা ঐখোয়গী পাইজ্জা থেঙ্গ্নগী পোংসিস্থু" অমনা অমুক পাংশিল্লকই, "নহোয় মুপাহুবু তলৱ চাবি হায়বদাইনে পেম্মা, ঐখোয়গীদিনে মশাদনি থাংদোক্লিবা চাবা শেৎপা ইচেনা লোইনা তৌরিবনি, থৎনরুরগা অমগীদা কোক হেক লৈথোকথিগদ্রা হায়থুনা মিকাবদগী হোৎনরিবসিনি।" ময়াম ৱা লাউনা নোকই। অমনা অমুক হৌদোক্লকই, "মাগী মুপাহুদি মশক ফজখ্রবনি— ফৌ শংবাই অচোনবা, ঙারী পরেং অচুম্বা! নচে অসিনা পং হেক তৎপমখৈ পামজ্জরিবনি। নখোয় মুপাহুদি কমদৌই?" থরা অঙাং ওইবগা ময়ামথুনা ওনশিল্লকপদা

মথৱায় ৱানা খুকুম শাবা তোক্লসি হৌদোকচবী নহান্নবীদু অঙাওব তারে। মরক্ অসিদা কয়া মোংহাদবী মীযাই চল্লপ তৌরবী অমদি নুংশুক নু জাননা ময়াম্মা নোক্লিবদু যেংতমক য়েংই, মনাক্তা কম্লিবী নহা ওইরিবী থাদক্কী অঙাং অমা মতম্বাক্তা তুম্লিবী অদুমনা মমাংদা থাবিবা তরেং অহু য়োনগদবগী মমল কন্না তিক্লার।

"ইমা ইবেম্মা মাঙদববু মাঙই হেক হায়রবাদ কুমসিগী মহে চাথ্রোই— শিকি অমত্তং অনা অমত্তং পক্কত্রা হাযদুনা য়োঞ্জবনি— কৈথেল লাইব্রেরী অসিনা চাদুনা হেক শিথ্রগে!"

মীয়াই চল্লপ তৌবীদুনা থাম্মী— "নুপীমচা মাঙই শেন্দোং ফংদে হায়রগা লোইরেদনা, নংনা অদুপ কন্না ৱাশকপগা ৱাতেম্বগা তৌরীদুবো?"

অনা শিকি মথায় হুন্দোক্লা হুঞ্জিনগ ফনা কন্না তিক্লরবা তুংদা উচিন-নাচিন্না মগী তরেংদু লৌথ্রে। ওান চারুবা হংযবদুরা কন্নিনো মতম্বাক্তা নুংঙাইনা তুম্লম্বা অঙাংদুস্মু ঙেক ঙাক শঙলম্বদগী ৱা ৱা কপখৎলক্লে। অহন্দুনা হায়, "কবোকলৈ নংবু অঙাংদু নিংথিনা পনখৎলগা থেম্মদনা!" থওইনা তাদে নগাদুনা, মখুৎউদু নীরু নীরু অঙাংদু থেম্লগা মাগী শেনশিত্তু থিবা লাক্লরি। "লাউ লাউ অবোক পমগে", হায়দুনা অহল অদুনা মমাগী মতম্বাক্তগী অঙাংদু লৌখৎপী. 'হুম' হায়দুনা অঙাংদু থেমবীবা হৌরক্লে।

অহল অদুগী তরেংশিংদু অতাবগা চুপ মান্নবে, কনামত্তনা অচাবা মমল হুনবীত্রে, মমল হংল হংলগা মমাই নৈথোকতুন্না চৎনথ্রে। পোংফম অদুস্মু ইতাক তাকশিল্লক্লে। কাইনথংদা মমৌরেমদা ওনশিন্দুনা হায়রকই—

"কবোক! নংগীহুবু ঐঙোন্দা চেং খিওং ৱানখিনবা লুপা অনী অহুমদং থংবা য়াত্রা, হয়েং শিংঙগে; অঙাং অসিস্মু ৱাংগনি, কুম্নবা তৌরসি. শিংপা শিত্তনা।"

"ঐগী শেলসিদি পৈশা অমফাও লেম্মোইদৌরে, মীওন্দগী পুশিনবতু শীংদোকপফাও কোন্নরে ইদৌরি।"

অদি হায়রগা মনেম্মা পম্মিবা অঙাংজু লাকপোইনা চিংথোকই। মথা ৱারকই—

"মহোয পাক্কিন্সু অসাই চাক চাখিদে, থেঙডে হায়দুনা রাক্ক জুংজু থোকরম্মনি, ঙাইহাক লৈহৌখিদ্রা অবোকপু?"

"ঐস্থ চংনীংলবনি, চেং থিন্তুদং রানথিগেনে লুপা অনীদংদি পংউনে।"

"মীগী শেন্দি শীংজন্নু হাযরিদ্রা; মাইদা ঐদি ওন্থোকনা হৈনজখিদ্রে।"

"এ এ ফবে ফরে অদুদি নহাক চংশিংলম্মো। নং পাজিনা চংলগা নহাক্না লুংশা থিদনবা অতুম থুম্নম্মে; ইনেম ঙাইহাক য়েংহৌখিগে।"

হায়বম হাযফাত্রিবৈদা কবোক্না ফুক হৌগংলক্কুনা তুম্মীবা অঙাংজু মনঙ্গন্দা হুঙ্গক্কুনা তনপো পোথংলে। -

"অদুদি ঐহাক চংলম্লগে।" হায়রম্লগা মফি লাক্কুনা খামগদৌ মতাঙুম পরপ পরপ চংখি। অহন্দুনা লাউহৌই, "হাই অঙাংজু মকোক খুম্বীযু লুংশিং য়ৈগনি।"

অমময় অনীনি থুরুম. য়াংকোক. য়েন্দাই, পোল্লাং য়োনবীশিং কায়নরক্লে; মখোয় অনী অহুমতমক ঙাইহৌবে। মায়োক্কনা ফম্লিবা দুকান্দার অমনা লাউরকই, "ইমাহোয় য়োংনা উপুং তিকপতু মঙাইদা, বৈখেল্ল করোক খুনবা হুইদা য়োন্দোরিব্রা নখোয়গীহুবো? নোংমা নোংমা ঙ-ঈশিং হায়না কাওগন্নু, ঙসিদি ঐখোয় থরা ওটজহৌরগে। অহু নত্রবদি ভারাদা শেনহুং মাঙজনিকো।"

অমনা থুম্মী—"ঐখোয়না উফুল রাইফুল চাদুনা নুমিৎচুপ্পা ফৌবিবাস নাখোয়গীনে ইবুংঙোহৈয়। লুখাক্লামক্কি নত্তবনিনা ঙাইকাক য়েংখিসিরা মকমবনি "

কাবাক্লি মনেমদু শ্বাই লাউই ; মাগী তরেং অনী অহুমদু মযুম তান্না পুবদি ঙম্মোইদবনিনা ভারা পীদুনা থন্নম্বা তাই। অমদি ঙসিগা থানা নুমিৎ হুম্নি শুবনি ভাবাদা লৈরিবা, অনী অমনা ঙসিগী সিটি বসদা রাক্ল-মুংজু থোকপমখৈ য়েপচরকপনি। ঙসিদি মতা চাদ্রবদি অহুমদুগী ভারা তিবা যাই। ভারাগীসু মরাইবি শিত্তবা তাৱবদি ঙসি মুমদাংগীতা নত্তনা হয়েংগী অয়েং-চেং লৌনবা পৈশা লৈহৌদ্রি। খল্লিহৈসিদা মৌনহা অমা চঙ-লক্কনা তরেং অমগী মমল হংলৈ—

"লুপা তরেৎতনি ইবেম্মা।"

"এ, লৈবকা ঙমপোৎ নত্তেনা অসিদে।"

"কয়ানো অমুক্তদি হুল্লুদনা, মতাস।"

"মরীকা য়ারোইদ্রনে অসিবো ?"

"পীনীঙিদকো ইমাগী ইবেম্মা, ফংদত্তনা তৌবনি "

"উকং থরগা বাচেৎ থরগনা তেকতাক্ল শাজিনবা অসিবো !"

"ইমাই ইবেম্মা হেক শাবা য়াদেনে, মুন্না য়েংলগা খঙগনি, শাবা হেক য়াদবনিদা।"

"অদু ওইরগা লৈদ্রবসু তোকসুঙাইদনা, ইশান্না লংচাক চাক্রবসু লংচাক চাকপী শীল্লংবী য়াম্না লৈ— শাগন নাদনবা।"

"কৈ কৈ ইবেম্মা নমদুনা য়োনবা মাবরদো ?"

"কৈথেল মুপীসিদি মচিন লাইমসু কল্লিদা. লম থরা হাই-থবদগী ওইরমগনি, নংবু লৈবা ঙম্বা জাৎনিহাই।"

পোৎ-শিৎপদি লাইরদুনা থিরেমথৈদুম হায়রকপদা কবোক্ল মনেমদু পুমঙক ঙকখ্রে। চহী মতাংগা থরা লৈশিল্লকপগা, চিন্দা

পাউদানদুনা থংনবা হৈবী অমগা নত্তবগা "শাওনু শাওনু ইবেম্মা, লাইরদ্ধনবু য়োল্লিবনি, মমল ফংদবদগী মহায়বনি।" হায়বগা তুমিন লৈজরে। নহান্নুবী খোংউপ থুন্নীং অবাংবা তোংবী, মনাদা হাইবার অপাকপী, অনৌবা যুগকী ফিজেৎ চাকচা খোঙমান হৎমান্নবা উরবী, মঙক-মরু ফব ফর হাইমথৈ চোংশিল্লকই মখুংনে মশানে; মাগা চৎমিন্নবীদুনা থাম্মী—

"ইবেমশা নংসিমা ওন্থোক্লা,শৌ শৌ লাউথ্রে, মমল য়াম্মল্লি হায়রগা লোইরপোৎসিদা! তরেং য়োনবীসিবু মাদরা অমা অমুক য়েংলগা লোইরে। নুমিৎনা নুমিৎ থেঙবানে হায়েংসু য়েংবা মযাই, সিনেমা য়েংবনি লাক্লগা কমদৌনা তরেং পূদৌরিবনে।?"

উচিন নাচিন্না থাদোকপীবমে কবোক্লে মনেমহু। মহাক রাবৌদে মবুক্তগী তাবা মচানা লৌবা, মখরোইবগা মাগনা কোয়না চত্তুনা ফনেক ফিবুম অমা তিংবমথৈ খুল্লাদুনা মখুৎ চারগনি খন্দুনা খিকবা মচাগী মমৌনা ফাউবা চেং চরা অমত্তংগী লেপ্পা পীয়ুসু হায়বা নত্তবা লপা অনীদং থউ হায়রুবদা মচু পৈরবদা মাগী কনাসু নত্রবী, চুম্মা পোং শিক্রগা, হৌজিককানগী মৌ নহা অমনা মখনাং কনবগী খরা ঙাংজা-শকচবু থবিগী রারোকনি খন্দোকই।

শাকবদি লাইবদুনা কমদৌনা নুমিদাংগী চনা নোংখন্নরুনবা চেং খিত্তুং রানখিসিগে হায়নদুম খন্থরকই। কনাগুম্বা মাগী পোত্তু হংলখিবা য়াই খন্দুনা নুংনাংবদু খরা অমুক ফাথৈ অদুবু হুংলবা লৈখিত্রে, কনা অমত্তা হন্না য়েংলখিদ্রে।

চিঙ্গুনা নীংশীংলক্লে অসাই লাউখিবা মায়োক্লনা ফল্লিবা হুকান্দার অদুনা। মঙোন্দা লাইবা ওইরম্বে। হৌগদুনা লাক্লে হুকান্দার বাবুগী মনাক্তা।

"ইবুংঙো ইন্দোনগী তরে শিংসি পীত্রে নংগী যারক্কা তারে। অসাইনা ইমৌনুপীতুগা চৎমিন্নগদৌবস্থু কদায়নো হায়দুনা চোস্থ-হৌরে তবেং অহুম্মক নত্রবস্থু অমত্তা ওইববস্থু লৌহৌরো; অরেম্বদুনা ইবুংঙোগীদা ভারা পীবগী পীবা অতুম থনম্মগে, নংগী খুৱাহু কুইনা মশা ঙম্মুদবদগী ফগৎলকপদা মঙাইবি, চাবা থকপা মতম নাইত্রবদি অমুক হঙ্জিনগত্রা মুংশা থীদুনা তৌবনি, চেং খিক্তং বানখিগেনে ইন্দোনবু!"

দুকান্দার তোমচানা শাওরননা খুমকই, "ঐনা অসাইনা হায়ত্রা নংবো, ইন্দোন? পোৎ লোইশিন্নমদাই গসিদা তৌর-দৌনি নখোযগী হৌনবীদো! পীত্রে মুংঙাইতে; নখোযনা অম্বুম্না তৌবগা হযেংদিনে মী অমফাওবা তুবৎ চৎলররোইদবনি দুকানসিদা। কয়ানোনে মমলবো?"

"ইন্দোম্না লৌনীংবদি লুপা তরেং তরেংনি, লেইনা লৌ-বীগদরা?"

"কদায়দগীনোদা চেং বানখিগে হাযবদুদা অদুক হংবনি, লৌহৌরগে অমত্তং লুপা অহুমলা মরীরা পাযখ্রোনে। তরেং অনীগী ভারা পৈশা নিফুদুগা ককহৌরগে; পারো কযা থোক্লে।"

"লুপা তরুক্তংদি চিংহল্লুদন' ইবুংঙো!"

"ঙম্মরোই ইন্দোন. মরীসি পাযখ্রো ভারাহু কোক্রবসি, অসি মঙাইরে।"

লাকুনা লংথোরক্লে অমমম চৎপী মরীথক।

লাইরবনা কিশুবদি নোং-নঙতি হায়বহুনি। লৌশিল্লে লুপা অমীহু। মাগী মপোৎ মচৈশিংদু লোইশিন্নগা চেংদাইফম তাম্না লাকুনা অনাবগী অফবা চেং থরগা বাল্লে, মনামশিং থরগা লৈরগা ময়ুম য়ৌনবা হোবে হোবে চেঙ্গরক্লে। ময়ুম য়ৌরকপদা

মচানুপী অনীহুনা, চরু চনাই থবনা মৈ হোগংতুনা অনাবা মপাবু থাং য়াইহল্লম্মী।

"তপোৎ নথোয়না কৈথেল কাবসি হল্লকপা কৌবা নাইদে-দকো ইবেম্মা! কৈদোগে নংগী পোৎ শিত্রবস্তু নমৌ অসিগী অশিৎপদগী লুপা অমা মথায় অমা লৌরগস্তু লৈরকপা ময়াই। ঐহাক অমা শিরুম নাকুম ভৌতুনা লৈহৌবিকো হায়বসি কৈথেল তেক য়োবগা কাওরা নথোয়বো? নথোয় খুপী হায়বী জাৎসি ওস্খোক্লা নপুক ফত্তে হাই। নচানা লৌবা নমৌ নত্রা অসিবো?"

তথোঙ্, শাওনীংবদি লাইবহুনা নাক্লীংলক্লে অহুবু থম্মে য় সুংদা নোকদবদা মডাই।

"মাগীস্তু মপুক থন্নবা লাক্লরিবনি। হায়রুরগবুদি করিগী পীরক্কগবনো অহুবু পুখইদা লৈজবা নত্তেদো মথোয়স্তু। পোৎনা শিত্তবনা কৈনো থডদে, সিনকস্তু মহুং মডনা পীথোক্লম্মবনি। ডাই-হাক্কদা লোইগান চাক্ত, থোঙডুরগে।"

কৈথেলদা সুংথিলচুপ্পা ফোরুরবস্তু, মডোন্দা মপুক যংডবীগী মরাল শিজিল্লক্কবস্তু মনেম অমা ওইনা মমৌনুপী অহুবু ডাকপী-বদি ডগ্লে। মসিমডং মমৌনুপীনা থডলম্মবদি মহাক অমুকস্তু হেন্না সুংডাইরমগদৌবনি।

---

(১৩)

চন্দ্রীকাগী "হেয়ার-ডু"

থোঙজিনপান্দা লেপ্লগা যেংথোক্লকপদা অশংবা মচুগী অচেনবা কান্নদা মমাং সিট্রা হরাউ তথাম য়েং-ওই ফম্মিন্নরিরী শাবী শানৌ অনীদুবু হেক উরকই ; কারগী খোঙজেন ফনা য়াংথনস্থ চেনখিবা ঙমাদ হেন্দোক্লন চন্দ্রীকাগী মিংয়েংদগী, তাদুনা অতম লৈহৌরি কার তোংমিন্নখিবা তানীতগী মমি মাগী থাম্মায়দা।

নোংমা স্কুল কামিন্নবদা মাগী চেংনা লুনা হিন্নজবী মমান্নবী শ্যামানা হংখি, মাবু মুন্না য়েংলগা, "চন্দ্রীকাগী শম মশেমসি ওস্তোক্লা পামজাখ্র ঐদি কনানা শেম্ম ?" মানা খুমখি "অশেম্বা মীবুদি লৈ। য়াম্না ফজত্রানে?" "য়াম্না ফজেবা সত্য। ঐদনে লৈতে লৈশাবীশিংগী লম্বোই তুপী মাম্ন মায়দা কোইবক কোইনা কক্কদৌ শরুক অস্তম্না শেম্বনা হেম্না পানৈ। ঐহাক নোংনা লাক্কে ঐগীস্থ অমুক্রা শেমহনবীয়ুবা।" হায়নবতা নত্তে শ্যামা লাক্লম্মী নোংমা মখোয়গীদা। মানা হায়বীহুনা শ্যামাগীস্থ মাগী-দৌনা মশম মনা শেম শাবীরম্মী। শম শেম্বদা নত্তনা কে মোবগী, শক শেম্বগী, খুনীং কায়দনবগী, মায়হিং কাদনবগী অদুগা থাইদগী মরু ওইবা বা নুপাশিংনা কল্লক মিহৌনবগী মতৌ মওং কয়া তাকপীখি। চংলমদাইগী মতমদা অসিমস্থ তাকখি— য়ুমপাল্লবী লুপী শিংনা মপুরোইবগী মশক ওক্লবী লুপীগুম্না লোইনগদৌবনি]। শ্যামা থঙত্রা থঙদত্রা থঙদে অদুবু মমল য়াম্লবা পাউতাকশিং অসিদা পেনখত্তনা চন্দ্রীকাদা হায়রম্মী. "নংসে ওস্তোক্লা নরাইবক

ফৈদকো, ঐখোয় ইমাদিনে থায়নগী খুন্নুংগী মীনি; নখোয় ইমাদোনা মতমগা চুনবা মী নত্তে। পাঞ্জিনা অম্বা ফিবোল লৈরকপফাওবা শাওই মাদি।"

মীনা উবদা তিয়াং কুশ্মৈদোঙুম উবা, মখোয়গী য়ুম্বান্নি; লৌ মরাক অমরোম চাউবা ইস্বোল, চেক্লা শাবা লৈনবা য়ুম মথোন অনীগী দলান, চাকশঙ, শঙ্গোয-লুকোয়, কৈ-শিঙ্গৈ শগোলশঙ-শঙ্গোন, ইস্বোলগী চিংথক্তা অচৌবা পুখ্রীগী অকোয়বদা তাবিবা লাইরু-অনং কয়াগী শরু-মৈথু ইশ্বেম্নুং অমদা লান-শিল্লক্নি হায়নশিংগী মতানি। চেকপন বাংমদগী লানশিল্লকপা ঙমদগুম ইজ্জোরুং অতুদগীসু তমদে কখিবা ঙমদে, কল্লক মি-হৌবগী মনুংদা মৈরায়ুরিবা ওমচাক্লবগী মৈশা কয়া।

ছৈগ্রদা উরিবনা অমা, গ্রীনরুমদা চন্দ্রীকাগী মপাবুংগী 'হরেন' দনা রাবি লোইবা নাইদ্রবা কল্লক মিহৌবগী মৈচাক। খোরানবনা খোগ লবী তেরেমগী লৈনাশিং হুরান লোমচংনবা কয়া উরুপী চন্দ্রীকানা উদবা য়াদবদগী।

নোংমা কাগী মনুংদ —

"ঙসদি ঙস্তানা হেক্ত য়োজররক্লবনি। ঐনা ইবুঙোগী থবক অসিনা ববমনখ্রত্থনা ঙরাং চঙলকখো হায়বত্থ চঙলকপা ঙনহৌদ্রে"

মপাগী লনাই অমনা হায়খিবনি।

"মপুনা চানবা মনাইনিনা ঐখোয়না হায়জবদি কদায়দগী তাবীগনো। ঙরংহ্ ঐগীন হায়না তমত্থনা অথুম অহাও কয়া থিল্লকই। পীজনীংত্থনা হেঁজরম্বনি। চানীংবা এন্সাংগদি পাবা য়াবপোৎলদো। ঙসিদি কন্নিগীনো ঙস্তানা নীংশীংবীরকপবো, থেঙথিরোইদ্রনে?"

চন্দ্রীকা পুমঙক ঙক্লম্মী। মহাক উইরোন উইরোন তুমথ-জরুরবনি, তুমথহৌদবা মাগী দোষনি। মংগ্রেম হাগেম্বনি ত রিবত্থ,

মমাগী মমাংদা মমায ফাওবা হাইগংপা ঙমখিদবা অহুন অচুম্ববা, তারিবদুনা অচুম্বরা, মহাক থনফম থোক্লমদে। অঙকপা কলা মখল অমনি, পুন্সিবু হেন্না মপুং ফাহন্নবগীদমকনা নত্রগ কলাগীদমক য়োকখৎলিবা মখোয়গী কলারা।

অহিং নোংশে য়বা ঈপান-লাইজাথক্তা তাওবা কংঙন কে ইতাও তাওরম্মী।

অসিমদি মহাক খঙলম্মী— অকায়বা লীক্লি মচেৎকীস্তু মমল লৈতবা নত্তে; নুপা লৈত্তে নুপী লেতে পুন্নমক লানঙম্বা পাম্মী পুন্সিগী লানফমদা। রাফম অসি থিজিন হুনজিন্দুন, বুপ্প, য়ান্না কুপ্পা, নৈনবগী খুদোং চন্দ্রীকাদদি লাইনা থোকখি চেকপন্না খাজিন্নবা ইখোয়্ম্নুং অসিদা।

পংকুই কুইদনা চেকপলগী রাংমদা নত্তে মণিপুবগীস্থ রাংমদা অনৌবা মখলগী চাংয়েং, চন্দ্রীকাদা নৌনা থোক্লমদে। অদোগী অশাংগী, ইন্নাক কৈরাক খুনবশিংগী মচা মত্তু মখল মখেলগী মীওই কয়াগা শকখঙ-মায়খঙনরম্মা মসিস্তু মখল অমগী পারানি, তম্নবা লাইরিক্তা ফংলরোইদোবা। মখোয়গী মরক্তা লিলাত্তা লাইরিক লাইস্তু তম্মুবা মীওই ফাওবা য়াওখি। সমাজগী মরক্তা লৈরিবা অনেম অরাংগী চক্রদা মাগীস্থু মফম অমা থম্বা পাম্লম্মী। মতুগী মহৈ বোল-কমদা শাবা জগোয মশা তম্বা তারম্মী, থাবল চোংবীদগীদি অসিনা য়াম্না হেল্লি পুক্লীং নুংঙাইবা, মশা নানবা নাপ্পচিক্না পাউদম্বা য়াবা থম্মোয়মনুংগী রা— অস্তুম্না থাজরম্মী। মপুক্লীংদা থাজবা অমস্তু পোক্লম্মী— মীওইপোক্কী পুন্সিদা অসিগুম্বা মতাং অমা লৈ, মতাং অহু অমুক তুংকোযনা লৈগদৌবা নত্তে, উনা উনা চংখিনি, থামগে নীংনা থামফরোই। অতুনা পিকনিক পার্টি অমত্তা মহাক য়াওদবা য়াওরমদে, ক্যাবারেদা,

ক্যাসিলোদা মহাক ইতং তত্তনা জগোয় শাবা, য়েংবা, মাগী হৈনবী ওইবন্মী।

চেকপলগী মনুংদা অমুক য়ৌরকপদদি লায়বক্তা তক্ষা থিনবা ইমুং অমগী কেনা মৌনা খোজবী চন্দ্রীকাদো নোংচুপলোমগী চংনবী পুন্নমক্তা ফুদোংলবী, মহাক্তা হিংলিবা মতম অতুগী য়াম্না থুম্মাং চাউশিন্না চংথংখ্রবগুম উনরম্মী। অচম্বস্থু নত্তে মহাক বিশ্ববিদ্যালয়গী ডিগ্রী ফংলক্রবীনি। অতুৱৈ মমাবা মাগী লুচিংবী ওইখি—পুন্সিগী লানজওদা অথৌবী অতুবু মমাংদা থম্লগা মুপা মুপী অনীমক চপ মান্নবা থম্মোয় পানবা ঙাক্তনি, অমনা চম্বা পাঙথোকপা য়াবা অমস্থু ঙমকম থোকই হায়নতা থাজবনা পোথাজবা ওম্লম্মী। লানওংগীদমক্তি মহাক থৌশারমদে। মহাক্লা থাজখিবা বাকম অতুবু মমান্নবী পুন্নমক্লা, থোইদোক হেন্দোক্লা মাগা চেংনা চাননা ভিন্নজবী শ্যামানা কাওবা অচুম্বমক্তি হায়না মখৌ শংবীখিবনি।

মপাদগীদি মমাব্রা হেল্লি নক্রবা মচা নিংঙোলশিংগা। গ্রীন-রুমদা অমুক্তুং তৈখিবা পাউদর, শেংখিবা ফিজেং, লীলা লোই-ত্রিকাওবা চংনবা য়াদে। মতাং য়েংনা হোংনৈ। হৌনলোনচং খঙবী, মচুতাবী। চন্দ্রীকাগী মমাস্থু মতাং হোংলম্লে। অরীবা মলা কেনখিরম্লে—মচানুপীগী শাজং উবদা মহাক মিপায়রম্মী। রানা শেল তীংনা থি-কুমহুনা, অওং অউন চাওনা তমহুনা মোংচুপ-লোমগী শাজং পামজবা, সমাজ অসিনদি থবা থাপ্পপ লোয়নবা, মৈতৈ সাহেব অমদা মচানুপীবু লুহোংহুনা থাজরম্মী।

শোর চনীং তানা হোম্বজবা ওম্লম্মী।

অয়েংবনা অমনি, পার্ট লৌরিবনা অমনি, রসকী মতাংদদি। মচাগা মরাগা চান্নরম্মী, পক্লরম্মী, মানা পাম্বহুমক থোক্লম্মী। কনা কুইরবা তুংদা চন্দ্রীকাগী মপুরোইবা চন্দ্র-কে-সিংহ মশা ওম্লজবা

হাক্তক অমদা ইম্ফালগী ড'ক্তরশিংবু থাজদবদগী কলকতা তাম্না লায়েংবা চৎলম্মী মাগী ইবেম্মগা লোয়নবা। ফার্ষ্ট ক্লাস হোটেল অমদা যুমথুংফম ওইবগ চন্দ্র সাহেবনা লেক মেডিকেল কলেজ হোসপিটালদা লাইখে ই। পকুই কইদনা অনানা চিঠি অমা ফংলম্মী।

"...ষ্টরগী মিসেশকী ... কলেজ-মেট, ... মীগী কেপটেন ওইরিবা ভদ্রলো ..., ... ক ওনখ্রবা রা নীংশি নহনবা তুম্নব। তাণ্ড পী... ... তুমখৈ তৈতনা থাগচবি। নো... সিজন ... কা... নীংঙৈ।"

এনোনিমস চিঠিনি— ...।

চন্দ্রীকা নীংশিংলুবগা থংে ক খংলম্মী। হাক্তক তসিদনি চন্দ্রীকাবু মপুরোইবনা থাযদি থ য়নদনা হুন্দ কপীরম্বা। অম্মুম্না হুন্দোকপীরমত্রবদি চংলম্ম য়াই মগাকম্ম কাবগী মমাং সিট্রা ফামিম্নহনা মপুরোইবগা, ... তং ... ... । মপুরোইবম্ম হন্দক্ত কার অমা সবকারবগী শৈল পুডনা লৈখ্রনি...

ঈথক ঈপোম হাযবসি নাইতোম থক ...বাক্তে, অমুক্তংবু হৌখ্রবদি মথং মথং হে বর্ষপা ... য়ত্রনি। ...দনা তুংনাংলকপা মতাংসিদা অমাপা অমুকম্ম ... রকলম্মী অতুঙৈ মগাকপু হুন্দোকপীরম্বগী অহান...চন্দীদ ...রকখিবা ঈপোম নায়বা ঈথক অদুগুম্বা অমা ... থম্মে য়ম্ম গী ...চ ... থা...তুমজ্রহু ... তাম্নখি উকিলকয়াগা দাইভোর্স স্যুট থ্রঈংলগে নীংহুনা ... থ ঈংলমগাদোবনি কেশ মতম্মাক্তী মচাশিং অদু ... বমদনা হোক্নদা মাগী মীবা মীগী মীরা থণ্ডর্দে থাঁয় চংনা থামাথ — ফজদে ইবেম্মা, ...নদ্রগা লোইরে, মীগী মথা থাবা পক্তে ...দে, উ...গী মথা ... পৎ-পুম্বা হায়লবহুন্দি, কৈদৌদগে ইরম্মগাম্ম অইম মরাকংখিগনি।

ইবেম্মসু ইবুংঙো অদুসু লৈবাক্কী শকথঙ মায়থঙবা মীশক ঙাক্লি। মৈতৈ মচানা অমুপ লৈখা তারবা মতমসিদা মৈতৈ মরককতগী ঙোমখিন শাংপদোংগুম শাংলিবা নুপা অসিবু মপুন্সি মাঙহনবা হায়বসি ইবেম্মগীদা নাত্তে লৈবাকসু অমাঙবনি; থাযনরম্মকসু [illegible]।

[illegible] অতোংগ খল্লুবদা তুম্মিন [illegible] কাহৌবনি। অমুম্ম মুংখিবা মৈচাক মৈফম [illegible] অমুক নীনা হৌবকই। মশা পূম্ম তুজু মঙ্গুংই, [illegible] হায়না খল্লুবদগী। ইমুংদা তিনচঙ চঙলক্লুনা ড্রেসিং [illegible] মমাংদা থাংবা ফান্দা যম্লগা নিংথিনা শেম্মুববা মাগী মশানদু মথুংনা [illegible] ক্রুবং থাগোক শানা চাইথায়ার, [illegible] চৈবগন--

"ইকাযবা মাযপাব', মবেম্মা ঐগী ইপান ইচুমদগী মীনা [illegible] চাউথিবা, অতগা ঐবু লুথাক-লাদোনা [illegible] হাযনা থাক্লবা যাব' মীশক অসিগা মতম থবা লৈ-[illegible] হাবরম্মনিকো, নোমা নুমিদাং মিকুপ-থরদং লাল্লুই [illegible]!"

"[illegible] কনানা কনদা লাল্লু বংনো চন্দ্রীকা? লৈজবী পাঙনা [illegible] হয়রগা কৈদোরবা বাব পুব রু ইবেম্মা, ভি, আই পি ময়াম শুহৌবে ডাক [illegible]! মহোয তামোগা ঐগা [illegible] পোবা লাক[illegible]"

থাযনগী মরুপ শ্যামা চঙশিল্লকই ভবাং হাযনখিবা মতুংইম্মা।

"কাক'স চিংম ক'বিগুম চংলগুসিন তৌরম্মীবনি।"

"[illegible] হাংবাদে, হৌবকঅনু, শেম শারোসে। য়েংউ ঐনী হ্যার-ড্রেসি, নাখোয় ইমানা থাযনা তম্মীখিবদো। মহোয

তামোনা ওস্থোক্লা ফজৈ হায়। ইমানা তম্বীবনিকা হায়রুন্নুকো। নংগীশু শেন্মসি। নহাক য়াওত্রবদি ফংসন অদু মপুং ফাব্রবোই, ভাবুকশিংগী মিং থমফম লৈররোই. হৌজিক্তি নংনা বাই শংবা হায়বদু থোকইদো।"

চন্দ্রীকা চঙরুনা য়েংখৎলকই শ্যামাদা, য়াম্না হরাও তয়াম্না উব্রবী শ্যামাদা। মমিং অনৌমক পিরাং ঈহৌনা হংলকই—"অদুগীরা?"

লংজিন মাঙথ.বা কিশি

কারেনগী মৈহোৎনা শারবা মতম্ । লম্বী চংলিবা অহনচু উরুম অমত্তং কংত্রা কোইথি থিরি মশাঙ্গ খাঙবা ঙমত্রহ্নী অচ্চবু কবো লৈখিত্রে । অহনগী ঙকৈ্[illegible]পগা লম্বী অচুদা চংলিবগা কুইরবনা লাম্লত্রা হায়ৱ্না অমুক কোইদ্রেং ঙ্লোই, লম্বীমক্তি লান্দত্রা নীংই !

শারবী কালেনগী তুংথিনি ।

চাক্তর চাঙ্গ্নবা থোঙ্গাং পাম্বী, মনা পুংলবা হৈনৌ পাম্বী কক্সানা তুন্ডনা কুঙনা হৌরম্বলিং; নাপী-শীংনা; হুপ-লাংনা লৈপাক পোং পুবন্দৈ ক্রক ক্রক ইরমা হৌথিবনা কনা নিংথিমা উরুবমি উরুম বারুম্না কনা শারবা কালেনগী মতম ওইদুনম্বু লম্বী চংপা লোয়বা[illegible] থাজেমদে !

পুম্নমক হোংলম্নে, পুমকোক কোক্রম্নে অচুবু ঙুক্তবদি মত্তে; হেনক্ন্নবা[illegible] উশি মীনা থুরিক হাংদনা লৌদ্রি । অদা কোক-ঙথা জিনি লিশি হুম্বা খুংশিংকী শউম লাংলমন্ত্রে, শারুক খুম্বা খই পুখা খুংশিনো শারবা কালেনগী হুংশিন্নবু হৈরা মৈশা [illegible] !

[illegible]বা নত্তে লম্বীহ ।

[illegible] ঙ্লোপে নীলৈবা মকম ঙ্লোবা ঙমগত্রা ঙমলোইত্রা [illegible]— [illegible] মত্তাঙৈ, খুংশার্গি মৈশানে ।

[illegible] হোংকয়াম্না খুংদা [illegible] মহাক লম্বী অঁজিদা । হোংলম্নবা লম্বীদি [illegible] মত্তৌ— [illegible]মক মহাক কমিনত্ত [illegible] ।

শারক্নে। মকম্ধি কত্তবা তৌগে নীংথিব অহুমা পাংথোক্লবা হোৎনবদা শিবা-নাবা কিদবা মহোৎশাগী অথাবা মরাংক্সেল অদ্রুতনা মাবু চিংহুনা চিংহুনা অস্মুম মাংলোমদা পুরকপনি—শারবা কালেনগী মৈশা মরক, মীশৌ লাংলবা মীয়াউথোল মরক কাও কাওহুনা। মাগী অবাবা মত্তৌহু উবদা লম্বী চৎলম্বা নহা অমনা হংবীবকই, কদায় য়ৌদৌয়্বিবনো অহল অস্মুপ শারবা কালেনগী মুংশা অসিদা ?”

মগুগুমনি হংলকলিবহু, মঙোন্দা হংলিবনি হায়বা কাওবা মহাক থাজরমদে। অমুক য়াচং অদুমক মঙোন্দা ওনশিন্দুনা হংখীরক্লবদা—

“ইবুঙো ঐগী মকপ অমগী য়ুম য়ৌগে লাকপনি, থায়না অঙাং ওইরিবৈগী মক্লপ্নি, মহাক অনা শঞ্জ্লে হায়বা পাউ তাবদগী উরদবা য়াদবা থবক অমা নৈত্তুনা উরগে লাকপনি। নংবা হায়গুম্লহুনা কনা নিংথিবা শাব্রে মুংশাসি, মহৌশা অস্মুমা শাথিজবমাল্লে নীংই, শাথিবরবে ?”

“কালেনদবু মুংশা শাদবা হৌনত্রা ? হাকুমস্নু অমুমা অদুম শাথিনা। করি লমদগীবো অহন্ ?”

“মথা অসোমদগীবি কনা লাপই। চুম্মি নংবা হায়বা। অহন ওইরকপস্নিদা বুদ্ধি লৌশিং ইকক ককচিল্লমাল্লে। লম্বীগী মাকন্দা হৌরম্বা উপ্যান য়াপানশিং অহুনা কদোমদা হৌগ্রে ?”

“করিনোনে অহম উপান য়াপানবু চৎ-চত্তুনা মখোয়না তৌনীংবা মকমদা চৌবা য়াত্রা ? মপু-শাবশিংনা য়াম্বজুনা শিং থরা ওইনখোক, লাই-লোইবশিংনা লাইগীনি হায়জনা মশা থরা থা, মখোক মওই নৈবা মীচং কনবশিংনা ইন্থোল কয়কবা থরা য়াহুং, ময়ায়বক চেংবশিংনা কারবারগীদমক খোপচিনবা থবা লেহুং, অহুম চুমজশিবনি। উপান য়াপান থাবলে, মুরা লৌবী

অহন তুরেল, লোক ভাই, খোঙবান লুকনাং, লোইনা মরি শামলিবসি।"

"চুম্মি নংনা হায়বা নহা।—

নংনা হায়বসি য়েঙশুবদা ঐহাক লম্নাংনয়ে, লম্মী খঙদ্রে। কদায়দনো ঐনা চৎলিবসি মং খঙব্রা?"

"করিনোনে অহন অনাবা হংবা লাকপনি হায়বদায়নে নহাকপো?"

"মানিনে চুম্মিনে, নহা। অদুবু কাউদ্রে হায়রি লম্মীদো?"

"করি লমদনো, করি লৈকাইদনো? অনাবা অদুগী মরিং মথা হায়রকউ।"

"অদুসু কাওখ্রেনহাই নহা। অসিবাইদা অন্যবকা লৈত্রবে?"

"অনাববুদি লৈমে, চৌজিকসু অহন অমা শিদৌরে হায়মা থাংদোকপীনবা মী লৈহৌদ্রনা থাখায়দনী কুলী মেকউনি হায়রুরা লাংনহৌরি। পোৎলোইকমসু ঢুকান শাজিনখিত্বা হবাগাড়ী অমা থাইরগা লম অহাংবা থিরুরি হায়নহৌই।"

"কুলী মেকুগা পোৎলোইগদৌবা, হবাগাড়ী থাইরগা লমহাং থিগদৌরিবা!"

"উম্ মতমনি অহন্।"

"নাবদি কমদৌবা?"

"লৈকাইনী পালাদি পাক কংলোই হায়নহৌই, মনা শাবকা, কুহিং তুবদা, উ শুবদা কনামত্তা শংনত্রে, পালা তোকরে। ইথৈ তৌবা কাংবুসু মিটিংগা করিগা শোয়াং চাওরোইদৌবা লৈরবদি থার্তন কম্না লৌনত্রে। অদুমকপু মতমুশাহ "মাইক লোইবনিগী মীসী থোইম-কা লৌশিনবা লৈত্রবদি অদুম শোয়রবি মাবরি, অকংবা অরৈবা রেকোর্ড অমদনী।"

"অত্থুদি মী শিদোরিবা য়ুম অদু অমুক্তা ভাকপীরম্মুবা ঐ-ভোন্দা।

লম্বীগী মনাক টনক নকপদা উরিবা য়ুম অমদা খুদোম্বী থিন্দুনা মী শিদোরিবা য়ুমত্তু অসিদনি হায়না ইথন খনদনা, ইরায় ঢেক লায়না তাক্লমই নহাত্থনা।

"শোইত্রবরনে মহা নংবো ?"

শোইত্রবনি অহল য়ুম অসিদনি।"

নোকাক্রম হায়গ্রেম্মত্থনা ইথৌ খোওইদনা অত্থম চংখ্রে নহা পাথত্থা। অইনত্থুসু বাতাম্মনীংঙাই লৈত্তবগা মশানগা লাময়া [illegible] চুমজিং চঙশিনখ্রে তাক্লম্বা য়ুম অদোমদা চঙলক্লগা, তম্মাং ময়ায়দা চপ লেপ্তুনা কোইয়েং য়েংই, ইথোরত্থ মী অমত্তা [illegible] কয়া অমত্তা লৈরমদে। মত্তাক্তা থাম্ল য়ুম অমি চুম্বা [illegible] মী [illegible] শিগদোরবা অনাবগী নাক্তা [illegible] পরপ চঙশিল্লক্কুনা [illegible] খুবক মকুদা ইমুংদগী মথৌক-কারকপী চম্ম নিংলোল [illegible] হংলকই—

"[illegible] কনাগী থিরকপগে ?" লৈশাবীত্থ উবদা অহনত্থ মত্থু মমান থিংলকই, হায়রকই নোক্তুনা—

"অনাবা হংবা লাকপনি কয়া [illegible] মীরোন মীরি ভাংনবা য়াথিগত্রা ?"

"[illegible] ঐ[illegible] অসিবদি [illegible] লাক্তবা [illegible]।"

"[illegible] মহা পাংগ অমনা তাক্লমী অসিবা শিগদোরবা মী [illegible] উ[illegible]।

শিদোরবা মী [illegible] হায়রবা কয়া [illegible] শিদোরবদি নংনি-নং !"

শাওনা হায়রকই থুপীমচাত্নবা। শাওনরিবৈ চৈরক অসিদা থংনবা মনিংথংবা য়ুম অদোমদা কপ্প-লাউনবগী মীকপ মীরাউথোল অমা তারকই; মথা অমুক তারমদনা অহনদু মায়কৈ অদোমদা পরপ পরপ অমুক লাক্লে। শিরোই-নারোইদোবা ইমুং তামদা কদায়দগী কমদোনা চঙঙ্তুনা মীবা তারেদো থল্লি মপুক্তা। কপ্প-লাউনবদু অস্থুম অস্থুম হেঙ্গংলকই, মাম্থু খোঙথাং কনথংলি অদুবু মানা য়োরুবদদি অশিবদু শঙ মমুং য়োরল্লে। কপ্প-লাউনরিবা মীরক থায়তুনা চুমত্রিং লাক্লগা শঙমুংদা লৈরিবা অশিবা অদু ভম্না চঙশিল্লকই, কনা অমত্তম্থু মাবু থামদে, ময়াম্না কপ্প লাউনবা অতুদা মাস্থু কপ্প্লই। কোইশিল্লুবা শঙগী ফিজংদু হায়গংলগা মহাক শঙমুংদা চঙশিল্লক্লে, কাই কুপলিবা ফিদু হায়দোকতুনা য়েংলুবদা মানা উন্নগে থিরকলিবা মাগী মরুপতুমক ওইরমলে। শিরবনি হায়না পুথোকতুনা থাঙেনফম শঙ মমুংদা লৈরবা অহন অতুনা মাবু হেক উবদা অস্থুম্না হংলকই—

"কয়া কুংরে নহাক লাকপা?"

অহন অদুনা খুমলকই—

"হৌজিক ময়োরকলি, য়ুম লানদুনা অতোপ্পা অমদা চঙঙ্দুনা নংগা উন্নবা ঙমহৌত্রে, শিজিবৈদা।"

"লুকথরকউ লাউ অরোনথা বা অমা শিন্নরমগে নঙোন্দা, মথোয় ময়ামগিনা ঐবু মৈ থাদোক্লিঙৈসিদা।"

"করি বানো?"

মানা হায়বদোনা অহল অতুম্থু অশিবা অদুগী মমায় মপাদা মকোক লুকথরকই, অশিবনা মাগী তয়িং তম্লিবা ঈ চেক্লবা তাইকেৎ তাইথনা বাচেৎ তত্থায় মাল্লবা মথুৎ য়েৎ অদুনা লাম-থংলক্নুনা অংনদুগী মডকশম অদু কোল্লকই. অদুগা হায়রকই—

"লম্বী লংখাংদা ভৌহৌরিবদু উরেদনা!"

"উরে।"

"নহাক্তুনা হায়বকপদু তারেদনা!"

"তারে।"

"লৈশাবীহুমা খুম্লকপহু তারেদনা!"

"তারে।"

"অদুগা নহাক্না লৈশাবী অদুগী তিংদা য়াংদা উরগা মশেন মরাং উরবা নমিত্তুনা উক উক্ত লৈহুনা নতিন চোবমখৈ য়েংলিক্লবদুনা করিগীনো?"

"ঐবু কয়াম অহল ওইরবগেনে?" অশিবহু হিগত্তুনা নোকলকই, উমশিনবা ওমদ্রবা হা হা কারবা মচিন্দুনা।

"নশাদা ঈ চেনখ্রে, শরুদা তোংশা নপত্রে। নংনা হিংখি ঈ চুপ্পগা ঐগী। ঐনা শিরি নংনা হিংহৌরি, নংনা লুচিংবা ঐনা ফৌরোই, ইতুসু নংগী, ইচাসু নংগী, ঐসু নংগী। চিন্দনা ইতাও পুক্তনা ইনাই। নুগাকথক্কী ঐনা অশিবা নংবা, অদুগা কৈফিয়ৎ তানগদবগী অমুক লাকপা। নংসু হিংহৌবা য়াররোই।"

অসি হায়রগা অশিবগী চপ তীংলবা তয়িং তয়িংবা মখুৎ অহুনা ওকথি চপশিল্লকই। মনাক্তা তারিবা কাই পুন্নবা থৌরিহু লৌখত্তুনা মুক্তকতুদা হুকচিল্লগা কিশি কিরকলে। থোকে লাক্লে অহিংবনা মাঙখ্রে কিশিগী লংজিন।

অনীমক শোল্লবা ঙাকনি। অমনা চহীনা ননশিল্লক্লবা অমনা পুক্নিগী মরাইথুং ফংলক্রবা, অমনা হিংবদা বারক্লবা, অমনা হিংনা ওমত্রাহুমা শিরবা। শর খিংনীং খিংমাং তৌনা থামলকই—

"নংনা ওকখি চপত্রবসু, হুইগংসি থাজ্রবসু শিরগদবনি ঐহাক। পুম্নমক থওলে ইতাও অহুব ঙাইহাক্তংদি হিংখিগে।"

"য়ায়রোই ইতাও।"

অসুম অসুম কয়া চপশিল্লকলে, চপশিল্লকলে। মল্লবা হকচাং অদুদগী অপাম মিহোৎবগী, পেন্দবগী, অওকপা নায়দবগী, খোয়াং-লম্বা পুম্নমক মনিন ওইনা কি কি কামথোয়রকলে, মরৈ হা হা তমলে শরূ তংখ্রে। শিরবা মতমদদি অচম্বা মী ওাক্তা ওইনা তামিল্লহুনা লৈরে— শিরল্লবা অক্তগা শিরবা অহুমগা।

লম্বীগী নাকন্দা হৌবা উগী ময়োন চোংহৌরে— চেল্লমদবা ইচেল চেলহৌরে পাং তুংরল ওয়া ঈহৌরে। লৈকাই মীনা ওক্তা হুংমহৌই অশিবনা অচংবা হাৎলবা হুইগং থাংহুনা।

